
# মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক

(The Cultural Dictionary of the Meetei Words)

<u>অহানবা সরুক</u>



*তাইপঙপালপা মীওইপকী থমমোইতা*
*লৈপা থৌরাইকী সকতম!*

ৱাংখেমচা চীংতমলেন

# মীতৈ ৱাহৈসিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক

**(The Cultural Dictionary of the Meetei Words)**



## তাইপঙপালপা মীওইপকী থমমোইতা লৈপা থৌৱাইকী সকতম

মথকতা পীরিবা সকতম (symbol) অসি থৌৱাইগী থৌৱাই ওইরিবা তেংপালপা মপু মহাক্কী তাইবং, মীওইবগী থমমোই লাইসংদা লৈবগী সকতমনি। সকতম অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা কংলৈ ইপা ইপুসিংনা চহী লিসিং কয়াগী মমাংদা য়েকতুনা থম্বীরম্বনি ।

**সকতম অসিগী ৱাংউলোনঃ**

পাবীরিবশিংনা পারিবগী মওং অদুদা সকতম অসিগী মথক থংবা সরুক অদু নোংপোকনি হায়না লৌবিয়ু।

খ্বাইদগী মপান্দা কোইসিল্লিবা অকোইবা মওং অসিদি থৌৱাইগী সকতম অসিবু হকচাং মনুংদা, হকচাংগী অতৈ সরুকতগী খাইদোকতুনা কোইশিন্দুনা থম্বগী মওংনি।

অকোইবা অসিগী মনুংদা লৈরিবা সীংথালোন চৈসীঙ ঈয়েক ꯏ গী মথকতা কোম্থরপ তৌনা চিংলিবা লৈই অদুনা অতীংআনি। অতীংআ অদুগী মৈরম মাইকৈদা লৈরিবা ঈলিক (Dot) অদুনা মৈনি। মখাদা চৈসীঙ ঈয়েক্কী মমৈদা মোইলাং লাঈচিদা নল্লিবা ঈলিক (Dot) অদুনা ঈশিংনি। চৈসীঙ ঈয়েক্কীং

মমৈগী কৌপলু লাঙ্গৈচিদা নল্লিবা ঈলিক (Dot) অদুনা নুংশিংনি। অদুগা অতীংআগী নাকন্দ চীংখৈ মাইকৈদা নল্লিবা ঈলিক (Dot) অদুনা লৈপাকনি। কংলৈ ৱাঙউবশিংনা মৈ, ঈসিং, নুংসিৎ, লৈপাক অমসুং অতীংআ মঙা অসিবু থৌৱাই মঙা কৌই। থৌৱাই মঙা অসিনা মীওইবগী পুনশি ওইবা য়াদে। কংলৈ ৱাঙউবসিংনা "হে থৌৱাই মঙামক, মিকা থানা তলুকমক" হায়না সৈথানৈ। মসি ঐখোয়না হৌজিক হায়নরিবা থৌৱাই-হকচাং (Human soul) হায়বদুগী মপুংফাবা ৱাখলনি।

মথক্কী সক্তম অসিগী ময়াইদা য়াওরিবা ৎ অসিনা তেংপালপা মপু ইপুঙ লোইনপা অপকপনি। তাইপঙ মীওইপগী হকচাংদা লৈরগা 'মি' নত্রগা তাইপঙপালপা মপু কৌই। থৌৱাই মঙা অসিগা 'মি' হায়বা অসিগা পুল্লগা তাইপঙ পুনসি ওই।



# মীতৈ ৱাহৈসিংগী ঈনাৎকী

## ৱাহন্থোক

ঈরবা

ৱাংখেমচা চীংতমলেন

M.A. LLB.

সগোলবন্দ থাংজম লৈরক

কংলৈপাক

*পাইরিক অসি পুক্লিং অনি লোংদনা পুক্লি চংনা পাবীয়ু; অনৌবা ৱাখল শোয়দনা পোক্লগনি।*

**লাইরিক ফোংজবা:**

The Kangleipak Historical and Cultural Reasearch Center
Sagolband Thangjam Leirak, Imphal
Kangleipak
Tele: 8974577213

অহানবা ফোংবা: ২০১২
চেকখুমগী সকতম:
অইবনা পুয়াদা য়েক্লুম্বা অদু মান্নবা য়েকপনি।

©: The author and his family.

মমল : লুপা ৯৫.০০

কোপী মশিং : ৭০০

নম্বা:
ৱিজাদ ওফসেট প্রিন্টিং, সগোলবন্দ থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল



# মীতৈ ৱাহৈসিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক ৱাহৌথোক

মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক (The Cultural Dictionary of the Meetei Words) হায়বা লাইরিক মচা অসি অসিগুম্বা মখলগী লাইরিকশিংগী খ্বাইদগী হানবা মীতৈ খুদিংনা হেক পাবদা পুক্রিং চিংশিনগদবা লাইরিক্রি। লাইরিক অসি Dictionary অসিগী অহানবা Series নি ময়েক মরি হায়বদি [illegible], [illegible], [illegible], [illegible] না হৌবা ৱাহৈ ১১১ (চাম্মা তরামোথোই) খকতনি। ৱাহৈশিং অসিনা লামাই ৯২ কপ্পি। ঈনাৎকা মরি লৈনবা ৱাহৈঙাকতা ওইবনিনা মশিং য়াম্না য়ামদে। অদুবু অইবনা নিংশিং নিংশিং ইবা ওইবনা, ৱাহৈগী মশিং য়াম্না ৱাৎপনি। মথংগী Series নম্বা মতমদদি ময়েক খুদিংগী ৱাহৈ শোয়দনা হেনগৎলকনি।

কংলৈচা মীতৈশিংনা মখোয়গী মপা মপুশিংনা তৌরম্বা থবক, ঙাংলম্বা ৱাহৈ, পুৱারী থৌদোকশিং, খুন্নাইগী মওং, চাওখৎলম্বা অমসুং মীথোই মীহেল্লম্বগী মওং য়াম্না খংবা ৱাৎলি। খংদবা অসিনা মরম ওইরগা মখোয় মীতৈ মচানি হায়বগী চাওথোচবা লৈতে। মরম অসিনা মীগী, অতোপ্পা মী কাংলুপগী মীখা পোল্লক্লবগী চাওরবা মরম ওই।

পুন্নমক অসি পুয়া মৈ থাখিবা অমদি হৌখিবা চহি ৩০০ লোম অসিদা ঐখোয়গী ঈ কাংলুপ, ঐখোয়গী অহেনবা অমদি অৱাংবা খুন্নাই মুথৎনবা হোৎনখিবা অদুনা থোকহনবনি হায়বসিদি তশেংলে, পুৱারীনা অরেপ্পা ওইনা তাক্লবনি।

মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা, ৱাখল য়াম্না ৱাঙনা খল্লম্বা, মালেমগী মীয়াম্না ৱাখলগী লাম্বা তৌবা ঙম্লমদবা কংলৈচা মীয়াম ঈলুপ অসিবু কনসি, মালেমদা খোংখুল মুৎখিবদগী কনসি হায়রবদি কংলৈচাশিংনা পুকচেল য়াম্না শেংনা হৌগ্রবা কংলৈ পুৱারি, ইপা ইপুশিংবু য়াম্না নুংশিনা য়াম্না ইকাই খুম্না কংলৈ পুৱারি, ইপা ইপুশিংনা তৌরম্বা থবকশিং, মখোয়না চৎলম্বা ইনাৎ অমসুং খুন্নাই মুন্না থিগৎপা অমসুং নৈনবা মথৌ তাই। থিগৎলকপগী লম্বী অসিদা পুয়ানা, মরু ওইনা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল শালাই অমা - ইলোন পুকোক্না য়াম্না চাওনা মতেং পীগনি।

মফম অসিদা অইবনা পুয়া হায়রিবা লাইলীকশিং অসিদি ময়েক ১৮ না ইগনি। অইবগী মমিং, মায়চৌশিংগী মমিং অমসু নিংথৌগী মমিং য়াওগনি। হিন্দু মতম, ১৮ শুবা চহীচাগী মমাংগী ওইগদবনি ওঁ (অঞ্জি) য়াওবা, হিন্দুগী ৱাহৈ য়াওবা, ইবগী মমিং য়াওদবা, মাইচৌশিংগী অমসুং নিংথৌগী মমিং য়াওদবা লাইরিকশিং অদু পুয়া নত্তে। পুয়ানি হায়বা 'য়ি', 'য়ী' য়াওরবা পুয়ানি হায়বা লাইরিকশিং অদু পুয়া নত্তে, ২০ শুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক্তা পুয়া শাদুনা ইশিনবা, শেমজিনবনি।

কংলৈচাশিংগী পুয়াশিং মৈ থাখ্রবা মমাংগী ইপা ইপুশিংগী ৱাখল, লৌশিং, ইনাৎ, খুন্নাই, পুৱারী খংনবা হোৎনবিয়ু, খরদং খংলকপদা ইপা ইপুশিংবু নুংশিরক্কনি, মখোয়গীদমক পুনসি কৎথোকনিংলক্কনি। ইপা-ইপুশিংবু নুংশিবিয়ু কাওবিগনু, মদুনা মতম অসিগী নমথাক্কী পুনসি মরেন্দা, নমথাক্কী লাংদা থুদনবা, কংলৈচাশিংবু অমসুং ঐখোয়গী ইপা লৈপাক কংলৈপাক কনবদা য়াম্না চাওনা মতেং পীরক্কনি।

মীতৈ ঈয়েক্কী অমসুং মীতৈ ৱাহৈশিংগী মতাংদা ইবা লাইরিক মচা অসিনা কংলৈচাশিংদা হৌখ্রবা কংলৈ পুৱারী, ইনাৎ, খুন্নাই অসিনচিংবা খংবদা য়াম্না চাওনা মতেং পীগনি অমসুং কংলৈচাশিংবু অমসুং ইপা লৈপাক অসিবু কন্নবগীদমক চংশিল্লকপদা চাওরবা খুৎলাই অমা ওইগনি। মখাদা ঐনা পীজরিবা শৈরেং-ৱারেং অসি ফৌশু ইশৈরা, নাওশুম ইশৈরা নত্রগা চায়নলোনলা অইবসু মুন্না খংদে, তাদি তাই -

তোং তোং তোংক্রুম্বী

চকুক নাকুক চৱাইবী

লাই মরোল মচিন থী,

থাদোই কৌইদা

তেম্মু তেম্মু

মতোন সনা

খৎ খৎতোকলো।

মোই পোৎ থোক

শামু মরি পৎ তৎ

কৈথেল ৱা কাই।

মথক্কী অসিনি শক্লরমলিবা, ঐখোয়না তারম্লিবসি; অইবগী ৱাখলোন পীজরোই; পাবিরিবা খুদিংনা মশাগী ৱাখলনা ৱাখল্লোন পুথোকপিদুনা খংজিনবিয়ু, নৈনবিয়ু, নুঙাইবিয়ু, শুকথবিয়ু, অইবসু য়াওজগে।

অরোইবদা অইবনা হায়জরি-অইবনা ইং চৈচৎ ২০০০ হেক হৌবদগী কংলৈপাক অসি মালেমগী মীওইবা পুম্নমক হৌখিবা মফমনি হায়না থাজবা হৌরকই। মসিনা মরম ওইদুনা অইবনা Kangleipak: The Cradle of Man (2010), Discovery of Kangleipak (2011), Kangleipak: The cradle of Man – 2nd Edition (2012), ইদুনা পুথোকখ্রে।



মতম অসিদা AIR না Africa দগী মী হৌবনি হায়না কন্না শন্দোকপা হৌরকই। মসিগা লোইননা England দা লৈবা অইবগা খংনবা Doctor মীওই অমনসু, Africa দগী মী হৌই হায়বসি মালেমনা য়ানরবা ৱাফমনি, Kangleipak (Manipur) দগী মী হৌই হায়দুনা থিগৎপা, শেল তিংলুবগী কান্নবা লৈরিব্রা হায়দুনা, লক্লবোই, পুকনিং থৌথবোই হায়বিরকই। অইবনা য়াম্না নুংঙাইনা তাজখি। অদুবু Mr. Jean -Jacques Jaeger of the University of Poitiers, France না লুচিংবা International Scientists Team অমনা "Human ancestors may have originated in Asia, not Africa" হায়না June, 2012, দা লাউথোকখি। মসিসু Myanmar দা লৈবা Nyaungpinle হায়বা খুনদগী Prehistoric human tooth মরি ফংবদগীনি হায়রি। Kangleipak তগী মী হৌই হায়রকপগুম্বনি।

**য়াইফরে ঈপা লৈপাক কংলৈপাকনা য়াইফরে।**

**মলেমগী খ্বাইদগী লিরবা মীশিংনা, ঙরাংদা য়োংদগী মী ওল্লকপা কুইদ্রিবা মীশিংদগী তারমগনি হায়বসিদি খনবিরুরনু। হায়জরিবা ৱাফম খরা অসিগা লোইননা অইবনা মহাক্কী 'মীতৈ ৱাহৈশিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক' কৌবা লাইরিক মচা অসি হৌখ্রবা কংলৈ ইপা ইপুশিংদা কৎচরি।**

**ইম্ফাল**
**২৬।০৬।২০১২**

**ৱাংখেমচা চীংতমলেন**
সগোলবন্দ থাংজম লৈরক
Phone: 8974577213
*E.mail : chingtamlen@gmail.com*

## মীতৈ ৱাহৈসিংগী ঈনাৎকী ৱাহন্থোক

### ▣ (ক)

মথক্কী অসি থাইনগী মীতৈ ঈপা ঈপুশিংগী ঈয়েক (ময়েক) ১৯ গী অহানবা ৱাহৈ ইনবা ঈয়েক (ময়েক) নি। পাবগী খোন্থোক কোক হায়না পাই। সকতম (symbol) অসিগী য়েকপগী মওং অসি তৈলই ৭না পুনশিন্দুনা য়েকপনি। পুয়াগী মতুংইন্না মীওইবগী কোক হায়বা হকচাংগী কায়াৎ অসিগী মনুংদা সালাই ফিসেৎ ৭, নোংলোন ৭ কী মচু ৭ মক অসি লীদুনা লৈ। মরম অসিনা ৭/৭ না খুজিং ওইদুনা কোক মনুংদা লীদুনা লৈবা অসিদগী লৌরগা লৈই ৭ না কোক (symbol) অসি য়েকই, তেংপালপা তাইবংপালপা অসিদা উরিবা পুন্নমক মপু মাগী কোক্তগী থোকপা (খ্বাকপা), অদুগা মী ওইবগী থুম্নাইদা উরিবা পুন্নমক, মীওইবগী কোক্তগী থোকপা, কোরুপা মরম্না কোক্কী (symbol) অসিবু কোক হায়না পাই।

১। কংলা : কংলৈ তম্পাক্কী (Imphal Valley) গী অকোইবা চীংশাংশিং অসিদা পুয়াদা লাই, লাইরোন্দা লৈমা-লাই হায়না খংনবা মী কাংলুপ অমা মতম সাংনা তারকই। মতম অসিদা কংলৈ তমপাক অসিদি ঈশিংনা পীক থন্না লৈরমই। চীংনুংহুৎতা ঈশিং চিংথোকখিবনা মথং মথং কংথরকই। কংথবা হৌরক্লবা মতম অদুদা চীংশাংদগী তমদা লাইশিং অসিনা ইহান হান্না কুমথদুনা লৈবা হৌবা মফম অদুবু কংলা থেনপুং কৌই, কংলা থেনপুং হায়বদি অকংবা লৈতেম মান্নবা মফম হায়বনি। লাইশিংনা কংলা থেনপুংদা কুমথরকপা মতম অসি চাওরাক্না ১৮০ সেনচুরি B.C. দনি, অদুগা ঙসিদগী চহী ২০,০০০গী অদ্বাইদনি। Kangla Excavation, 2009 য়েংবিয়ু।

মতম শাংনা কংলা থেনপুং হায়না শিজিন্নরকপনা, মতমগী মতুং ইন্না থেনপুং ৱাহৈ শিজিন্নবদা য়াওরকতদুনা, হৌজিক ফাওবা কংলা হায়না শিজিন্নরি। তমদা কুম্লকপা লাইশিং অসিনা মীতৈ ওইরকই। চহী লিশিং কয়া মীতৈ নিংথৌ চরাইরোংবা ফাওবা কোম্নুং ওইনা শাল্লমপা মফমনি।

২। কোনশেন তুলৈশেংপা : ৱাহৈ অসি অসি পুয়াদা পীবা লাইনিংথৌ সানামহীগী মমিংনি। কোনশেন = কোন + শেন, কোন হায়বদি লৈফম, (খুদম - শনকোন = শনলৈফম) + শেন

হায়বদি শেন্নবা, ঙাক্তুনা থম্বা, শম্মা হায়রবদা মপু মাগী লেংদনা লৈফম ওইরবা মীওইবগী হুকশাং (হকচাং)বু মিৎকুপ অমফাওবা থাদোকপা তৌদনা শেন্নদুনা লৈরবা হায়বনি। তুলৈশেংপা = তুলৈ + শেংপা, তুলৈ হায়বদি তুশিন্দুনা লৈবা, লৈরবা + শেংপা হায়বদি অশেংবা মপু হায়বনি, শম্মা হায়রবদা মীওইবনা শিদ্রিবা ফাওবা হুকশাং (হকচাং)বু থাদোক্তুনা চত্রবা লাইনিংথৌ মহাকপু হায়বনি।

৩। কোনচীন তুকথপা : মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ (Race) অসিনা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা, কংলৈপাক (হৌজিক্কী মনিপুর) কৌনা শেমগৎলক্লবা মতমদা ইহান হান্না নিংথৌ ওইখিবা, কংলৈপাকপু অহানবা নিংথৌ পানবা লৈপাক (Monarchy) অমা ওইনবা, মপুং ফাবা নিংথৌ পানবা লৈপাক (Full Political Monarchism) ওইরক্লবা হোৎনবদা লুচিংখিবা মীতৈগী অহানবা নিংথৌ অদুগী মমিংনি। মহাক মঙাং শলাইগী নুপানি। মহাকপু মতম অদুগী মীয়াম্মা ঈপু অথৌপা (ঈপুথৌ, ইবুধৌ) হায়বদি Brave Grandfather হায়রগা খংনৈ। মহাক অসি তেংপালবা, তাইপংপালবা মপু (Supreme God Father) অদুবু মুন্না মশক খংবা, নিংজবা মীনি হায়বগীদমক মহাকপু পাখংপা = পাখংবা (পা = তাইবংগী মপা + খংবা) হায়নসু কৌনৈ। মহাক পুৱারি (history) গী মীনি।

কোনচীন তুকথপা = কোনচীন = কোন + চীন, হায়বদি ইকোন কোন্না, তুকথপা হায়বদি কুম্লকপা, মপু মঙোন্দগী থোক্লকপা, শম্মা হায়রবদা ইকোন কোন্না মপু মানা শেম্বা মপুং ফারবা মীওইনি হায়বনি।

৪। কোনচীঙ : কোনচীঙগী মতাংদা পুয়ানা পীবা মপুং ফাবা ৱারোনদি "লাংওন খুতিংকী মী। শা। খোংলি লাউলিপা অসি খৈপীককী পুথোকনাফমনে॥ মচু মমেন মেতথোকনাফমনে। আতুকী মালমনা ময়াইতা মৈলা চীঙ লৈপানে। কোনচীঙ কৌয়ে॥ মাকী লাইমিং মমিংতি হুং কৌয়ে॥"

মীওইবগী হুকশাং (হকচাং) অসি শেম্লকপদা তেংপালবা মপু মহাক্লা কোক্কী শরুক অসি ইহান হান্না শেমই। মহাক্লা লেংদনা মফম অমদা লৈরগা, মপু মহাক্লা হুং, হুং হায়বা ঈৱাই ঈনিন পীদুনা হায়বদি হুং হুং হায়না ঙংদুনা মহাক্কী মনাক্তা অকোয়বদা মৈ ঈশিং নুংশিৎ অশিনচিংবা তাইবংগী ময়োল ওইরিবা পুম্নমক চীঙখৎতুনা চীঙশিন্দুনা কোন্দুনা থম্লগা



কোক অসি শাবা হৌরকপনি। মফম অসি মীওইবগী কোক্কী লাইপক ময়াইদনি। কোক্কী মফম অসিবু লাইপক কৌরে, মফম অসিদা লেংদনা লৈরিবা মপু মহাকপু, হুং হুং হায়বা ঈরাই ঈনিল অসিদগী লৌরগা মহাক্কী মমিংবু হুং হায়না খংনরে। তেংপালপা মপুনা মীওইবগী লাইপকতা হুং কৌনা লৈরবদা মহাকপু তাইপংপানপা মপু হায়নসু খংনরে।

মীওইবগী লাইপকতা তেংপালবা মপুনা লৈরবা মতমদা মহাকপু হুং কৌই, তাইপংপালবা মপু হায়নসু খংনৈ, মহাক্কী লৈফম ওইরিবা লাইপক ময়াই অসিবু ৱাকোনপুঙ, ৱাকোন হায়নসু খংনৈ। মখাদা ꯀ কী মতাংদা ইরকপা মতমদা য়াওরক্কনি য়েংবিয়ু।

৫। কংলৈপাক : লৈমা-লাই (লাইয়ামশিং) না পাল্লম্বা লৈপাক অসিবু হৌজিকতি কংলৈপাক কৌখরে। অদুবু লৈমা-লাই (লাইয়ামশিং) অসিনা কংলৈ তমপাক (Imphal Valley) গী অকোইবদা লৈরিঙৈদা হায়বদি কংলৈ তমপাক অসি ইশিংনা পুমথন থম্না লৈরিঙৈ মতমদদি কংলৈপাক কৌরমদে। লাইয়ামশিং অসিনা চীংনুংহুৎতা কংলৈ তম্পাক্কী ইশিং অসি চিংথোকপা হৌরকপা মতমদা ইহান হান্না কংবা হানবা কংলা থেনপুংদা কুমথরক্তুনা পানবা হৌরকখি। অহানবা পানবা হৌবা মতম অদুদা কংলা থেনপুং অমসুং কংলৈপাক হায়বা মমিংশিং অসি থোনখিবনি। লাইয়ামশিং অসিনা ইহান হান্না কংলা থেনপুংদা পানবা হৌবা মতম অসি ঙসিগী মমাং চহী ২০,০০০ নত্রগা ১৮০ B.C দনি ( Kangla Excavation - 2009 য়েংবিয়ু)

কংলৈপাক = কংলা + লৈপাক হায়বনি । অকোনবদা ইপু অথৌপা পাখংপাগী মচা ৭ কী কংলা ৭ অমদি লাইপুংথৌ ৭ না কোনবা লৈপাকপু কংলৈপাক হায়না খংনরকখি।

৬। কোননুং (কোন্নুং) : কোননুং = কোন + নুং = কোন হায়বদি কোনদুনা, কোনশিন্দুনা থম্বা মফম + নুং, হায়বদি মীওইবগী ৱাখল, লৌশিং, পুকনিং, অপাম পামদা অসিনচিংবা। মরম অসিনা কোন্নুং হায়বদি লৈপাক মীয়ামগী ৱাখল, লৌশিং, পুকনিং অসিনচিংবা পুম্নমকপু নুংশিনা কোন্দুনা থম্বা মফম হায়বনি। কোন্নুংবু সানা কোন্নুংসু কৌই, মফম অসিদা সানা হায়বসি তেংপানপা মপু, তাইপংপানপা মপু অদুবু হায়বনি।

কোন্নুংদা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা, লৈঙাকলোনগী মকোক ওইবা নুপা অদুবু নিংথৌ কৌই। মহাক লৈপাক্কী নিংথৌনি।

নিংথৌ = নিং + থৌ = নিং হায়বদি নিংবা, ৱাখল লৌশিং, মীওইবগী কোক অমসুং থমোইদা লৈবা পুন্নমক + থৌ হায়বদি থৌবা, থৌরিবা, চিংদুনা পুরিবা হায়বনি। মরম অসিনা নিংথৌ হায়বসি তাইবং শেম্বা মপু, তাইবং পানবগী মপা অদুবু হায়বনি।

কংলৈপাক্কী নিংথৌনা করিগুম্বা কংলা ৱায়েন অমা পাংথোক্লবগীদমক কংলা উতা সংলেনদা লেংশিনবা মতমদা মহাক্কী কোকতা নীঙখম সমচীন (a kind of Turban) না লৈতেংগনি। নীঙখম-সমচীন = নীঙ + খম - সমচীন - নীঙ হায়বদি নীংবা, ৱাখল, থমোই অমসুং পুকনিংগী ফিভম + খম হায়বদি খম্বা, খমথেংবা - সমচীন হায়বদি সমচিন্নবা, অমতা ওইবা হায়বনি। মরম অসি নীঙখম সমচীন হায়ৱদি নিংবগী অৱোইবা, ৱাখলগী অৱোইবা হায়বনি, হায়বদি তেংপালপা, তাইপঙপালপাবু শেমলিবা মপু অদুগা অমত্তা ওইরে সমচীন্নরে তাকপনি। ৱাফম অসি U.K. গী The King can do no wrong হায়বা ৱাংলবা State administration Ideal অদুনি।

৭। কোইরেল লাই (কোইলেল লাই) : ঐখোয় হৌজিক্কী কংলৈচাশিংনা শিজিন্নরিবা কোইরেল লাই হায়বা ৱাহৈ অসিগী অশেংবা কংলৈলোলগী মওংদি "কোইলেল লাই" হায়বনি। ১৮ শুবা চহীচাদা হিন্দুনা নিংথৌ ওইখিবদগী বেঙ্গোলি ময়েক ৩৫/৩৬ নমদুনা চৎহনখিবদগী কোইরেল লাই হায়না মওং ওনখিবনি।

ঐখোয় পুন্নমক্কী মথক্তা ঙমখৈ লৈতবা, হৌফম লৈতবা, লোইফম ফংদবা, শংলপ তৌবা, ঐখোয়না কোয়না ঐখোয়দা উপথবগুম উরিবা পোৎশক অসিবু অতীংঅা (অতিয়া নত্তে), অতোপ্পা লোন্দা সালাইলেল সিতাপা (শালাই পুন্নমকপু শন্দোকপা), শোরারেল (সালাইলেলগী ওন্থোকরক্লবা মওং), ইপা সালাইলেল (ইপা সোরারেল) হায়নসু কৌই। তাইবং পানবগী থৌৱাই পানবা পুন্নমকপু মহাক্লা শেমই, পোকই হায়বদগী ইপা শালাইলেল সিতাপা (ইপা সোরারেল) কৌই। ইপা সালাইলেল সিতাপা অসিবু তাইবংচা ঐখোয়না কোয়না উই, থৌৱাইপানবা ঐখোয় পুন্নমকপু শেম্বা লাইনি হায়বদগী ইপা সালাইলেল সিতাপা অসিবু ঐখোয়না কোইলেল লাই (কোইরেল লাই) হায়নসু খংনৈ।

৮। কংলৈ সনা লৈময়োল : কংলৈ হায়বদি কংলৈপাক হায়বনি, কংলৈপাক্কী মহুৎ শিন্দুনা শমজিন্না হায়বনি, ইবনি,



হৌজিক্কী লোন্দা, কংলৈপাক (noun) গী মহুৎতা Adjective ওইনা শমজিন্না হায়বনি, ইবনি। খুদম - কংলৈ পুৱারি, কংলৈ চনু। সনা হায়বদি শন্দোকপা, চাতা নাওতা শন্দোকপা (spread of progenies) হায়বনি। লৈময়োল = লৈ + ময়োল = লৈ হায়বদি লৈপাক, মালেম অসিবু খংনৈ, অদুগা মালেম ইমা অসিনা লৈদুনা (rotation অমসুং revolution) তৌবা অসিবুসু খংনৈ +ময়োল হায়বদি ময়াই, থবক অমা তৌবগী হৌফম, হৌদোকফম হায়বনি। পুনশিল্লগা, কংলৈ সনা লৈময়োল হায়বদি কংলৈপাক অসিনা অহিংবা থৌৱাই পানবা শন্দোকপগী ময়াইনি, হৌফমনি হায়বনি।

কংলৈ সনা লৈময়োল হায়বা ৱাখল, থাজনবী হায়বদি ফুংগা ৱারী, লাইরোল, লাইশোল কয়া অমা থাইনগী মীতৈ ঈপা ঈপুশিংগী লৈজরম্বা অসিনা কংলৈচা ঐখোয়না ঙসি ২১ শুবা চহীচাদা কংলৈপাকতগী মী হায়বা খ্বাইদগী ৱাংবা, হেনবা থৌৱাই পানবা কাংলুপ অসি শন্দোকখিবনি হায়বা ঙম্লকলিবনি।

৯। কংলা-লাইফমলেল : হায়বদি কংলা মফম অসি লাইফমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লেল, লেন ওইবা লাইফমনি, লাইগী মফমনি হায়বনি। কৌৱু চীংশাং অমদি কংলৈ তমপাক্কী অকোইবদা লৈরিবা চীংশাংশিং অসিদা চহীচা কয়া য়ুমলিং খুল্লিংদুনা মীতৈ কাংলুপ অসিগী মপা মপুশিং ওইরিবা লাই (লৈম-লাই) কাংবু অসিনা খ্রঃ মমাং চহীচা ১৮০ দা তম্পাক্তগী কুমলকতুনা য়ুম শাদুনা ইহান হান্না লৈবা হৌরকখি। মফম অদুবু কংলা ঈম্ফম হায়না পুয়াদা ই। কংলা ঈম্ফমদা লাইফম হায়বদি লাই খুরুমফম লাই নিংফম, লাইশং শাখি। মীতৈ হায়বা মপা মপুশিংবু লাইনি খনজবা, নিংজবা ঈ কাংলুপ অসিনা কংলা লাইফম হায়বা পুয়াগী ৱাফম অসিদা লেন, লেল হায়বা ৱাফম অসি হাপচিন্দুনা লাইফমলেল কৌদুনা চহীচা কয়া লেপতনা ১৮ শুবা চহীচাগী অহানবা শরুক ফাওবা লাইনিংফম, লাই খুরুমফম ওইদুনা লাকপনি।

১০। কোইলেললাই সিতাপা : পুয়াদা পনবা ৱাফম ওইনা হায়রবদি 'থাংচীঙ কোইলেল লাই সিতাপা' হায়না পুয়াদা ইরি। মোইরাংগী ৱারি শীংবুলদসু মীয়াম্মা 'ঈপুধৌ থাংচীঙ কোইলেল লাই' হায়না শক্লবা লীনবা ইতৎ তৎতনা তাবিরমগনি। কোইলেল লাই সিতাপা হায়বসি পুয়ানা আতীংঅা হায়বা হৌজিক্লা অতিয়া

হায়নবা সালাইলেল সিতাপা (সোরারেল) বুনি। মীতৈগী থাজনবী ৱারী শীংবুলগী লাইপুঙথৌ ৭ কী মনুংদা অমনি।

কোইলেল লাই সিতাপা = কোইলেল = কোই + লেল = কোই হায়বদি কোইরক কোইবা, অকোইবা + লেল হায়বদি খ্বাইদগী হেনবা লেল ওইবা হায়বনি। আতীংআ (শারারেল) বু ঐখোয় মীওইবনা কোইরক কোইনা উই, কোইরক কোইবা পোৎনি হায়না লৌই। আতীংআ হায়বসি অসুম লেংদনা লৈবা লোইবা শিবা নাইররোইদবা পোৎনি হায়না লৌই। মরম অসিদগী থাইনগী মীতৈশিংনা কোইলেল লাই সিতাপা হায়না কৌনরমই ।

১১। কোইলৌ : হায়বা ৱাহৈ অসিসু মথক্কী কোইলেল হায়বা ৱাহৈ অসিগা চপ মান্নে। আতীঙআবু হায়বনি। পাক চাওখ্রবা, হৌবা লোইবা নাইদবা খংদবা আতীংআ (Space) অসিবু মীওইবনা কোইনা (উবদগী), অকোইবা পোৎ অমনি হায়না লৌই হায়বনি। অদুগা লোইননা ঐখোয়না হৌজিক নুমিৎ হায়রগা খংনরিবা পোৎ অসিবুসু খংনৈ। কোইলৌগী ৱাহন্থোকতি - কোইলৌ = কোই + লৌ = কোই হায়বদি কোইবা, অকোইবা + লৌ হায়বদি লৌনবা, লৌবা হায়বনি। কোইলৌ হায়বসি পোৎশক্কী মমিং অমগী মমাংদা শিজিন্নে। খুদম ওইনা কোইলৌ অতিঙআ, কোইলৌ নুমিৎ (কোরৌ নুমিৎ হায়বদু কোইলৌ নুমিৎ হায়বনি, হিন্দুগী মতমদা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক খংদদুনা লান্না শিজিন্নরকপনি।)

১২। কামপী : ঐখোয়না হৌজিক মৈ কৌদুনা শিজিন্নরিবা পোৎ অসি 'ঈনুঙলোন' না 'কামপী' কৌই। পুয়াদা 'ঈনুঙলোন' হায়বদি লাইরোলনি হায়। পুয়ানা অসুম্না ইরি " ꯀ (অমা) লৈপা মলমনা ঈনুঙলোননা কামপী হায়না কৌখরে। খুনুঙলোলনা মৈ হায়না হাইখলে।।"

ঐখোয় মীতৈনা সীংথালোন চৈসীঙ ঈয়েক ꯀ (অমা) অসিবু তেংপালপা, তাইপঙপানপা মপু ঈপুঙলোয়নপা অপকপা, পুম্নমকপু শেমলিবা তাইবংগী মপা ওইরিবা অদুনি হায়না লৌই। ঐখোয় তাইবংপালবদা লৈরিবা থৌৱাই পানবা পুম্নমক অসি মৈশা য়াওদ্রবদি, লৈত্রবদি মৈ চাকপা য়ারোই। মরম অসিনা অহিংবা পুম্মকপু শেম্বদা, অমা ওইবা তাইবংগী মপা মহাক্না অহিংবা পুম্নমক্কী থৌৱাইবু হিংনা থম্মবা পীথোরকপা অমতা ওইবা পোৎশকনি, তাইবংগী থৌৱাইনি। কামপী = কাম +পী = কম হায়বদি কামথোরকপা, মপু মানা কামলগা থোকহনবা + পী



হায়বদি পীথোরকপা হায়বনি। মরম অসিনা কামপী হায়বদি অমতা ঙাইবা তাইপঙপাল মপু অদুনা তাইবংগী থৌৱাইশিংগী হিংবগী পাম্বৈ ওইনবা কামদুনা থোকহল্লগা পীরকপা পোৎ অদুনি।

কামপী মৈ অসি, মরম অসিদগী মপু মহাকমক্লি হায়না লৌই। মীতৈ হায়বা মপু মানা শেম্বা ঈ কাংলুপ অসিগী অফ-নুঙাই থৌরম অমা পাংথোক্তুনা তাইপঙকী মপা ওইরিবা মপু মাগী মফমদা চংজদুনা থৌনিজবগী থৌরম পাংথোকপা মতমদা মৈ (মৈরা) অমা য়াওদনা পাংথোকপা য়াদে। ঐখোয় মীতৈনা থৌনি-থৌরম পাংথোকপদা, মৈরা অমা য়াওনা পাংথোকপসি নিংশিংবা থোক্লবা মতমদগী তৌদুনা লাক্লবনি।

১৩। কয়াৎ : কায়াৎ হায়বা মীতৈগী ৱাহৈ অসিবু ঐখোয়না **হৌজিক খংনরিবা অসি 'হকচাংগী শরুক' অমা ওইনা লৌই। নাতোন কায়াৎ অমা, মীৎ কায়াৎ অমা, খুৎ কায়াৎ অমা।...... পুয়ানা কায়াৎ হায়না শিজিন্নরমলিবা অসি করি করিবুনো হায়বসি খংবদা য়াম্না লুবা অমা ওইরি। মখাদা ꯀ ঈয়েক্কী মতাংদা খন্নবদা খরা মুন্না খন্নসি।**

মতাং অসিদা মুন্না খংবিগদবা অমনা মীওইবগী ঐখোয়না হৌজিক হকচাং (physical body) অসি থাইনা মীতৈশিংনা হুকসাং কৌরমই। হুকসাং হায়বদি মপু মানা মীওইবগী মশা মনুংদা লেংদনা লৈরিবা মখৈ, হুকচিন্দুনা লৈরিবা মখৈ হিংদুনা শাংনা লৈ হায়বনি; মপু মানা মীওইবগী মশাদগী থোকখিবা মিৎকুপতা মীওইবগী হুকচাংগী অরোইবনি, পুনশিগী অরোইবনি। মীতৈনা science কী ৱাফম খংবা হৌরকপদগী হুকসাং হায়বা ৱাহৈসি হকচাং ওনখি। মসিগী মতাংদা ꯍ কী মখাদা মুন্না খন্নরক্কনি। মীতৈ ঐখোয়গী ৱাহৈশিংগী মরক্তা হুকসাং লাংপুম (হকচাং লাংপুম, কায়াৎ লাংপুম) হায়বা ৱাফম অমা য়াওরি। মতাং অসিদা পুয়ানা পল্লিবদি হুকসাং (হকচাং) অসি লাংপুম = লাং হায়বদি লাংওন, সাইওন + পুম হায়বদি অপুনবা মপুম ওইরকপগী সকতমনি হায়বনি। মীওইবা অসি মপু মাগী মশক ওইবনা, মপু মহাক্কী মশাদি ৭ না খুজিংওইদুনা শাগৎপনা (হায়বদি লাইপুংথৌ ৭, সালাই ৭, থৌৱাইমিচাক ৭, মচু ৭ অসিনা চিংবা = অতিংআ = সালাইলেল = শোরারেল...), মীওইবগী মশাদসু ৭/৭ না খুজিং ওইবা পুম্নমক অসি লৈ। মরম অসি মীওইবগী মশাবু কায়াৎ লাংপুম, হুকসাং লাংপুম নত্রগানা হকচাং লাংপুম হায়রগা খংনৈ।

পুয়াদা কায়াৎকী কা তরুক লৈ হায়না ইরি। মখোয়শিং অদুদি (১) [illegible] গী কা অমা (২) [illegible] গী কা অমা (৩) [illegible] গী কা অমা (৪) [illegible] গী কা অমা (৫) [illegible] গী কা অমা (৬) [illegible] গী কা অমা। মসিনা তাকপদি মীতৈশিংনা কায়াৎ অসি চবুন ৬ থোকনা লৈ হায়না খংলমই অদুবু হৌজিক্কী মীওই ঐখোয়না চবুন ৬ অদুদা করি করি কায়াৎশিং য়াওই হায়বদি খংবা ঙমদ্রে।

১৪। কোলোই (কোলোই মিংলেন) : কোলোই হায়বদি মী অমগী মহাকপু খংনরিবা মমীং অদুবু খংনৈ। কোলোই = কো + লোই = কো = কোন = কোল হায়বদি কোনশিল্লিবা, কোনশিন দুনা + লোই হায়বদি মী, মী অদুবু। মরম অসিনা কোলোই = কোল্লোই হায়বা ৱাহৈ অসিনা খংনরিবদি মী অদুবু খংনরিবা, মহুৎ শিল্লিবা, ৱাহৈ হায়বনি। খুদম - শকহেনবী নুজা নহাক্কী কোলোই মিংলেন নিংথিবী অদু খংজবা য়াগদ্রা ?

১৫। কোনথৌপা : ইপু অথৌবা কোনচিন তুকথপা পাখংপাগী মচা ৭ পোকপগী মনুংদা ৭ শুবা মচা ওইরিবা সালাই লৈশাংথেম (সরাং লৈশাংথেম) গী চাতা নাওতাগী পরিংদা পোকপা ৪শুবা সালাই লৈশাংথেমগী নিংথৌনি। মলিয়া কুম (Meetei era) পুথোক্লম্বা মলিয়াফম পালচাগী মচানি।

১৬। কংলাশা : মীতৈগী কংলাশা কৌবা মীতৈগী কংলুপ শকতম (National symbol) কংলাগী সনাথোংদা খিল্লম্বা শাগী মওং মানবা শকতম অদুদি নোংশাপা কৌই, পুয়াদ য়াওবা পোৎশক অমগী মমিংনি। হৌজিক্কী (State Symbol) ওইনা থম্লিবা কংলাশা অসিদি মীতৈগী ইনাৎপু করেম্নবা, মীতৈগী থাইনগী ৱাংলবা ইনাৎ অমসুং ৱাংউলোনবু খংদবা মাংহন্নিংবা হিন্দুশিংনা কংলাদা পাল্লমপদগী ওন্থোক ওনশিন তৌখিবনি।

কৌপলু চীংতোন্দা লাই হায়না খংনবা মীওইপা কাংলুপ অসিনা নুপা নুপী পান্নদুনা য়ুমলিং খুল্লিংদুনা নুঙাইনা পানবা হৌরক্লবা মতমদা, ইপুঙ লোইনপা অপকপগী হুমাং মরিকতগী ওনখিবা সালোই (সরোই) হায়না খংনবা কাংবু অসিনা অয়েৎপা অৱাবা পীরকলে। লাইয়ামশিংনা ৱানরক্লবা মতমসিদা ইপুঙলোইনা 'লাইনিংথৌ নোংশাপা' ওইনা শাইওন্দুনা সালোইশিংবু হাৎতুনা লাইয়ামশিংগী অৱাবা কোকপিখি।



পুয়াগী ৱাফম অসিদগী লৌখৎলগা, মতম অদুগী মীতৈশিংগী ৱাখল্লোন অমসুং ৱাংউলোনগী মতুং ইন্না, লাইনিংথৌ খাকেমপাগী মতমদা নিংথৌগী য়াগংনা শা মানবা মওং অমগী শকতম শারগা কংলা উতা শংলেনগী মমাংদা খিনখি। শকতম অসি ১৮৯১ দা British না মনিপুরবু মায়থিবা পীদুনা লোই চনখিবা মতমদা Dynamite শিজিন্নদুনা কাপখায়খি। কাপখায়খিবা শকতমশিং অদু হৌজিক কংলাদা খিল্লিবা শকতম অসি নত্তে। অশেংবা লাইনিংথৌ নোংশাপাগী হৌজিক ফংবা শকতম খরা য়েংবিয়ু:



Source : Manipur Diaspora (Manipur Levy-2008) Souvenier



Source : The Sanctury of Kangla by Apokpa Marup




Source : Three Years in Manipur by Ethel St. Clair Grimwood W/o. Political Agent killed in 1891




LAININGTHOU NONGSAPA

Source : The Meetei and Bishnupriya by Wangkhemcha Chingtamlen

মথক্কী Photo শিং অসিদা য়াওরিবা শকতম অসি মচী অনি পাল্লি হায়বা শুকয়া য়ারোই। মচী অমথক পাল্লগা মতোন্দা অনি লোংবনি। ময়াদা কবাক খনবগুম ঙাকখৎলিবা অদুদি মথক্কী মচিনগী শারুক অদু ১৮৬৯ দা Manipur দা থোকখিবা অচৌবা য়ুহারহাবা অদুদা তেকথরকপদগী ঙাকখৎতুনা থম্বনি, কবাক খনবা নত্তে।

মখাগী কংলাশাগী য়াওরিবা শকতম অসি অমুক য়েংবিয়ু:



Source : History Today
published in London, 1962
Sketch : Mansell collection



State Emblem of Manipur
Tikendrajit Park

মথক্কী অসিদি ১৯৬২ গী January দা London ফোংবা Magazine অমদগী লৌথোকপনি।

Sketch নি। মনিপুরগী হৌজিক্কী State Emblem অসি মথক্কী অসি তমদুনা পুথোকপনি।

কংলৈ পুৱারিদা য়ুমফম লৈতে।

১৭। কংলাতোম্বী : কংলাতোমবী হায়বা ৱাহৈ, মফমগী মমিং অসি পামহৈবা লারৈ লাথুপ হায়না খংনবা পামহৈবগী মতাংদা মতম অদুদা লোন্না ইশিনহৌবা লাইরিক অদুদা য়াওবনি।

কংলৈ পুংময়াই কংলা ( ইম্ফাল কংলা) দা মঙাং নিংথৌ চরাই লোংপনা পানবা মতমদা, কংলৈপাক্কী নোংচুপ চীংশাংদা পানবা চোথে খুল্লাকপনা চোথেশিংগী মপাঙ্গল কনখৎলকপদগী



কংলৈ মীতৈ নিংথৌবু উশিৎলকতদুনা চহী ২/৩ লোইপোৎ পীরকত্রে। চরাইরোংবা নিংথৌনা হন্না হন্না মনাই থাদুনা লোইপোৎ থৌহনবদা পীরকত্রে। চরাইরোংবা নিংথৌ মপুকনিংদা ৱারৌদুনা মশামক চৎতুনা লানমী পুরগা লোইপোৎ থৌরগে হায়না লেপখ্রে। নোংমগী নুমিৎতা নিংথৌ চরাইরোংবনা লানমীগা লোইননা চোথে চীংলৈপাক তম্লকলে। চোথে লৈপাক য়ৌরবদা চোথে নিংথৌগা মায়ওক্ক রে। চোথে নিংথৌনা লোইপোৎ পীরোই হায়রকলে। মায়ওক্লবদা থৌগল লোনচৎ কায়নরকপদগী লান তৌনবা তাখ্রে। মীতৈ লানমী অমসুং চোথে লানমী নুমিৎ হুমনি চুপনা লানথেংনরে। নুমিৎ হুমনি শুবগী নুমিদাংৱাইরমদা চোথে লানমী মপুং ফানা মায়থিবদগী চোথে নিংথৌ ফারে। চরাইরোংবা নিংথৌনা চোথে নিংথৌবু শমলাং খুৎপাই চেৎনা পায়দুা মঙক কক্কে থৌরাংলকলে।

মতম অসিমকতদা চোথে নিংথৌগী অমত্তা ঙাইবী ইনখৎলকলিবী মচা নুপীনা মীতৈ নিংথৌগী মমাংদা মপাবু কনবিয়ু, মপাগী মহুৎ মাগী লুরেল ককপিয়ু হায়দুনা থরো থরো ওন্দুনা কপ্লরে। ফিভম অদুদা মশক মতৌ হেল্লবী ইনখৎলক্লিবী চোথে নিংথৌগী মচানুপী অদু উবদা, মীতৈ নিংথৌগী মপান নাইদবা অপাম্বা অমসুং নুংশিবগী মিতাফম ওইখ্রে। চোথে নিংওন মহাকপু তালোইশিংদা চল্লগে লেপখরে।

ওইরিবা ফিভম অসিদা চোথে নিংথৌনা মমিৎতা মপি ইরা চেন্না মচা নুপীবু য়েংলগা, মচানুপীগী খুদাং পাঙ্গরগা মীতৈ নিংথৌদা মচা নুপীবু কৎখরে।

মীতৈ নিংথৌ চরাইরোংবা অমসুং মাগী লানমীশিংনা কংলা তম্না লাকপদা থেংজিনখিবদগী লমলেন লমনুংশি অমদা লেকলমই। লমনুংসি অসিদা মীতৈ নিংথৌনা চোথৌ নিংথৌগী মচানুপীবু তালোই ওইনা লৈমিন্নখি। লমদম অসিদা মীতৈ নিংথৌনা চোথে নিংথৌগী মচা নুপীবু কংলাগী নিংথৌগী তালোই অতোম্বী ওইনা লৈমিন্নখি হায়বদগী লমদম অসিগী কোলোইবু কংলাতোম্বী হায়না কৌনখি।কংলাতোম্বী হায়বা মফম অসি হৌজিক্কী কংলাতোংবী হায়বা মফমসিনি। কংলাতোংবী হায়বসি কোম্না ওন্থোকখিবা মমীংনি।

১৮। কোম্না : মফম অসি ইম্ফাল তম্পাক্কী অৱাং নোংপোক

ওইরপ্পা ইম্ফাল তুরেলগী মপান্দা চীংয়া নক্না লৈবা, ইম্ফাল ময়োলদগী কিলোমিটর ৭ মুক লাপ্পা লৈবা মফমনি। মসি হৌজিকতি কোন্থা খাবম হায়না খংনরে।

থাংজম নিংঙোল ইরোম ওংবী থন্বালনা পোকপা ইরোম সনাহল (কোন্নুংগী মিংদা চিৎসাই, জিৎসাই) না, লাল হৌদুনা পামহৈবা গরিবনিৱাজ খৃ: ১৭৪৮ দা কোন্নুংদগী তান্থোকই। মহাক কোন্থাদা চেন্দুনা চংজফম লৌদুনা লৈ। মথংদা অমুক নিংথৌ ইরোম সনাহলনা তান্থোকপদগী থাঙ্গদা চংজফম লৌদুনা লৈ। অমুকসু থাঙ্গদগী তান্থোকপদগী মতম অদুগী কবো, হৌজিক্কী ম্যানমারদা নিংথি তুরেল লান্দুনা চেনগে তৌবদগী মহাক্কী মচা অশেংবা তোলেনতোম্বা (মত্রঘনাশাই কোনুংগী মিংদা) না তান্নদুনা নিংথি তুরেলগী তোনফাং হিথাথেন (Harbour) দা হাৎখি।

মরম পুম্নমক অসিদগী কোন্থা হায়বা মফম অসি কংলৈপাক্কী পুৱারিদা মমিং য়াম্না চৎলি।

১৯। কাংপা (কাংবা) : লৈশেমলোন অরিবা পুৱারি হায়না কৌবা, (খুনুং পুৱারী) হালেন হানবা হায়না থাবা লমাইদা নিংথৌ কাংবগী মশু ৯ গী মমিংদগী মালেমগী লৈপাক ময়ামগী মমিং অসি থোনখিবনি হায়না ইরি। মালেমগী লৈপাক ময়ামদা লৈরিবা মীয়াম হায়বদি খাগী (China), পথান (Muslim) অসিনচিংবা লৈপাক ময়াম অসিগী মীশিং অসি কংলৈপাক্কী থাইনগী নিংথৌ কাংবগী মচা মশু ঙাকতনি হায়নাসু ইরি। কাংবা হায়না কৌবা নিংথৌ অসি কংলৈপাক্কী খৃ : মমাংগী নিংথৌনি। লাইরিক অসি লৈখিদ্রবা চোংথাম মেরামচানা ইদুনা থম্বিরম্বনি।

নিংথৌ কাঙবলোন (খৃষ্টগী মমাঙগী নিংথৌশিং) কৌবা নোংথোনবমচা অঙৌ লুৱাংনা ইবা লাইরিক অসিদুসু লামাই ২/৩ দা, কাঙবা নিংথৌগী মচা ৯ পোকই, মচা মাপল অসিদগী মালেমগী মীয়ামশিং অসি শন্দোকখিবনি হায়না ইরি।

লাইরিক অনিমক হিন্দু মতমগী লাইরিক ঙাকতনি হায়বসি খংই। অদুবু লাইরিকশিং অসিদগী, কংলৈপাক্কী থাইনগী নিংথৌ কাঙবা কৌবা অমদগী মালেমগী মীয়াম শন্দোকখি, মালেমগী মীয়াম অসি মীতৈ নিংথৌ কাঙবগী মচা মশুশিংনি হায়রকপসিনা, কংলৈপাকতগী মী শন্দোকখি হায়বা থাইনগী মীতৈশিংনা থাজনরম্বদু চুমই হায়বগী খুদম অমদি চাওনা লৈরি।



২০। কাংমো (নিংথৌ কাংমো), নিংথৌ কাংমো হায়বা নিংথৌ মমিংসি পুয়াদা য়াওবা মিংনি। মলিয়াফম পালচাগী মমাংদা পাল্লম্বা কংলৈ নিংথৌনি। খৃ :গী মমাংগী লীরবা মীতৈ নিংথৌনি। হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল তম্পাক্কী নোংচুপ থংবা মাইকৈদা কাংমোং কৌবা মফম লৈরি। কংলৈ পুয়া পুম্নমক নিংথৌ পামহৈবা গরিবনিৱাজগী মতমদা মৈ থাদোকখিবদগী ঐখোয়গী নিংথৌ খরগী মমিং ফংলবসু মনিং মমাং শমজিন্নবা ঙম্বগী পান্থৈ লৈতে।

২১। গরিবনিৱাজ : চোথে নিংথৌগী মচা নুপী চোথে নিংওন লানফাদা ফম্লান্দুনা বীষ্ণু গোশ্বামীনা পোকখিবা, থাংগাল চীংগী খুন্দা থৈদুনা হিংহৌখিবা, মমৈথংদা কংলৈ মঙাং নিংথৌ চরাইরোংববু হাৎলগা মহুৎ শিন্দুনা কংলৈপাক্কী অহানবা হিন্দু নিংথৌ ওইনা ফম্বাল কাখিবা হিন্দু মচা অদুগী মমিংনি। মহাক্কী মমিংসি পামহৈবা, গোপাল হায়রগসু খংনৈ।

১৭ শুবা চহীচাদা কংলৈপাক্কী নোংচুলোমগী চীংশাংদা চোথে কাংবু অসি হৌজিক্কী ইম্ফাল কংলাদা কোন্নুং ওইবা কংলৈ নিংথৌশিংগী মখা পোন্না পানবা কংলৈচা কাংবুনি। মখোয়গীসু লৈপাক অমগুম খুনশেম লৈশেমদুনা পাল্লমই। মখোয়না চহীগী চাং নাইনা কংলা নিংথৌদা লোইপোৎ কারমই। (মথক্কী কংলাতোম্বীদা য়েংবিয়ু)।

অদুবু কংলৈ নিংথৌ চরাইরোংবগী মতমদা চোথে কাংবু অসি য়াম্না মপাঙ্গল কনখৎলমই অমসুং কংলাগী অসুপ্পা নিংথৌদা লোইপোৎ কাবা তোক্লমই। শাংনা লোইপোৎ কারমতবদগী চরাইরোংবা নিংথৌনা শাওদুনা চোথে কাংবু ৱারক্লবা লানমীগা লোয়ননা চোথে লৈপাকতা চৎলমই। নুমিৎ হুমনি লান শোক্লরবা মতুংদা চোথে লানমী মায়থিরে। চোথে নিংথৌ চরাইরোং নিংথৌদা চংজরে। চরাঈরোংবনা চোথে নিংথৌবু হাৎননবা শেম শারমই। ফিভম অদুদা চোথে নিংথৌগী মথোৎ কারকপ্পী শকহেনবী মচা নুপীনা মপা নিংথৌবু কন্ননবা চরাইরোংবা নিংথৌগী মমাংদা ওন থোইনা কপ্তুনা মাবু হাৎপিয়ু মপা নিংথৌবু কনবিয়ু হায়জরমই। শকহেনবী নুজা অদুগী মওং অদুনা নিংথৌ চরাইরোংববু লাংদা থুরবা চেক্লা অমগুম ফাখিরমই। চরাইরোংবা নিংথৌনা চোথে নিংথৌবু কনবিরমই, অমসুং চোথে নিংথৌগী মচা নুপীবু লোইপোৎকী মহুৎতা কংলাদা পুরক্লমই।

অদুবু শকহেনবী চোথে চনু অদুগী মরাইবকতি করি হায়না তমশিগে। কংলৈ কোন্নুং কংলাদা য়ৌরকপা মতমদদি, শালাই ৭ কী শালাই মাইচৌ ৭না, মহাকতি লানফানি, লৈমা ফমথোন পীবা য়ারোই হায়না থিংখরে। শকহেনবী লাইবক থীবী নুজা মহাকপু কোনুংদগী তোঙান্না নোংপোক ইংখোলদা থল্লমই অমসুং থমোই শোক্লা পুনসি লেল্লমই। মতম অমসুং ফিভম অসিদা বীষ্ণু গোশ্বামীনা খুপাক ময়ী য়েংবা শাদুনা চোথে নিংওন মনাকতা চংজবা ফংখি অমসুং নমথাক তৌদুনা ফমজাও কাখি অমসুং পামহৈবগী মরু হুনখি। মহাকপুসু মীয়াম্মা ফাদুনা অহকপা চৈরাক পীখি।

২২। কাইনা : মনিপুরগী হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা কাংবুগীদি অশেংবা মফমনি, অদুগা তশেংবমক্তি কাইনা হায়বা মফম অসি ১৮ শুবা চহিচাগী অনিশুবা তংখাইদা মনিপুরদা পানখিবা মহারাজ ভগ্যচন্দ্র অমসুং মহাক্কী ময়াং গুরু ভাস্করগা তানরগা ভগ্যচন্দ্রনা মংখিবা মংগী মহৈ ওইনা কাইনাবু ভাস মুখ গিরি হায়না মমিং ওন্থোকখি অমসুং ভগ্যচন্দ্রগী মংয়াম অমগী মতুং ইন্না কাইনাদা হৌবা অরিবা অচৌবা থৈবোং পাম্বী অমা য়ান্দুনা গোবিন্দগী শকতম শাদুনা লাৎখি, গোবিন্দ শাবগী লেমহৌবা থৈবোং পাম্বীগী শরুক্না গোপিনাথ, মদন মহন, বিজয় গোবিন্দগী লাইশিংগী শকতমশিং অসি শাদুনা লাৎখি।

কাইনা মমিংদি ওন্থোপা ঙমখিদ্রে, অদুগা ভগ্যচন্দ্র অমসুং ময়াং গুরু ভাস্করগী অঙকপা থৌরাংনা শেমখিবা অশেংবা মফমদি হৌজিকতি ওইদ্রে।

২৩। কুরু : মীতৈ লোনগী ৱাহৈ - পুক্কেদা 'কুরু' হায়বা ৱাহৈ লৈতে। কুরু হায়বা ৱাহৈ অসি গুরুদগী শেমদোকতুনা শিজিন্নবা নত্রগা থৈথরকপা ৱাহৈনি। মীতৈদি ময়েক ১৮ দা শিজিন্নরম্বা ইরম্বনা, ব্রাহ্মন দগী পামোন, বামোন ওল্লকপগুম গুরুদগী কুরু ওল্লকপা ওইরম্বসু ওইবা য়াই, অদুগা ময়াং মচাশিংনা মীতৈগী ৱাহৈ মান্নবা কুরু হায়না শেল্লম্বসু য়াই। মীতৈ নত্তবা কাংলুপকী মী খরনা হৌজিক্তি 'কুলু' হায়না শিজিন্নবসু য়াওরে।

২৪। কিয়ামগৈ (কিয়ামকৈ) : মফম অসি কংলৈ নিংথৌ কিয়াম্বনা কংলৈপাকতা কংলাদা কোন্নং ওইদুনা পাল্লিঙৈদা মফম অসিদা মহাক্কী কৈ হায়বদি ফৌ-চেং পৈফম (থম্ফম) ওই হায়বদগী



কিয়ামকৈ হায়না খংনখি, মমৈথংদা থৈথরকতুনা কিয়ামগৈ হায়না খংনখি।

২৫। কাংশোইবী : কেগে মোইরাংগী নুংশি নুংওন ফুংগা ৱারিগী পাথৌ ওইরিবা অকোংচামপনা, মহাক্না ময়ুমদা লৈত্রিঙৈদা মশাপী ফৌওইপীনা ময়ুমদা লাকপদা অকোংচামপগী পলেমনা ফৌওইবীবু মশক খংদদুনা চংজফম পীরকত্রবদা, ফৌওইবীনা পেন্দবা অমদি নিংবা কায়বগা লোইন্নরা অকোংচামপগী সুমাংদা খাংচেৎ কন্দুনা ফৌ থোকহন্দুনা চীংমচাগুম পৈরম্লগা চৎখি। অকোংচামপনা হনজিল্লকপদা ফৌ অদু উবদা পলেম মমাদা হংবদা হাওনুপী শম পুবী অমা লাক্লমই, মহাক্না চংজফম পীয়ু হায়জবদা মমানা য়াদবদগী শাওদুনা চৎখি। মহাক্না চৎলমদাইদা সুমাংদা খাংচেৎ কল্লমম্বদগী তারকপা ফৌশিং অদুনি হায়না তমখি। অকোংচামপনা মশাবী ফৌওইবীনি খংলকতুনা কপতুনা 'ফৌওইবী' 'ফৌওইবী!' হায়না কৌদুনা সগোল তোংদুনা তান্নখি। মফম অমদা অকোংচামপনা ফৌওইবীবু ফংলে। অকোংচামপনা মাগী ময়ুমদা হনসি হায়না হন্না হন্না থেম্বদা, হন্দক মপোক্কীদি লোইরে হায়না হন্নসি য়াখিদে। অদুবা নুংশি নুংওন্দা তাওরবা শাবী সানৌনা হয়েং মপোকতা মোঙ্গৈরাংদা খম্বা থোইবী হায়দুনা লাংওনসি ৱাশক্লখি; মতম খরা কাংশোয় চাদুনা লেনমিন্নখি। অকোংচামপ ফৌওইবীনা কাংশোয় চাদুনা মতম খরা লৈমিন্নরম্বা মফমনি হায়দুনা মফম অদুবু কাংশোয়পী (কাংশোয়বী) হায়না খংনখি।

২৬। কংলৈ পুংময়োল : কংলৈ পুংময়োল হায়বা ৱাহৈ পরেংসি 'কংলৈ সনা লৈময়োল' হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিগা চপ মান্নে হায়বা য়াই। কংলৈ হায়বদি কংলৈপাক হায়বনি। পুংময়োল = পুং + ময়োল = পুং হায়বদি মপুং ওইবা, মতুম তাবা, তোংখৎপা ৱাংখৎপা, লৈতোং অসিনচিংবা অমবু হায়বনি। মরম অসিনা পুং হায়বা ৱাহৈনা তাকলিবসি থাইনা মীতৈশিংনা খংলম্বা, হৌজিক্না মতমগী Science না খংলক্লবা, মালেমগী (পৃথিবী, Earth কী ) মওং অসিবুনি। ময়োল হায়বদি ময়াম্মা য়াম্মা খংনরবা ৱাহৈনি, খ্বাইদগী মরু ওইবা সরুক হায়বনি, খুদম - ইম্ফাল ময়োল হায়রিবা অদুনি। মরম অসিনা 'কংলৈ পুংময়োল' হায়বদি কংলৈপাক মালেমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা, মচিগী শরুক অদু হায়বনি।

'কংলৈ পুংময়োল' হায়বা ৱাহৈ ৱাখলনা কংলৈ পাকতা

তেংপানবা মপু অদুনা তাইবং থৌৱাই পানবা শেম্বা হৌই হায়বা ৱাখল থৌথোক অদু চুমই হায়বা তাকই।

২৭। কৈথেল : কৈথেল হায়বা ৱাহৈ অসিনা হৌজিক ইচম চম্না খংনরিবা ৱাহম্থোকতি পোৎ য়োনফম হায়বদি চান - থক্লবা, শেৎন - ইন্নবা অসিনচিংবা পোৎ কয়াবু য়োল্লিবা মফম হায়বনি।

ৱাহৈগী হৌরকফমগী থিজিল্লোনগী ৱাফম অসি অমুক মুন্না য়েংবিয়ু।

কৈথেল হায়বা ৱাহৈ অসি ৱাহৈ মচেৎ অনিনা শাবনি- কৈ + থেল।

কৈথেল= কৈ + থেল ; কৈ হায়রগা মীতৈশিংনা য়েলহৌঙৈদগী ফৌ থম্নবা শং(য়ুম)বু খংনৈ, লোইননা কৈ মনুংদা য়াওরিবা, কৈ মনুংদা থমলিবা চান্ন- থক্লবা পোৎচৈশিংবুসু খংনৈ; থেল হায়বদি থেলবা নত্রগা থেন্দুনা থম্বা খংনৈ। মরম অসিনা কৈথেল হায়বা ৱাহৈনা তাকলিবা ৱাখলসি পোৎচৈবু লৈবীনবগীদমক থেন্দুনা থম্লিবা মফমবু কৈথেল হায়না খংনৈ হায়বনি।

২৮। কৌপলু : কংলৈ ৱাহৈ পুক্কৈদা কৌপলু (হৌজিক্কী লোন্দা কৌব্রু) হায়বা ৱাহৈ অসি কোক পু খংনৈ। কৌপলু (কৌব্রু) বু পুয়ানা 'কৌপলু লুলেল', 'কোকপু ' মলা লেলফু কৌপনে। খোংলম পুমনমক্কী মতোননে হায়না তাক্লমই। 'খোংলম মতোন' হায়বদি খাখোং, লাইখোং, মালংখোং অসিনচিংবা খোংলম পুম্নমক্কী হৌফমনে হায়বনি।

খমওই য়াংওই পুয়ানা 'লাংয়েন সিতাপাতী সালাই পীসুম অনিমক্কী মলকতা ঙাননা লৈপনে' হায়না ইরি। মফম অসিদা 'লাংয়েন' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থাকতি - লাংয়েন = লাং + য়েন হায়বদি লাংওন, সাইওন খুদিংমক কোক্কী পীসুম অনিগী মরকতগী য়েনথোকপনি, শম্থোকপনি হায়বনি।

কংলৈ পুৱারীগী অহৌবা ওইরিবা ফুঙ্গা ৱারিদসু, কংলৈচাশিংগী হৌফম পোকফম শাৎফম ওইরিবা তাইবংমপু ইপাগী শকতম লৌরিবা কংলৈপাক্কী অৱাং নোংচুপ চীংতোন্দা লৈরিবা কৌপলু (কৌব্রু) চীংতোন অসি তাইবঙ থৌৱাই পানবশিংগী হৌফমনি, মপু মাগী কৌব্রুনা কোকলেননি,



লোকতাকনা সনা তেংকোৎনি হায়না শৈথানৈ।

তাইবং মপু মানা তাইবং মী শেম্বদসু কোক্না ইহান হান্না শাই। কোক শেম্লবা মতুংদা হকচাংগী কায়াৎ পুম্নমক মথং মথং শেম্লমই।

২৯। কাংলোল : কাংলোন হায়বা ৱাহৈ অসি কংলৈ খুন্নাইদা য়াম্না তোয়না শিজিন্নবা ৱাহৈনি। কাংজৈ (কাংচৈ) কাংলোন, হকসেল কাংলোন অসিনচিংবা।

কাংলোন = কাং + লোন = কাং হায়বদি কাংথোকপা, থিজিন হুমচিনবগী মহৈ + লোন হায়বদি ইথোকতুনা নত্রগা ৱারি নত্রগা থাজনবী ফুংগা ৱারিগী মওংদা থম্লম্বা। মরম অসিনা কাংলোন হায়বদি করিগুম্বা পোৎ নত্রগা হিরম অমদা কুপ্না থিজিন হুমজিল্লবা মতুংদা মদুদা ফংলকপা অসুপ্পা মরোল অদুবু ইদুনা নত্রগা ৱারি ৱাতাই ওইনা নত্রগা ফুংগা ৱারি ওইনা ইপা ইপুশিংনা থম্লম্বা অদু খংনৈ।

৩০। কোরৌ নোংজা : কোরৌ নোংজা হায়বা ৱাহৈ অসি মীতৈনা হান্না শিজিন্নরম্বা ৱাহৈদগী য়াম্না থৈদোরকপা, হিন্দুগী মতমদা ময়েক ১৮ দগী ময়েক ৩৫ শিজিন্নরকপদগী থীনা হোংদোকখিবদগী মশক শেংনা খংদ্রবা ৱাহৈনি। কোরৌ নোংজা হায়বদি কোইলৌ নোংচা হায়বনি।

কোইলৌ নোংচা (কোরৌ নোংজা) - মীতৈ ঐখোয়না মপান নাইদ্রবা অতিংআ অসিবু য়েংবদা কোইনা ইচম চম্না উবদগী কোইলৌ অতিংআ হায়না খংনৈ। কোইলৌ = কোই হায়বদি কোইনা + লৌ হায়বদি লৌবা হায়বনি। নোংচা (নোংজা) = নোং + চা = নোং হায়বদি নোংথৌ, অতিংআ;খুদম ওইনা - নোং ঙাল্লে। + চা হায়বদি মচা, মচেৎ। মীতৈশিংনা নোং ঙানবা অমদগী নুমিৎতাবা ফ্যাওববু, নোংমা নোংমা হায়না থীরিবা মতম অসিবু কোইলৌ নোংচা হায়না খংনৈ। হৌজিকতি কোরৌ নোংজা হায়না মফম মরাং খংদনা শিজিন্নরে।

৩১। কাই : কাই হায়বদি ইচম চম্বা মীয়ামগী লোন্দা হৌজিক্কী মতমগী অসিবা হকচাং পুথোক্লবা কু হায়নরিবা ৱাহৈ অদুনি। থাইনা মমাংঙৈদদি কাই হায়না শিজিন্নরম্বনি। নিংথৌ নত্রগা লৈপাক্কী অচৌ অশাংশিং পুথোক্লবা কুবু কাইরেল কাইচাও,

হৌজিক্কী লান্না শিজিন্নরবা লোন্দনা কৈরেল কৈজাও হায়না শিজিন্নৈ।

৩২। কোন-চক : মীওইবা অমগী পুনসিসি মপাদগী লাক্লগা, তাইপঙ মী অমা ওইনা মমাদগী থোক্লকপা অদু ফাওবদা থা ১২ চংই। অহানবগী থা অনিনা মপাদা, অকোনবগী থা ১০ নম মমাদা। মমানা থা ১০ নাওপুরবা মতুংদা মীওইনা (অঙাং নৌৱা ওইনা) তাইপংদা থোক্লকই। থা ১২ অদুবু মরি থোক্লা খায়দোক্লগা অমমমবু চক অমা কৌই। ৱাকচীং ফাইলেল থা মপাদা লৈ। মপাদা লৈবা চক (মতম) পু হৈ-চক কৌই। মমাদা লৈবা মীওইবা ওইনা শেমগৎলকপা মমাগী ঈ চাদুনা চাওরকপা চক (মতম) পু হা-চক কৌই। হা-চক অসি চক মমিং অনি অমুক থোক্লা থোল্লি - কোন-চক্সু হা-চক্কী মনুং চল্লি। কোন-চক হায়বদি মমাগী পীপুকনুংদা কোনশিন্দুনা লৈবা মীওইবা মপুং ফানা শেমগৎলকপা মতমবু কোন-চক কৌই। লাংপা-চক হায়বনা অকোনবগী মীওইবা মপুং ফারদুনা তাইপঙ লমচাউ থোকপা মীওইনা পানবা মতমবু লাংপা-চক কৌই।

৩৩। কেকুপাৎ : কেপুপাৎ হায়রিবা মফম অসি ইপুথৌ পাখংপানা মচা অনিশুবা লুৱাং (লুৱাঙপা) না চাওরক্লবা মতমদা কোন্নুংদগী খাইদোক্লকপা মতমদা অহানবা লৈনবা পীবা মফমনি। মফম অসি হৌজিক্কী কেকুপাৎ হায়রিবা মফম অসিনি। হিন্দুগী মতমদা কেক্রপাৎ হায়না ওল্লকখিবনি।

৩৪। কুসঙ : কুসঙ হায়বা মফম অসিসু ইপুথৌ পাখংপগী মচা অহুমশুবা খুমন্না চাওরক্লগা খাইদোক্লকপা মতমদা খুমনদা লৈনবা পীবা মফমনি হৌজিক মসি কদাইদা লৈবগে হায়বা শেংনা খংদে। ইম্ফাল কংলাগী অকোইবদা লৈবা মফম অমদি ওইফম থোকই।

কুসঙ হায়বগী ৱাহঙ্খোক্তি তাইপঙ পানবা মপু অদুনা কুবীবা, চানবিবা মফম, সঙ হায়বনি। মতম অদুদা সঙ অমা শাদুনা লৈবা মফম ওইরমগনি।

## ꯁ (স)

সম হায়বা অসি কংলৈ ৱাহৈ ইনবা ইয়েক ইপী ১৮ গী মনুংদা অনিশুবা ইয়েকনি। মথক্কী অসি সম হায়বা ইয়েক্কী শক্তমনি।



১। সম : মীওইবগী কোকতা হৌরিবা অকুপ্পা মর্য়াম অসিবু কংলৈ ৱাহৈদা সম হায়না কৌই। সম হায়বা ইয়েক অমসুং ৱাহৈ অসিগী ৱাহঙ্খোক অসি পুয়াগী মতেং লৌদ্রবদি শেংন্না হায়বা ইঙম ঙমদে। মরম অসিনা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা হায়রিবা অসি মুন্না য়েংবিয়ু : "তলঙ ইপুঙ লোইনপা অপকপা মশানা ওইপা মিহুন।সম।তু।খুচিননচিংপা সিংলি পাফন ১০৮। মিহুন ৮৪।তাংসমলি২৭।থাপুঙ ১০ কী ইফা ইমেনফম। খোঙলম ৯।পনখৈ ৮। ইলম ৭। কায়াতকী কা ৬ মখোয়সুং ইপুং লোইনপকা লোইনলিপা মসেননে। অতুকী মলমনা সিংলি পাফন কৌপনে।। মাকী লাইমিং মমিংতি ইনুঙলোননা সিংলি কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ইনিননা সম কৌয়ে।। " পুয়াদা হায়রিবা অসিমকনি।

পুয়াদা হায়রিবা অসি ময়েক য়াম্না শেংই, science কী লুরবা ৱ ফম ঙাকতা হায়বা মরমনা অচম্বা মীশিংনা তশেংনমক চুমলিব্রা হায়বসি খংবা য়াম্না লুই ; অদুবু Biology গী লৌশিং ফজনা লৈবা মীশিংনদি মুন্না খংগনি।

তলঙ মালঙনা মশক ওইদুনা, তলঙ মালঙনা ময়ুম ওইদুনা লৈরিবা তেংপালবা মপু, ইপুঙ লোইনপা অপকপা (তাইবং পানকী ঈ পুন্নমক্কী হৌফম ওইরিবা, মাঙোন্দ ঈ পুন্নমক্কী থৌৱাই ওইরিবা ঈ য়াওরিবা মপু) মহাক্না মীওইবা শেম্লই, মীওইবগী মশাদা য়াওরিবা মিহুন, সম, তু, খুচিনন্নচিংবা শিংলি পফন ১০৮, মিহুন ৮৪, তাংসমলি ২৭, থাপুঙ ১০ কী ঈফা ঈমেনফম, খোংলম ৯, পনখৈ৮, ইরম ৭, কয়াৎ ৬ পু মহাক্কা মশা অমতনি হায়বনি, পুন্নমক অসি শিংলি পাফন কৌই, পুন্নমক অসি লাইলোনদনা শিংলি কৌই, ঐখোয়না লোনবা লোন্দনা সম কৌই হায়বনি।

মরম অসিনা সম হায়বসিনা মপানগী সরুকনি, সিংলি হায়বসিনা মনুংগী শরুকনি। সিংলি গা মপানগী শরুক্কা সম্নবগী পাম্বৈ সমনা ওইবা মরম্না সম কৌরিবনি হায়বসি ঐখোয়না খংবা ঙমমি। মপান্দনা কোকতা হৌবা সময়ামনি, মনুংদা সিংলি পাফননি। তাইবং সেম্বা মপুগা মীওইবগী মশাদা য়াওরিবা সিংলি পাফনগা মপানগা সম্নবা পাম্বৈনি।

শিংলিগী ৱাহঙ্খোক্না সিংবগী লম্বী, মদুগা সম্নবনা সম, কোক্কী সম হায়বনি মরম অসি লৈবদগী ঐখোয়না তৎতনা মীতৈগী পুয়াদগী 'পাফন' হায়বা ৱাহৈ concept অসি পুরগা, ঙরাংদা হিন্দুশিংনা পুরকপা লিলগী মশক, লাইনিং মওং (concept) অমগা পুনশিল্লগা ' পাখংবা পাফন' হায়বা অমা মীতৈগী হৌরকঙৈগী মওং মান্নবা হায়জিনবা তৌবিরক্কনু হায়দুনা লাওজরিবা অদুনি।

২।     সাপোৎ লানপোৎ : মীতৈনা শাপোৎ লানপোৎ হায়বদি মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসি পীক্লবা লৈপাক অমগী মপু ওইজরবসু মালেমদা য়াম্না লিরবা, য়াম্না শিংলবা, থৌনা ফরবা মী কাংবু অমনিনা, মলেমদা মনিং তমপা লৈপাক অমগী মপু ওইরকপা অমসুং নীংতম্বা অদুবু ঙাকতুনা থম্নবা মতম পুম্নমকতা নুপা নুপী খুদিংনা শেম শাদুনা লৈরম্বগী ৱাহৈ ৱ তানি। মীতৈনা য়েলহৌঙেদগী সগোলবু লানশা ওইনা শিজিন্নরমই। নুপা নুপী খুদিংমক শগোল থৌবা, শিজিন্নবা হৈরবা মী ঙাকতনি, হায়বদি নুপা নুপী খুদিংমক Expert Equestrian নি । থোইবীনা লোই কারকপদা, নোংবানদগী নাম্থোক্লবা সগোল থৌদুনা খম্বগী ময়ুমদা চেল্লকপা কংলৈপাক্কী নুপা নুপী খুদিংনা মুন্না খংনরিবনি।

শগোলদা নত্তনা শামুসু থাইনগী কংলৈচাশিংগী লানশানি। সগোলবু লাংগোই = লানগোই = লানকোই = লানদা অতোপ্পগী লানমীশিংবু কোইশিনবা।শামুবু য়াংগোই = য়াংকোই = য়াংনা কোইশিনবা।মসিসু য়েক্লবগী লানমীশিংবু কোইশিনবা হায়বনি।

থাইনগী কংলৈচা খুদিংমক মখোয়গী অমসুং কংলৈপাক্কীদমক, অমদি মখোয়গী অমসুং কংলৈপাক্কী মনিং তম্বগীদমক মথৌৱাইগীদমক থোইদোক্লা খন্দবা লৈপাক ঙাকথোক্ল বদমক লানগী মতম পুম্নমকতা শেম শাদুনা লৈবা নুপা নুপী ঙাক্তা ওইরমই। ঐখোয়না, থাইনগী ৱারি, অইবা লাইরিকশিংগী মতুং ইন্না, লানমী ওইবা য়ারবা নুপা খুদিংনা মহাক্কী ফমুংগী ফমাংদা সগোল অমমম পুল্লগা তুমই, য়ুম খুদিংমক সগোল অহুম।মরি লোইরমই হায়বসি খংই।

সাপোৎ লানপোৎ হায়বদি সগোল তোংদুনা সামু তোংদুনা শিজিন্নগদবা পোৎলম খুৎসু খুৎলাই খুদিংমক মতম পুম্ন মকতা শেম - শাদুনা লৈ, অসিগুম্বা সা-লানগী পোৎলমশিং, খুৎশু খুৎলাইশিং অসিবু শাপোৎ-লানপোৎ কৌই।

৩।     সাপম চনু নুংথিল চাইবী : সাপম চনু নুংথিল চাইবী হায়বসি চোথে নিংথৌগী মচা নুপী, চোথে লৈপাকতা কংলৈ নিংথৌ চরাইরোংবানা লোই পোৎ থৌবা চৎপদা লাল তৌনরবা মতুংদা, মাইথিরবা চোথে নিংথৌনা কংলৈ নিংথৌদা কৎলকপা শকহেনবী চোথে নুজা অদুগী অতোপ্পা মমিংনি। কংলা য়ৌরক্লবা মতমদা কংলৈ নিংথৌদা লুহোংনবীদমক কোনুংগী ফম্নাইবা মমোম পোকতবা সাপম চাওপনা মমোম শক্লা, সাপম চনু নুংথিল চাইবী হায়না মিংকৌদুনা য়োক্লগা কংলৈ নিংথৌদা লুহোংবনি।



ইং চৈচৎ ১৮ শুবা চহীচাদা চোথে পলেম পন্থৌনা পোকখিবা কংলৈপাক্কী পুৱারীবু নোংপোক ওল্লম্বদগী মমায় নোংচুপ ওলহনখিবী, পুৱারীগী তাংককশিদা মমীং চাওনা লৈরবী কংলৈ চনুনি।

মহাক্লা ময়াং লম্বোইবা বীসনু গোস্বামি কৌবা ময়াং খুবাক ময়ি য়েংবা অমগা লোন্না ফমতিন্নদুনা পামহৈবা গরিবনিৱাজ পোকখি। পামহৈৱা গরিবনিৱাজনা খৃ: ১৭০৯ (ইংলিস রাইটরশিংনা ১৭১৪) দা মপা ওইনা য়োকপা কংলৈ নিংথৌ চরাইরোংববু হাৎলগা কংলৈপাক্কী অহানবা হিন্দু নিংথৌ ওইখি। মহাক্লা হৌজিক মনিপুরদা লৈরিবা নিংথেম মচা হায়রিবা মী কাংলুপ অসিগী অহানবা মী 'Patriarch'নি। 'নিংথেম মচা' হায়বা মিং অসি লৌরেম্বা খোংনাংথাবনা পামহৈবা নিংথৌদা পীরম্বা মমিংনি।

৪।     সমজাই (শ্যমশাই) খুরাইলাকপা : কংলৈ নিংথৌ চরাইরোংবা হাৎতুনা পামহৈবা গরিবনিৱাজনা কংলৈ নিংথৌ ওইরকপদা চাওনা মতেং পাংখিবা হাওবম সেলুবগী মচানুপী অপাম্বীবু লুহোংদুনা পামহৈবা গরিবনিৱাজনা খৃ: ১৭০৯ কংলৈ ফম্বাল কারে। মহাক্লা কংলৈপাক্কী অহানবা হিন্দু নিংথৌনি। মহাক্কী লৈমরেল হাওবম চনু অপাম্বী অসি হিন্দুশিংনা দিবাপতী কৌই। সমজাই খুরাইলাকপা অপাম্বীনা পোকপা পামহৈবা গরিবনিৱাজগী মচা নুপা অহননি।

সমজাই খুরাইলাকপনা মোইরাংগী নিংথৌ খেলৈ নুংনাং তেলহৈবগী মচননুপী মাইতুম্বগা ময়াং লম্বোইবা মহাসয়গা অনিনা পোকপা চীংথংখোম্বা ভগ্যচন্দ্রবু মচানি হায়না য়োকখি।

সমজাই খুরাইলাকপা খৃ: ১৭৫১ দা নিংথি তুরেলগী তোনফাং হিদেন্দা তোলেন তোম্বনা মপা ইবুংঙো পামহৈবা গরিবনিৱাজগা লোইননা হাৎখি।

৫।     সিরিহৎতগী লাকপা ময়াং গুরু সান্তিদাস গোশাই : ঐখোয়গী কংলৈপাক হৌজিক্কী মনিপুরদা ১৮ শুবা চহীচাদা রামনি দ ধৰ্ম্ম শন্দোকতুনা হিন্দু ধৰ্ম্ম মরু হুল্লম্বা ময়াং গুরু অদুগী মমিং মনিপুরদা সান্তিদাস গোসাই হায়রগা খংনৈ। মহাক্কী মমিংসি দা: সুনিতি কুমার চটরজিনদি মহাক্কী কিরাতা- জন- করটি হায়বা লাইরিক অদুদদি সান্ট দাস বাবা হায়না ই । দা:সুনিতি কুমার

চটরজিনা মহাক্কী লাইরিক অদুদা সান্ত দাস বাবাজিনা কংলৈপাক্কী পুয়া পুম্নমক মৈ থাদোকতুনা কংলৈপাক্কী অফবা পুম্নমক মাংহনখ্রে হায়না ইরি। কংলৈপাক্কী পুয়া মৈ থাবসি অমুক অনিরকতা নত্তে, ১৮ শুবা চহীচা মনুংদা হনজিন হনজিন থাখি হায়না ইরি।

শান্তি দাস গোশাই অসি হৌজিক্কী বাঙ্গলা দেশকী সিরিহৎ হায়বা মফম অদুদা পোকপা ময়াং সুদ্রা মচানি। ঐখোয়না চপ চাবা অইবা ৱারোল উদ্রবসু মহাকসি মতম অদুগী য়াম্না লাইরিক হৈবা নুপানি হায়নৈ। পুয়া পুম্নমক মৈ থাখিবা, পামহৈববু মৱা লৈবা নুপী মঙা মৱাশিং হাৎলগা লৌহনবা, লৈবাক্কী মমিং কংলৈপাক কৌরম্বদগী মনিপুর থোনহনখিবা, মীতৈ ময়েক মুৎথৎলগা বেঙ্গলী ময়েক চৎহনখিবা, কংলৈপাক্কী কোনুংগী লৈমাশিংগী ফমজাওবু ময়াং মচাশিংনা কাহনখিবা, অসিনচিংবা ফত্তবা থবক, মীতৈ অমসুং কংলৈপাক মাংহন্নবা, থবক পুম্নমক সান্তি দাস গোশাইনা শীনখিবনি।

সান্তি দাস গোশাইনা হায়রিবা মখৈ ইনবা, মশাগী অমসুং লৈপাক্কী অফ- ফত্ত অমতা খনবা ঙমদবা, মীন্না হায়রিবা মখৈ ইনবা, মীনা নিংবা মতুং ইন্না থেম্বদা হেকতা য়াবা ..... মরম পুম্নমক অসিদগী পামহৈববু লৌরেম্বা খোংনাং থাবনা 'নিংথেম' হায়বা মমিং অসি পীবিখি। নিংথেম হায়বদি নিং+ থেম = নিংবা মতুং ইন্না থেম্বা হায়বনি। মীতৈ হায়বা মী কাংবু অসিদি য়াম্না লিরবা, থকসি খাসি য়াম্না লৈবা, য়াম্না শিংবা কাংবুনি। লান্দা হৈ- শিংবা, য়াম্না থৌনা ফবা, হিন্দুনা পানবা মতম ফাওবা মনিংতম্না পাল্লম্বা লৈপাকনি।

পামহৈবগী হেক মমাংদা পাল্লম্বা কংলৈ ঈ অশেংবা চরাইরোংবগী মতমদা, চরাইরোংবা নিংথৌনা লালদা ফারকপা নুপী সাপম চনু নুংথিল চাইবীবু লৈমরেল (Chief Queen) হাপকে তৌরুবদা লৈপাক্না য়াদদুনা হাপখিদবা, ঙসি ফাওবা কংলৈচাশিংনা কাওনদ্রি। অদুবু পামহৈবগী মতমদদি থা ৫ নাওপুরবী ইরোম ওংবী থম্বালবু মৱা হাৎলগা গোমতি মমিং থোনবিদুনা লৈমরেল হাপখিবা, ঙসিফাওবা মীতৈনা কাওদ্রি। সান্তি দাস গোসাই হায়বা নুপা অসি কংলৈপাক অমসুং মীতৈবু মপুং ফানা মাংহল্লম্বা ময়াং হিন্দু গুরুনি।

৬। সিরি বিষ্ণু গোসামী : হায়রিবা নুপা অসিসু সান্তি দাস গোসাইগুম্বা মশামক নিংথৌ ওইরমদ্রবসু মীতৈ অমসুং



কংলৈপাকপু মাংহনবদা য়াম্না চাওনা শরুক য়াখিবা ময়াং নুপানি। কংলৈপাকতা মহাক্না লৈরম্বসি মতু মচা লৈজদবা, চাকনি ফিনিবগুম্বা খুবাক ময়ি য়েংবা কোইচৎ চৎতুনা লৈরম্বা নুপানি।

শাপম চনু নুংথিল চাইবী চোথে নিংওন অসি কংলৈ কোনুংগী লৈমরেল ওইরনি খন্দুনা কংলাদা কংলৈ নিংথৌ চরাইরোংবগা চোথে লৈপাক্তগী লাকখিবী নুপীনি। চরাইরোংবা নিংথৌনা মহাকপু লৈমরেল হাপকে হায়বদা লৈপাক্না য়াখিদবদগী, নিংবা য়াম্না থীনা কায়দুনা নোংপোক ইংখোল (হৌজিক্কী কংলাগী নোংপোক থংবা শরুক তুরেল মপাল) দা খরা য়ুমতোমপোক ওইনা লৈবা য়ুম অমদা খরা তোঙান্না লৈবা মতমদা বিষ্ণু গোশামীসু কংলৈপাকতা লৈরমখি। হাওবম শেলুংবনা চাইবীবু শেন্নবা কোন্নুংগী ফম্নাইবনি, মহাক্কী মতেংনা বিষ্ণু গোশামীনা চাইবীগী মনাকতা চংবা ফংজখি। মহাক্না চাইবীগী মনাক্তা চংলকপসি নিংথৌগী য়াথং য়াওই হায়দুনা থাজহনখি অমসুং চাইবীগী খুবাক ময়ি য়েংলগা নিংথৌগা মহাক্না মচা নুপা পোকউ হায়বা লৈতে অমসুং মহাক্না চাইবীদা মচা নুপা পোকউ হায়বা লৈ হায়না থাজহনখি । মদুদা চাইবীনা য়াদুনা ফমজাও কামিন্নখি। মতৌ অসুম্না চাইবীদা বিষ্ণু গোসামীনা পামহৈবা গরিমনিৱাজ মরু হুনখি। মমৈ থংদা বিষ্ণু গোসামীবু ফাদুনা অহকপা চৈরাক (হাৎপা) পীখি।

বিষ্ণু গোশামীনা পামহৈবা মরু হুনববু কংলৈপাকতা অসুম্না শৈথানৈ:

"পাওনম হিদেন মপান্দা
ফৈতা হিতং মশুমাংদা
তরেৎ সেনপুং য়ৈরদি
ৱাংলেন পুংজাও ফুবদি
সনা লীকলাই মরু থাবদি
হৌদেদো
সেম্বী মুকাকলৈ মরুনা থাবদি
হৌরেদো
ৱারমসিবু খংনসি নিংথেম- ও"

৭। সেম্বী মুকাকলৈ : কংলৈ লোলগী পুক্কেদা 'সেম্বী' হায়বা ৱাহৈ অসি কংলৈপাক্কী মহৌশাগী নত্তবা, মীরমদা পোকপা, মীরমদা হৌবা অসিনচিংবা মী, পোৎপু খংনৈ। হৌজিক্কী মীরমগী লোন্দা 'foreign'বা

হন্থোকতা হায়বনি। 'পাম্মুবা নংগী মশুংলাংগীদমক কবো সেম্বী মীচাকচা, কবো সেম্বী লৈপাকতা ননাও ঐদি কপনা পুনসি লেল্লেদো।!'

পামহৈববু মতম অদুগী কংলৈ মীয়াম্না 'সেম্বী মুকাকলৈ', হায়রগা খংনৈ। মুকাকলৈ হায়বদি মুশিন মুবা লৈ হায়বনি। কংলৈপাক্কী লৈহৌমী নত্তবা, মীরমগী মী মুশিন মুবা মী হায়বনি।

৮। সংলীংবা : কংলৈচা মীতৈশিংগী নিংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী ফুংগা ৱারী ওইনা থাজনবীগী য়ুমফমদা য়ুম খুদিংদা লীনরমপা ৱারী (Tradition) অমা ফোংদোকপা ৱাহৈনি।

সংলিংবা হায়বা ৱাহৈ অসি কোন্নুং অমসুং নিংথৌগী য়াথংদা মী হাৎনবা থম্বা (State Executioner) মীওই হায়বনি। মথং ৱাফমদি মতৌ করম্না লৈপাক্কী মী হাৎনবা থম্বা মীবু মতৌ করম্না সংলীংবা কৌরিবনো হায়বা অসিনি।

মফম অসিদা সংলীংবা হায়বা ৱাহৈদা য়াওরিবা সং (সং + লীংবা) হায়বসি করি হায়রিবনো হায়বসিনি। মফম অসিদা য়াওরিবা সং হায়বা ৱাহৈ অসি মীতৈ কংলৈচাশিংগী চৎনবী মতুং ইন্না মী অমা শিরমদাইদা মতম খরা থম্মবা সুমাংগী খাংলেনফমদা শাবা খাংপোকসং অদুবু হায়বনি। অদুগুম্বা খাংপোকশং অদুবু শেম শাদুনা, লিংদুনা মতম পুম্নমক্তা থম্বা মীওই হায়বনি। কংলৈ নিংথৌনা মী অমা হাৎলো হায়না য়াথং পীদে, অঙাং ওলহনখ্রো হায়না য়াথং পী। হাৎতোকখ্রো হায়না য়াথং পীতে, মপোক অনৌবা অমা পোকহনখ্রো, অঙাং ওলহনখ্রো হায়না য়াথং পী। মখাদা ꞩ ময়েক্কী মখাদা খাংপোকশং হায়বা ৱাহৈ য়েংবিয়ু। মীতৈ থাজনবী কংলৈচাশিংনা মী অসি শিরগা অনৌবা পুনসি অমদা অমুক পোক্লকই হায়বগী থাজনবী ফোংদোকপা ৱাহৈনি। মরম অসিনা শংলিংবা হায়বদি Law গী মতুংইন্না লাল্লবা মীবু হাৎনবা থম্বা মী State Executioner হায়বনি।

৯। সক্রুঘনা শাই : পামহৈবা লারৈ লাথুপ কী মতুং ইন্নদি পামহৈবা গরিবনিৱাজগী মচা ১৮ পোক্লমই, মখোয় খুদিংগী মমিংগী অরোইবদা 'শাই' হায়বা ৱাহৈসি তাই। খুদম ওইনা - চিৎশাই, জীৎশাই, তংগা শাই, গোদাধর শাই, দুলোপ শাই অসিনচিংবা অসিনি। শাই হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোকতি মচা নত্তনা মচা শাদুনা য়োকখিবনি হায়বনি হায়রি। মফম অসিদা সক্রুঘনা শাই হায়রিবা নুপা অসি কংলৈ পুৱারিদা য়াম্না ফাওবা



থম্বাল (গোমতি মহারানি) গী মচা নুপা অতোম্বনি। থাংজম নিংওন ইরোম ওংবী থম্বাল (গোমতি মহারানি) গী মচা নুপা তরুক (৬) পোক্লমই। মখোয়শিং অদুদি (১) চিৎশাই (সনাহল মোরাম্বা- ইরোম চাওবগী মচা, মমা থম্বালগী মবুকতা থা৫ শুরবা মতমদা পামহৈবনা মপা চাওবা হাৎলগা পুখিবদা য়াওখিবা অঙাং অদুনি), (২) নন্দ শাই (৩) তংগা শাই (৪) সবট শাই (৫) ভোরোৎ শাই (৬) সক্রু ঘানা শাই (তোল্লেন তোম্বা) অসিনি।

চিৎশাই হায়না হিন্দুশিংনা থোনবা মিংদা পামহৈবা গরিবনিৱাজবু মপানি হায়দুনা হিংলকপা চিৎশাই সনাহল (মোরাম্বা) না চাওরক্লবদা মহাক পামহৈবগী মচা নত্তে, ইরোম চাওবগী মচানি হায়বসি মুন্না খংলকলে। মরম পুম্নমক অসিদগী ইরোম মচা সনাহলনা পামহৈববু খৃ: ১৭৪৮ দা নিংথৌ ফম্বালদগী তাম্থোক্লগা নিংথৌ ওইখি। **মবুক্তিং য়াম্না ফবা ইরোম সনাহল অমসুং মহাক্কী মমা ইবেম্মা থম্বালনা পামহৈববু হাৎপদি হাৎপিখিদে।** অদুবু মপুক ফৎত্রবা পামহৈবা অমসুং সান্তি দাস গোশাইনা মখোয়না লৈরুবা মফম মফম খুদিংদা কংলৈপাক মাংনবা শিনবা তোকতবা মরমনা, তোলেন তোম্বনা পামহৈবা গরিবনিৱাজ অমসুং শান্তি দাস গোশাইবু, মখোয়গা লোইনবা মীওই খরগা খৃ :১৭৫১ নিংথি তুরেলগী তোনফাং হিদেনদা তানা থিন্দুনা হাৎখি।

মরম পুম্নমক অসিদগী তোলেন তোম্বা (সক্রুঘানা শাই) কংলৈ পুৱারিদা মমিং য়াম্না চৎখি।

১০। সনাহল মোরাম্বা : সনাহল মোরাম্বা হায়বা মিং অসি পামহৈবা নিংথৌগী মচা অহল ওইনা য়োক্লরবা থম্বালনা থা ৫ শুরগা কোন্নুংদা পুরকপা ইরোম চাওবগী মচা অদুগী মমিংনি। কোন্নুংদা কৌনবা মিংনি। মহাক্কী মমিং হিন্দুশিংনা চিৎশাই হায়না থোল্লি।

সেম্বী মুকাকলৈ (পামহৈবা লারৈ লাথুপ) তা 'ঈ-লান্না' পোকই হায়বগী সনাহল মোরাম্বা অসুম্নবু সোন্নখি হায়না ইরি। মরম অসিনা 'মোরাম্বা' গী ৱাহন্থোকতি ইরোম ঈনা নিংথৌ কোন্দা লানশিন্দুনা পোকপা মী হায়বনি।

১১। সেলুংবা : হিন্দু নিংথৌনা ১৮ শুবা চহীচাদা পানবা হৌদ্রিঙৈদা, কংলৈপাকতা কংলৈচা সালাইনা নিংথৌ ওইদুনা

পাল্লিঙৈদা 'সেলুংবা' হায়বা ৱাহৈ অসি কোন্নুংগী অচৌবা ফম অমবু খংনৈ, ফম অদু পাইরিবা নুপা অদুবুসু সেলুংবা হায়রগা খংনৈ। 'সেলুংবা'অমসুং 'সেলুংবা ফম' পায়রিবা নুপা অদুগী মথৌদি কোন্নুংগী সেল থুমগী থবক পানবনি। অদুবু হিন্দুশিংনা নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতমদদি সেল্লুংবগী মথৌ অসি করিনো হায়বা শেংনা খংদ্রে।

পামহৈবা গরিবনিৱাজগী মতমদা য়াম্না ফাওবা হাওবম সেললুংবা হায়বা অমা লৈরমই। সাপম চনু নুংথিল চাইবীবু নোংপোক ইংখোলদা থম্বা মতমদা, চাইবীবু শেন্নবা কোনুংগী ফম্ন াইবা মহাক্না ওইখি। মহাক্না বীষ্ণু গোশামীবু চাইবীগী মনাক নকশিনবদা মহাক্না মতেং পাংখি। চাইবীনা মচা নুপা অমা পোক্লবদা থাঙ্গালদা থৈবা মহাক্না শীনখি। পামহৈবনা পাখং ফারক্লবা মতমদা কংলৈ কোন্নুংদা লাক্লবা মতমদা, পামহৈবনা নিংথৌ ওইবা য়ানবা মতম পুম্নমকতা চাইবীগা লোন্না মহাক্না ৱা তান্নখি। মরম অসিদগী অমদি পামহৈবনা পাল্লবা মতমদা পামহৈবনা খ্বাইদগী নক্লবা ফম্নাইবা অসি হাওবম সেললুংবনা ওইবনা হাওবম সেলুংববু হাওবম সকোল মকোক (হাওবম সগোল মকোক) হায়বদি মতম পুম্নমকতা শাগোন্নদুনতা লৈবা (চাইবীগী অমসুং পামহৈবগী) মী হায়না খংনখি। চাইবীগা হাওবম সেললুংবগা, পামহৈবনা নিংথৌ ওইরবদি হাওবম সেললুংবগী মচা নুপী অপাম্বীবু লৈমরেল ওইহনবা হায়না ৱাশক্লখি। হাওবম শেললুংবনা রামান্দি ধর্ম্ম লৌবা কোন্নুংগী অহানবা ফম্নাইবা ওইখি।

১২। সনাহল লোকচাও : ইম্ফাল তম্পাক্কী অৱাং নোংচুপ পাংবদা কৌব্রু চীংশাংগী মনুংচনবা লোক অচৌবা অমগী মমিংনি। সনাহল লোকচাও অসি চহী লীশিং কয়া মনিং তম্না, মনিং তম্বা কংলৈপাক হায়বা লৈপাক অমগী মপু ওইনা পাল্লক্লবা কংলৈচা মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ অমগী শাংলবা পুৱারীগী, চাওরবা অওনবা অমগা মরী লৈনবা কৌব্রু চীংশাংগী চাওরবা লোক অমগী মমিংনি।

খৃ: ১৭০৯ দা পামহৈবা গরিবনিৱাজনা অহানবা হিন্দু নিংথৌ ওইনা কংলৈপাক্কী ফম্বাল কাখি। মহাক্না চাওরাক্না চহী ৪০ মুক পানখি।



থাংজম নিংওন ইরোম ওংবী থম্বাল (গোমাতি মহারানী) গী মচা নুপা অহল ইরোম সনাহলনা পামহৈবা গরিবনিৱালবু খৃ: ১৭৪৮ দা তান্থোক্লগা, কংলৈ পাক্কী নিংথৌ ওইনা কংলৈপাক্কী ফম্বাল কাখি। ইরোম সনাহল মঙাং শালাইগী ইরোম শাগৈদা পোকপা কংলৈ নিংথৌনি। মহাক য়াম্না কুইনা পানবা ঙমখিদে। নিংথৌ ইরোম সনাহলনা খৃ: ১৭৫২ দা, মহাসয়না মোইরাং নিংওন মাইতুম্বীদা মরু হুনদুনা পোকপা, সামশাই (শ্যামজাই খুরাই লাকপনা নুপী থিদনা মচানি হায়না য়োকখিবা অঙাং ভগ্যচন্দ্রসি) কংলৈপাক্কী তুংগী খুদোং থীবা ওইগদবা মীনি হায়বা খংদুনা, মহাকপু লোইশিন্নবা মহাকপু থিবা লোন্না কোন্নুং থাদোকতুনা চৎখি। মহাক্না লোন্না কোন্নুং থাদোকপা অসি কংলৈ কোন্নুংদা লৈবা পামহৈবগী মচা শাদুনা য়োকখিবা ময়াং মচাশিং অদুনা খংখি। মতম অসিদা কোন্নুংগী থবক অসি মমা ইবেম্মা থম্বালদা শিন্নরমই। নিংথৌগী কাংবু অমা, অদুগা শাই হায়না তাবা পামহৈবগী মচাশিংগী কাংবু অমা অনিথোক্না খায়দোকতুনা লৌ য়েংনদুনা পানবা মতমনি। নিংথৌ সনাহলগী কাংবু, লৈহৌমী অশেংবশিং অসিনা মশিং য়াম্লমদে।

কোন্নুংদা নিংথৌ লৈতবগী খুদোংচাবা অসি লৌরগা শাই হায়না তাবা নিংথৌ মচাশিংগী কাংবু অসিনা নিংথৌ শিন্দোক্লবা কোন্নুংদা লাল হৌরকখি। থম্বালগী কাংবু অমসুং শাই মচাশিং অসিগা অকনবা লাল থেংনরকখি। শাই কাংবুগী লুচিংবা অনন্তশাই লাইরিককয়েংপম চনু হরিপ্রিয়াগী মচানুপা অসিনা লুচিংলমই। কংলৈ চনু অশেংবা থম্বাল মায়থীরে।

মতমসিমকতা নিংথৌ সনাহলসু হল্লকপদা, মমা ইবেম্মা থম্বালনা ঈ ইতৈ তৈনা সনাকৈথেলদা লৈরম্বা থেংনরে। মমা ইবেম্মদগী কোন্নুংগী পাউ পুম্নমক তারে, কোন্নুংগী পাউসিনা কোন্নুংদা হল্লুবা কান্নরোই খংদুনা, নিংথৌ সনাহল অমসুং মমা ইবেম্মা থম্বাল মখোয়গী মথৌৱাইগীদমক কোন্নুং থাদোকতুনা চেনখি। মখোয়না খুরুখুন তারকখি, মথংদা কৌব্রু চীংজাওগী সনাহল লোকচাওদা কাখৎখি। থৌদোক অসিবু কংলৈচাশিংনা কাওবা ঙমদদুনা লোক অসিবু নিংথৌ সনাহল অমসুং মমা ইম্মো থম্বালনা কাখিবা লোকনি হায়দুনা মতম অসিদগী ঙসিফাওবা সনাহল লোকচাও হায়না খংনদুনা কৌদুনা লাকই।

সনাহল লোকচাওদা কাখিবদগী কংলৈ নিংথৌ সনাহল অমসুং মরৈপাক নিংবী মমা ইবেম্মা থম্বালবু ঙসিফাওবা কংলৈপাক অমসুং কংলৈচাশিংনা উবা ফংখিদরে।

১৩। সিরি ভাসকর : ভাস্কর হায়বা মিং অসি শান্তিদাস গোশাইগুম্না কংলৈ মীয়াম্না খংনদ্রবসু, কংলৈপাকপু মথক মখা ঙম্থোক্লম্বা নিংথৌ জয়সিংহ ভগ্যচন্দ্রগী ধর্ম্ম গুরুনি। ভাস্কর ধর্ম্ম গুরুনা তাকতুনা ভগ্যচন্দ্রনা তেখাওদা শামু ফাবা ঙমখিবনি, নংলমদ্রবদি ভগ্যচন্দ্র শিরম্লগদবনি হায়না মীতম্বাল হায়না খংনবা ভগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপতা শেংনা ই।

অদুবু আসামগী বুরানজিদা ভগ্যচন্দ্রগী ৱাফম খরা য়াওরবসু শামু ফাবগী ৱাফম শুকয়াও য়াওদে।

Dr. S.K. Bhuyan না ফোংবা Tangkhungia Buranji or History of Assam (1681-1826 AD) গী লামাই ৫৫ দা কুরাঙ্গ নয়নী গী মতাংদা য়াম্না শেংনা ই ; অদুগা ভগ্যচন্দ্রনা অসামদা Swarga Deva নিংথৌনা কন্দুনা মীচেন জয়শিং ভগ্যচন্দ্রবু থম্বা অসিনচিংবা কয়া য়াওরি। অদুবু শামু ফাবগী ৱাফমদি শুকয়াও য়াওদে।

জয় সিংহ ভগ্যচন্দ্রগী ধর্ম্ম গুরু শিরি ভাস্করনা ভগ্যচন্দ্রগী মচানুপী অঙৌসনাবু খুজেংদা পায়দুনা মন্দির মনুংদা চিংশিন্দুনা মনিং থুংনবা হোৎনবদা, অঙৌসনানা ভাস্কর ইন্থুরমগা চেনখি। পাও অসি তাবদা ভগ্যচন্দ্র ৱান্থখি। অঙৌসনা অসি মতুংগী কংলৈ পুৱারিদা শীজ লাইরোইবী মিংথোল ফংখিবী নুপী অদুনি।

ভাস্কর অসি জয় সিংহ ভগ্যচন্দ্রদা মং কয়া মংহন্দুনা কায়না চীংবু ভাস্কর মুখ গিরি হায়না মমিং ওনবা, কায়নাদগী থৈবোং পাম্বী য়ান্দুনা গোবিন্দগী শকতম, বিজয় গোবিন্দ শকতম অসিনচিংবা শকতম কয়া শাবা, অমসুং জগোয় রাস লিংখৎখিবা থবক পুম্নমক অসিগী ৱাখল পুথোকখিবা জয় সিংহ ভগ্যচন্দ্রগী ধর্ম্ম গুরুনি।

১৪। সাঙাইথেল : সাঙাইথেল হায়বা মফম অসি হিন্দুগী মতমদা জয়সিংহ ভগ্যচন্দ্রনা অৱানা লান্দারকতুনা কংলৈপাক্কী কোন্নুংদা লৈবা ঙমদদুনা কোইচেন চেন্দুনা লোৎতুনা লৈবা মতমদা লৈরমই হায়না হায়নবা নোংচুপ চীংজাওগী মমাংথংবা মমায়দা লৈবা কংলৈ পুৱারীগা শাগোন্নবা খুনফম অমা ওইবা অমসুং থাইনগী কংলৈপাক্কী ইশিং নুংশিংকা মরি লৈনবা ৱাফম কয়া শেংনা তাক্পা ঙম্বা মফমনি।



শাঙাইথেল হায়বা মফম অসি ইম্ফাল ৱেস্তগী শগোলবন্দ লম্বীদা অসুম মনিংলোমদা থৌথরগা পাৎশোয় য়ৌরে, পাৎশোয়দগী খরা থৌথরগা খোংনাংবট অমা হৌরিবা ময়াদা অৱাং থংবা মায়কৈদা খায়দোকখ্রিবা লম্বী মচা অদু ইন্দুনা চৎলগা থৌরোইজম য়ৌরে। থৌরোইজমদগী চীংদা লম্বী অসি থৌগৎপা হৌরে। চীংদা কি: মি: খরা থৌগৎলগা শঙাইথেল হায়বা মীতৈশিংনা তাবা খুল অসি য়ৌই। মসি নোংচুপ থংবা কংলৈ চীংশাংগী নাপোমদা লৈবা লৈতেম মান্নবা মফমনি। মীতৈনা চীংদা লৈবা লৈতেম মান্নবা তমপাক মচাবু থেল কৌই। মফম অসি সমুদ্রগী ইমাইদগী মি: ১০০০ (লিশিং অমা) মুকতি ৱাংলম্বা য়াই হায়না অইবনা থাজে। ইম্ফাল তম্পাক্কী খ্বাইদগী নেম্বা মফমদগী মি: ৫০০ মুকতি হেন্না ৱাংই।

মতম অমদা মফম অস্বাইদা চকপা থাংজা খোংজোম্বনা নিংথৌ ওইনা পাল্লমই। মহাক্কী মতম ফাওবা থেল অসিগী মমিং চীংউথেল হায়না কৌরমই। মহাক্কী মতুংদা পাল্লম্বা চকপা কোলাম্বা নিংথৌগী মতমদগী শাঙাইথেল হায়না থেল অসিগী মমিং ওনখি। শাঙাইথেল হায়বা থেল অসিগী মমিং অসি করিগী কমদৌনা থোনখিবনো হায়বা অসিগী ফঙ্গা ৱারি লৈ।

মফম অসিদা শাগা ঙাগা পুন্না চাকতামিন্নরমই হায়বগীদমক মফম অসি শাঙাইথেল কৌখিবনি হায়না হৌখিবা মীরোলশিংনা লীনরম্বদগী শাঙাইথেল কৌখিবনি হায়না শাঙাইথেল খুলগী ২০০৯ দা চহী ৮২ শুরবা নিংথৌজম অহোং কৌবা অহন অমনা ৱারী লীরকই। মথংদা চহী ৭৫ হেল্লবা অহল ঙাংবম কুলচান্দ হায়বা পুয়া পায়বা অহল অমনসু নিংথৌজম অহোংগী ৱারী অসিগা চপ মান্না লীরকই। ঙাংবম কুলচান্দনা চকপা থাংজ খোংজোম্বা অমসুং চকপা কোলাম্বনা মফম অস্বাইদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বগী ৱারী কৌৱু চীংগোইরোলদা য়াওই হায়না অইবদা তম্লকই।

হৌখিবা মতমদা কংলৈপাক্কী ইশিং নুংশিং করম তৌরমই হায়বগী মতাংদা শাঙাইথেল হায়বা থেল অসিগী শাঙাই হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসি হৌজিক্কী মতমগী কৈবুল লমজাও নেশনেল পার্কতা লৈরিবা মালেমগী মনুংদা অমতা ঙাইবা শা মখল শাঙাই, Brow antlered deer অসিবুনি। শাঙাই অসি ইশিং মপান্দদা লৈবা Semi-water dweller animal নি। ৱাফম অসিমকতনা কংলৈ তম্পাক্কী

ইশিংগী অৱাংবা (water level) অসি হৌজিক্কী শাঙাইথেল য়ৌরমই হায়বা তাকই। কংলৈপাক্কী পুৱারীগী মতম অমদা শাঙাইথেল হায়বা মফম অসি শাঙাইনা লৈবা মফম (Brow antlered deers home) ওইরমই তাকই। লোইননা ঙাগা লোইননা শাশিংনা চাকতামিন্নরমই হায়বা ফুংগা ৱারী অসিনা মতম অমদা কংলৈ তম্পাক্কী ইশিংগী ইমাই অসি হৌজিক্কী শাঙাইথেল ফাওবা ৱাংলমই হায়বসি অমুক্কা হেন্না কনশিলহল্লি।

পুৱারীগী ৱাফমদা, চৈথারোল কুম্বাবা (ইদি:১৯৬৭) গী লামাই ১২২ দা মহারাজ চীংথংখোম্বানা শাঙাইথেলদা লৈরমই, মথংদা শাঙাইপ্রৌদা হোংলকই হায়না শেংনা ইরি। অদুবু মফম অদুগী মীশিংনা নিংথৌ অমনা লৈরম্বগী খুদম অমতা ফংলমদে। মফম অদুগী মীশিংনা য়ুমজাও নত্রগা কনাগুম্বা নিংথৌগুম্বা অমনা লৈরম্বগী করিগুম্বা খুদম অমতা ফংদে হায়। নিংথৌজম অহল অসিনসু করিমতা মসিগী মতাং খংদে। মহাক্না ১৯৫০ দা মহাক্কী য়ুমজাও অদু শান্নবগী য়ুমফম থোনবদা লাংশোই অমা ফংখি হায়না তমই। অদুগা ঙাংবম কুলচান্দনদি মহাকসু ভগ্যচন্দ্রগী মতাং অসি করিমতা খংদে, পুয়াদসু য়াওদে হায়না তমই।

জয় শিংহ ভগ্যচন্দ্রগী ৱারী অসি ওইবা য়াবা অমদি লৈরি। শাঙাইথেলদগী খা নোংচুপ লোমদা ঙাপ্রুম চীংজেন লৈ, মসি উমংগী লম্বীদা মাইল ৭/৮ লাপই। মতম অমদা ভগ্যচন্দ্রনা অৱা কিদুনা কোইচেন চেন্দুনা লোৎলিঙৈদা শাঙাইথেল গী উমং অমসুং ঙাপ্রুম চীংজেন ময়া উমংদা লোৎতুনা লেল্লম্বা য়াই। ঙাপ্রুম চীংজেন্দগী কংলাগী নোংচুপ সনংথোং য়েংবদা য়াম্না শেংনা উই। মফম অদ্বাইদা লৈদুনা কংলাদা অৱা লাকপ্রা নত্রগা চৎখিব্রা য়েংদুনা লৈরম্বা য়াই, লাক্লগা কছাররোমদা হেক চেনখিবা, অৱা চৎখ্রগনা কংলৈ তম্পাকতা কুম্লক্লবা খুদোংচাবা য়েংদুনা লৈরম্বা য়াই হায়না লৌবা য়াই। শাঙাইথেলদা লাংশোই ফংই হায়বশিনদি শামু তোংবা মী লাক্লমই হায়বসিমদি শোয়দ্রে।

চিং মথকতা ঙাপ্রুম চীংজেল কৌবা মফম লৈরম্বশিনদি কংলৈ তম্পাক্কী ইশিং ইমাই অসি মফম অদুগী চীং অদু ফাওবা ৱাংলমই হায়না তাকপনি। মখাদা ꯀ গী মখাদা ঙাপ্রুমচীংচেল য়েংবিয়ু।

১৫। সরমা (শর্ম্মা) : সরমা হায়বা ৱাহৈ অসি কংলৈপাক্কী য়েলহৌ ৱাহৈ নত্তে। কংলৈপাক্কী মপান্দগী লাকপা মীওই কাংবু



(Emmigrant Community) অমগী কাংবু খংনবা (য়ুম্মাক) ৱাহৈনি। কংলৈপাক্কী য়েলহৌ ৱাহৈ নত্তে হায়বগী চাওরবা খুদম অমনা, কংলৈপাক্কী য়েলহৌ মীদি য়ুম্মাকনা হান্না ই, অদুগা মমিংনা কোন্না ই, মসি এসিয়াগী হৌফম শাৎফম মান্নবা মী পুম্মমক্কী মচৎনি। জাপানীজশিংনা মমিং ইবদা Tadatoshi Akiba, Takahashi Kintaro অসুম্না ই, Tadotoshi য়ুম্মাকনি Akiba মমিং অশেংবনি, Takahashi য়ুম্মাকনি Kintaro মমিং অশেংবনি। মীতৈসু য়ুম্মাম চাওবা অসুম্না ই। অদুগা নোংচুপলোমগীদি সংকর দয়াল শর্ম্ম (ভারতকী লৈখিদ্রবা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা), সুনিতি কুমার চটর্জ, বিপিন শর্ম্ম, হিলারী ক্লিলটন অসিনচিংবা। মিংশিং অসিগী অহানবা সরুক অদু অশেংবা মমিংনি, অকোনবগী সরুক অদুনা কাংবু (য়ুম্মাক) কী মমিংনি।

হৌজিক্কী কংলৈপাক্কী মীশিংগী মরকতা শর্ম্ম হায়বা মিং তাবা কাংবু অসি কংলৈপাক্কী য়েলহৌমী নত্তে।

১৬। সীজ : সীজ হায়বা নিংথেম মচাশিং ইমুংগী নুপীশিংদা তারিবা ৱাহৈ অসি কংলৈপাক্কী য়েলহৌঙৈগী ৱাহৈ নত্তে। ৱাহৈ অসি খৃ: চহীচা ১৮ শুবা মতমদগী লৈরকপনি হায়বা অসি নিংথেম মচাশিংগী ইমুং মনুংদদা লোইনবা অসিনসু শেংনা তাকই।

সীজ হায়বা ৱাহৈসিগী হৌরকফমগী ওইবা অকুপ্পা অইবনা শেংনা খংদে। অদুবু মীতম্বাল কৌবা ভগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপদি অসুম্ন। ইরি "মতম পুম্বদা নুপীশিংবু শা ঙাদা তৌবগুম শী শা হায়না লোইনৈ। অদুগীদমক নিংথৌনা অমদি নিংথৌ মচাশিংনা লৌবা নুপীবু শীশা হায়বদগী শমজিনখিদুনা শীজ হায়না কৌনখি। লাইরমলেনদগী কৌনরকপা লৈমা লৈমরেল হায়বসু মতাং অসিদা মুথৎখি॥"

১৭। সালাই তরেৎ : মালেম অসিগী লৈমাইদা খ্বাইদগী লিরবা মীওই কাংলুপ অমগী মমিং মীতৈ কৌই। মীতৈ হায়বা মীওই কাংলুপ অসি কাংবু তরেৎনা শাবা হায়বদি অচৌবা মীওই শাখায় তরেৎনা শাবা মীওইবা কাংলুপ অমনি। মীতৈ হায়বা কাংলুপ অসিবু অপুনবা ওইনা শাগৎলিবা তরেৎ অদুগী কাংবু (অচৌবা য়ুম্মাক) অমবু সালাই কৌই। কাংবু (অচৌবা য়ুম্মাক) তরেৎ অদুবু সালাই তরেৎ কৌই।

সালাই তরেৎ কনানা পোকই, কদাইদগী লাকপনো, কনাগী মচা মশুনো য়াম্না মুন্না খংবা মথৌ তাই। মদুনা কংলৈপাক্কী পুৱারীবু মুন্না খংবা হায়বা, মশানা মশাবু মুন্না খংবা হায়বা অদু ওইগদবনি। মীতৈনা য়েলহৌদগী

লৈরকপা (তারকপা) লৈপাকপু কংলৈপাক কৌই। কংলৈপাক্কী মনিংগী চীংশাংগী অৱাং নোংচুপতা কৌরু চীংতোন লৈ। চীংতোন অসি মালেমগী মী, শা, উচেক অসিনাচিংবা মপু (Creator) মানা অহানবা শেমফম, মতুংদা মালেমগী মফম অতৈদা শন্দোকখিবা মফমনি হায়না মীতৈগী ইপা ইপুশিংগী থাজনবীগী ইশৈ, লোইশোন কয়া থনমই। ময়ামশিং অদুগী মনুংদা মখাগী অনি অসিদং য়েংবিয়ু:

(১) কংলৈ সনা লৈময়োল
লাইনা থাবা লমদমনি।

..............

(২) অৱাং কৌরু অসুপ্পা
লৈমা-লাই খুন্দা অহানবা
নোংথ্রৈ মউ লিংলিবা
ইরিক মপান থারিবা
ও লাইনিংথৌ।

মথক্কী Mythology, Tradition অমদি Folklore গী লাইশোন, থাজনবীগী ইশৈ লাইশোনশিং অসি কংলৈপাক, কংলৈপাক্কী কৌব্রু (পুয়াদদি কৌপলু) চীংশাং অসি তাইবং মালেমগী থৌৱাই পানবশিংগী শন্দোকপগী ময়োলনি, মালেমগী ময়োলনি হায়বনি।

মীতৈ কাংলুপকী চহী লীশীং কয়া লিরবা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা- ইলোন পুকোক হায়বা পুয়াগী লামাইদা কংলৈপাক্কী চীংতোম্ভা লাই হায়বা মী কাংলুপ অমা তারমই হায়না শেংনা ইরি। মদুগা লোইননা মথক্কী থাজনবীগী লাইশোন ইশৈ অসিদদি, কৌব্রুদা লৈমা - লাই হায়বা মী কাংলুপ অমা অহানবা ওইনা তারমই (লৈরমই) হায়না তশেং তশেংনা কংলৈ ইপা ইপুশিংনা নিংশিংবা থোকদ্রবা মতমদগী শকতুনা লাকই।

মথক্কী অসিগা ইরোইননা অমুক, মথক্তা পনজখ্রবা পুয়া অসিগী লামাইদা হৌজিক্কী ইম্ফাল কংলা (কংলা লাইফমলেল) অসিদা লাইয়ামশিংনা কুমথরক্লগা অহানবা মীওইবা ওইনা তমপাকতা, তম্পাক্কী ইশিং কংথবা হৌরক্লবা মতমদা পাল্লমই, মখোয়না কংলৈপাক হায়না লৈপাক্কী মমিং অসি থোল্লমই হায়না ইরি।



ইং চৈচৎ ২০০৯ দা কংলাদা পাংথোকখিবা Archaeological excavation অমদগী কংলা লাই ফমলেনদা মী তাবা হৌবসি ঙসিগী মমাং চহী ২০,০০০ লোমদনি হায়বসি খংবা ঙমখ্রে। মসিদগী ঐখোয়না হৌজিক খংলিবসি কংলৈ তম্পাকতা কৌব্রু চীংদোম্দগী লাইয়ামশিং তম্পাকতা কুমথরকতুনা মীতাবা হৌখিপসি ঙসি ফাওবদা চহী ২০,০০০ লোম শুরে। মীতৈনা লৈবা লৈপাকপু কংলৈপাক হায়না মমিং অসিসু ঙসিগী মমাং চহী ২০,০০০ অদ্বাইদা থোল্লম্বনি হায়মসি তশেংনা খংলে।

কংলৈ তম্পাকতা লাইয়ামশিং অসিনা পাল্লকপা মতম খরগী মতুংদা লাইয়ামশিংগী মরকতা কোচীন তুকথপা ইপু অথৌবা পাখংপা হায়বা নুপা অমা পোক্লমই। নুপা অসিগী অশেংবা মমিংদি কোনচীন তুকথপা হায়বনি, ইপু অথৌপা হায়বদি মহাক্কী মীয়াম্মা পীবা মিংথোলনি, Brave Grand Father (Military Leader) হায়বনি, পাখংপা হায়বা মিংগী শরুক অসিসু মীয়াম্মা মাঙোম্দা পীবা মিংথোলনি, ৱাহন্থোকতি তেংপানবা মপু তাইবংগী মপা (Creator Father) মহাকপু খংবা নুপা হায়বনি। কোনচীন তুকথপানা লাই নিংওন (লাই নুরা) তরেৎ পান্নখি। লাই নুরা অমমম্মা মচা নুপা অমমম পোকখি। মমিংশিংদি - মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইলাং, খাপা-ঙানপা, সালাই লৈশাংথেম কৌই। ঐখোয়গী হৌজিক হিংলিবা সালাই তরেৎ কী মমিং অসি, কোনচীন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপগী মচা তরেৎতগী হায়বদি মচা ৭ কী মমিংদগী লৌবনি।

কোচীন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপা অসি কংলৈ নিংথৌ লৈপাক (Kanglei Monarchy) লিংখৎখিবা অহানবা কংলৈ নিংথৌনি।

মীতৈ কাংলুপ (Meetei Race) কী অচৌবা (য়ুম্নাক শাগৈ) তরেৎ খকতনি, সালাই তরেৎ কৌই। সালাই মাপন (৯) নত্তে। সালাই ৯ হায়না হায়রিবা অসি ১৮ শুবা চহীচাদগী মীতৈ মাংনবা শীনবা মপান্দগী লাকপা কাংবুগী ৱানি ... পুৱারী (History) অমদি Science না য়াদে। কংলৈচা মীতৈশিংনা নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী অহৌবা মচু তরেৎ (৭) হায়বদি Primary Seven Colours লৈ হায়বসি খংলমই। কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ কোনচীন তুকথবা ইপু অথৌপা পাখংপগী মচা তরেৎ হায়বদি মঙাং,

লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইলাং, খাপা ঙানপা অমসুং সালাই লৈশাংথেম অসি অহৌবা মচু তরেৎ অসিদগী লৌদুনা মমিং থোনখিবনি। মসি পুয়াদা শেংনা য়াওবা পোৎনি। মালেমনা মচু ৭ (তরেৎ) অসি হৌজিক্তি শেংনা খংলবনিনা সালাই মাপন (৯) হায়রিবসি খংদবা কাংবুনি নত্রগা মচীন থীবা কাংবুনি।

১৮। সালাই শাখাই তরেৎ : সালাই ৭ অসি লাই নুপী তরেৎ (পুয়াদদি লাই লুপ তলেত), কোনচীন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপানা পান্নদুনা পোকপা মচা ৭ নি। লাই নুপী ত:রেৎ, সালাই ৭ কী মমাশিং অদুদি মথং মনাও নাইনা- (১) নুলা ইপেমমা লাইকোক হুইমুলৈ পুকসি খোমপী - মঙাংগী মমা। (২) নুলা ইপেম্মা হুইমু লৈমা - লুৱাংগী মমা। (৩) নুলা ইপেমমা লোইখুমপী মৱাই থোংঙাইলেলপী - খুমনগী মমা। (৪) নুলা ইপেমমা লাইয়েক পীথেত লৈমা - অঙোমগী মমা। (৫) নুলা ইপেমমা লৈমা উলুম খাউচাউ তোনপী- মোইলাংগী মমা। (৬) নুলা ইপেমমা লৈথম তালি লৈমা - খাপা- ঙানপগী মমা। (৭) নুলা ইপেমমা নোংহাইনু লিলী লৈমা - সালাই লৈশাংথেমগী মমা। নিংথৌ কোনচীন তুকথপাগী মচা সালাই তরেৎ অসিনা মমাশিংগা লোইননা তোঙান তোঙানবা মফম ৭ তা লৈবা মরমনা, সালাই তরেৎকী সালাই মী কাংবু তরেৎ অসিনা কংলৈপাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম ৭ তা লৈবা অসি কংলৈ পুৱারীদা ঐখোয়না থেংনরিবা অদুনি।

থাইনগী মতমদা তোঙান তোঙানবা মফম ৭ তা লৈবা সালাই তরেৎকী সালাইমী কাংবু তরেৎ অসিবু সালাই শাখাই ৭ কৌই।

১৯। সরিসো ! : 'সরিসো হায়বা ৱাহৈ অসি কংলৈলোনগী অশেংবা ৱাহৈদি 'সলীসো'হায়বনি। সলীসো = স + লী+ সো হায়বা ৱাহৈ অসি ৱাহৈ অহুমগী অপুনবা ৱাহৈ, খোম্লোক (Compound word) নি। স = সা= হকচাং, অহিংবা পুম্নমককি মশাদা + লী= লীদুনা, লেংদনা লৈবা, তেংপানবা মপু, তাইবং পানবা মপু অদুবুনি + সো হায়বদি ৱাশকপা, অরেপ্পা ওইসনু, মপু মানা খংসনু হায়বা ফোংদোকপগী মওংনি।

কংলৈচাশিং য়াম্না থৌনা ফবা, অচুম্বা ঙাকপা, মরৈপাক্কীদমক থৌৱাই থাবা কিদবা মী কাংলুপনি। থাইনা কংলৈচাশিংনা অচুম্বা ঙাক্লনবগীদমক, মরৈপাক কন্ননবগীদমক



মথৌৱাই থারমদাই মতম ফাওবা য়ৌরক্লবা মতমদা অসুম্না লাউদুনা চোংথোক্লমই - নোংমাদা পোকপা মচানা নিনি শিবা হৌনদে, শানা পুনা খংসনো, 'সরিসো' না ৱাশকতুনা খুৎলাই পাইদুনা চোংথোকই। সিরবসু শিনা মথৌ পাংথোক্লবা হোৎনৈ।

২০। সালাইলেল সিতপা : সালাইলেল সিতপা হায়বদি ঐখোয়না হৌজিক ২১ শুবা চহীচাদা সোরারেল হায়রিবা ৱাহৈ অদুনি। ঐখোয়না হৌজিক হায়রিবা শিজিন্নরিবা ৱাহৈ অসি সোরারেলতা হায়বা নত্তে, ইপা সোরারেল হায়রিবনি। সোরারেল হায়বদি সালাইলেল সিতপা হায়বনি। সালাইলেল হায়বদি সা+ লাই + লেল হায়বনি। সা হায়বদি হকচাংপানবা পুম্নমক হায়বদি মী, শা, উচেক, উ, ৱা পুম্নমক অদুগা অতোপ্পা মওংদা ফোংদোক্লগা লাংওন পুম্নমক + লাই হায়বদি তেপানবা মপু, তাইবংপানবা মপু + লেল হায়বদি খ্বাইদগী হেনবা হায়বনি। মরম অদুনা সালাইলেল = সা + লাইলেল হায়বদি তাইবংপানবদা লৈরিবা মী, শা, উচেক, উ, ৱা পুম্নমকপু সেমলিবা মপু মহাকপু হায়বনি। সিতপা হায়বনি শিবা নাইদবা হায়বতনি।

ঐখোয়গী ইথকতা মপান নাইদবা, হৌবা লোইবা খংদবা অসিবু ইপা সোরারেল, অরিবা লোন্দা ইপা সালাইলেল সিতপা অদুগা অতোপ্পা লোন্দা অতিংআ নত্রগা লোইথৈদা অতিয়া হায়নসু খংনৈ।

লৈংদ্রবা, সিদপা, লোম্বা নাইদ্রবা, সংবানবা মচুনা লৈতেংবা, কোইনা উবা অসিবু কোইলৌ অতিংআ কৌই। মসিবু তাইপং ইপাকসু কৌই। মসিনা ঐখোয় কংলৈচা মীতৈ সালাই তরেৎপুসু মানা পোকপা মানা সেম্বনি হায়না খল্লি। মরম অসিনা ইপা সালাইলেল সিতপা কৌরিবনি।

কংলৈচাশিংগী থাজনবদা 'থৌৱাইমিচাক মথী' (নুমিদাংদা অতিংআদগী লংনা মালেমদা তারকপা), তারকপদা তাখিবা মফম অদুদা অঙাং পোকই হায়না থাজনৈ। নোং ঙাল্লকপা, নুমিৎ মঙালনা অতিংআ উরকপবু 'ইনুং ঙানবা' কৌই। ইনুং = ই + নুং হায়বদি ঈ (Blood) + নুং হায়বদি মনুং। মরম অসিনা 'ইনুং' হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহম্লোকতি 'ঈ মনুং' হায়বদি ঈ ঙাকতা লৈবা মফম ঙান্না উরে হায়বনি।

২১। সাইওন (লাংওন) : সাইওন নত্রগা লাংওন হায়বা ৱাহৈ

অনিমকসি অমতনি। ৱাহৈ অনিসিনা ফোংদোকলিবা অসি অমতনি: পোৎশক অমতনি। তেংপানবা মপু, (অরুবা ৱাখল্লোদা, হায়বদি technical ওইবা ৱাহৈদা) ইপুং লোইনপা অপকপা হায়রিবা অরোইবা মপু, তেংপানবা, তাইবং পানবা মপু (Ultimate God Creator Father) অদু পোৎশক ওইনা লৈবা নত্তে, ৱাকোনপুঙ (Vital Principle, Fundamental concept) ওইনা লৈবনি। পোৎশক ওইনা লৈবা নত্তবা, ৱাখলগী ময়োম, ৱাকোনপুঙ ওইনা লৈবা মহাক্না তাইপঙ পানপা শেম্লকপা মতমদা, মহাক্না তেংপানপা মপু ওইরম্বদগী তাইপঙ পানপা মপু ওইরকই। তেংপানপা মপু হায়বদি ইতেং তেংবা করিসু য়াওদবা অহাংপা অতিংআগী মপু ওইরম্বদগী তাইপঙপানপা মপু হায়বদি তাইপঙ পানবদা পোকপা, পোকপা শিবা নাইবা হকচাং মশা য়াওবা অহিংবা পোৎশক (material body) অমগী মপু ওইরকই, থৌৱাইমি ওইরকই। মপু মাগী মসিগী খোংচৎ হায়বদি ৱাখল ওইনা লৈবদগী অহিংবা থৌৱাই পানবা পোৎশকশিং ওইরকপা (From spiritual, conceptual to material living body) অসিবু সাইওন নত্রগা লাংওন কৌই। কংলৈচা ইপা ইপুশিংগী ৱাংলবা ৱাংউলোন (spiritualism, philosophy) গী ৱাফমনি।

হৌজিক কংলৈ ৱাহৈ পুক্কেদা (Kanglei Vocabulary) দা সাইওন নত্রগা লাংওন হায়বসি করিনো য়েংবিয়ু।

সাইওন= সা + ঈ + ওন। সাইওন হায়বা ৱাহৈ অসি মীতৈগী ৱাহৈ অহুমনা শেম্বা ৱাহৈ (compound word) নি। সাইওন= সা + ঈ + ওন হায়বদি শা, উচেক, মী অসিনচিংবা হকচাং পানবা, মশা য়াওবা থৌৱাই পানপশিং হায়বনি + ঈ হায়বদি হকচাংগী ঈ, থৌৱাই পানবশিংগী ঈ + ওন হায়বদি ওল্লকপা, ওইরকপা হায়বনি। হায়বদি ৱাখল ময়োম, ৱাখল চবুন (spiritual, immaterial) ওইরম্বদগী মপু মানা মী শা উচেক্ল চিংবা হকচাং পানবা ওইরকপা (material body, object) ওইরকপা অদুবু হায়বনি।

লাংওন = লাং + ওন। লাংওন হায়বা ৱাহৈ অসি মীতৈগী ৱাহৈ অনিনা শেম্বা ৱাহৈ (compound word) নি। লাংওন হায়বা ৱাহৈনা শাইওন নত্রগা লাংওন করম্না ওইরকপগে হায়বদু উৎলি। তেংপানবা মপু মহাক্না মতৌ করম্না মীওইবা শেম্লকপগে হায়বদু তাকই।



তেংপানবা মপু মহাক্না তাইপঙ মীওইবা শেম্বা মতমদা, কোক্না ইহান হান্না শেমই; কোক্কী শারুকতসু লাইপক্না ইহান হান্না শেমই।

তেংপানবা মপু মহাক্না মীওইবা শেম্মনবগীদমক পরিং লাংশং হুনখরে। হৌজিক ফাওবদা ২১ শুবা চহীচাদা য়ুম অমা শাবদা পরিং হুনবা চৎনরি। মীওইবগী হকচাং অসি মপু মাগী ময়ুমনি। মপু মানা পরিংলাংশং অদুগী ময়াইদা লৈদুনা লাংগী মওং ওইনা মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতিংআ পুম্নমক অসিবু মশাদা চিংশিল্লগা তাইবং মীগী কোক অসি শেম্বা হৌরকই। মথং মথং মিৎ, পা, না,.... মপুং ফাবা মীওইবগী হকচাং শেম্লকই। মপু মানা অহানবা লৈবা মীওইবা শেম্মবগী হৌখিবা মফম অদু মীওইবগী লাইপকনি। হৌবা নুমিৎ অদুবু লাংমাইচীং কৌই, ৭ নি চংনা মীওইবা অমগী হকচাং শেম্বনা থাংচা (থাংজ) নুমিৎতা পুম্লোই লোই।

মতৌ অসুম্না মপু মাগী ৱাখলদগী মীওইবা অমা মপুং ফানা শেম্বা অম্বিবু লাংওনবা (লাংওন) কৌই।

২২। সিবা : সিবা হায়বা মীতৈগী ৱাহৈ অসিগী অশেংবা ৱাহম্বোককতী সিদোকপা (য়ুম সিদোকপা) হায়বনি। মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অতিংআ হায়বদি হৌজিক্কী Biology গী ৱাহম্বোকতা oxygen, hydrogen, nitrogen, minerals etc. etc. পুম্নমক পু মপু মানা ফাজিল্লগা মপু মানা লাইপকতা লৈদুনা শেমখিবা (হে থৌৱাই মঙামক মিগা থানা তরুকমক) মীওইবগী সমু হকচাং অদুগী শাগৎলিবা পোৎলমশিং অদু পুন্না লৈবা/থম্বা য়ারকতদুনা মচেৎ মচেৎ নিংখায়রকপা, মচেৎ মচেৎ তারকপা শিদোরকপা অদুবু খংনৈ। মসি ইচম চম্বা হৌজিক্কী লোনদা হায়বনি।

অদুবু থাইনগী ইপা ইপুশিংনা সিবা হায়বা ৱাহৈ অসিবু থিজিল্লোনদা (হায়বদি technical ওইবা ৱাহৈদা) করি হায়রম্বগে হায়বদু য়েংবিয়ু। মসি খংবদা থাইনগী মীতৈ ইপা ইপুশিং অদু Mental science (Psychology) দা কয়াম্না খংলম্বগে হায়বদু খংবা ঙমই। কংলৈচা মীতৈশিংনা ‘সিবাবু’ থিজিল্লোনদা ‘খমনুং সৱা তান, অমম য়াথোং কুম’ হায়না ফোংদোকই। ‘খমনুং সৱা তাম, অমম য়াইথোং কুম’ হায়না Radio নচিংবদা তোয়র্না তারিবা অদু লাল্লি। মীতৈশিংগী য়াম্না ৱাংবা, খংবা ৱাখল্লোন অদু মুৎখিনবা শেমজিনবা ৱারেংনি।

'খমনুং সৰা তান, অমম য়াথোং কুম' হায়বা থিজিল্লোন অসিগী ৰাহন্থোক অসি মুন্না খংবিয়ু। খমনুং = খম + নুং = খম হায়বদি খন্বা, লোইবা (end) হায়বনি + নুং = মনুংগী হকচাংগী ৰাখল, লৌশিং, পুকনিং হায়বদি মীওইবগী হকচাংগী নুংগী ওইবা নুংঙাইবা, নুংশিবা, নুংওনবা, নুংনাংবা, নুংশুক নুংজানবা অসিনচিংবা পুম্নমকপু খংনৈ। মরম অসিনা খমনুং মীওইবগী পুকনিং ৰাখলগা মরি লৈনবা মথক্কী ময়াম অসিবু লোইবা মাংখিবা খংনৈ। সম্মা হায়রবদা মী অমাগী মহাক্কী থৌৰাই মিরেলনা তাইপং হকচাংবু থাদোকতুনা মপুগী মনাকতা চৎখিবা, সিবা হায়বা থৌদোক অদুবু খংনবা হায়বনি।

সৰা = সাৰা = সা + ৰা = সা হায়বদি সাগী শারুক ওইবা হকচাং ইশা, মীওইবগী মসাবু খংনৈ + ৰা = ৰাবা, শিরমদাইদা হকচাংনা, মীওইবগী মশানা ৰাবা, ৰারকপা, মীওইবনা তৌরাং ফকতা ওন্দুনা, পলেম ইমা শোন্দুনা ওন্ন থোইন্না ৰাবা খাংলকপবু খংনৈ। 'তান' হায়বদি তানবা, তান্নববু খংনৈ। পুকনিং ৰাখলনা লোম্লমদাইদা, হকচাং, মীওইবগী মশানা ৰাবা অসুম অসুম হেনজিল্লকই, হায়বদি হকচাংগী মীওইবগী মশাগী ৰাবা হেল্লকপগা, পুকনিং ৰাখল লোম্লমদাইগী খোংচৎকা অসুম অসুম তান তান্নদুনা চৎমিন্নৈ হায়বনি।

'অমম য়াথোং কুম'। অমম = অমম্বা হায়বদি খংদবা, খংবা য়াদববু খংনৈ। মীওইবনা সিবদা চৎকদৌরিবা, খোংচৎ, করি ওইগদবা পুম্নমক খংদে, খংবসু য়াদে, অমম্বনি। 'য়াথোং' = য়া হায়বদি য়ানা, ইশানা য়ানা, শিবা হায়বা থবক অসি পুনসিদা তৌদবা শুকয়া য়াদ্রবা থবকনি, শিবা কিরবসু শিদবদি য়ারোই, মরম অসিনা মীওইবা খুদিং মশানা য়ানা শিবগী 'থোং' দা চৎলি, কুমথৈ। মীওইবা পুম্নমকসি তাইবং পুনসিগী অরোইবা মতমদদি, ৰাবনা খম থেংলক্কবা মতমদদি, মানা নিংজবা মপু মঙোন্দা লাইনিংথৌ নংনা ঐবু লৌশিনবিরো হায়না শোল্লগা পুনসি লোম্নখিবা ঙাক্তনি। মসিবু থিজিল্লোন্দা 'অমম য়াথোং কুম' হায়না ফোংদোকই। 'অমম য়াইথোং কুম' হায়বা সুকয়া য়াদে।

২৩। সনাচীং : সনাচীং হায়বা ৰাহৈসি 'সনচীং' হায়না ইবসু য়াই। মীতৈ মীওই কাংলুপকী সনাচীং হায়বা ৰাহৈ পুক্কৈগী ৰা, ৰাহৈগী ৰাহন্থোকতি সনাচীং।সনচীং = সনা + চীংনি। 'সনা' হায়বা মফম অসিদা য়াওরিবা ৰাহৈ অসি হৌজিক্কী মতমগী লৈতেংগী পোৎশক 'সোনা' দগী ওল্লকপা সনাগা করিগুম্বা অমতা মরি লৈনদে। মফম অসিগী 'সনা' হায়বা ৰাহৈ অসিদি 'সনামহী লাইনিংথৌ' দা য়াওরিবা 'সনা' হায়বা ৰাহৈ অদুগী ৰাহন্থোকনি। মফম অসিদা 'চীং' হায়না পল্লিবা অদুনা চিংখৎপা, চিংখৎতুনা থম্বা মফমগী ৰাখলনি, চিংখৎপা অমসুং চিংখৎতুনা থম্বা মফমগী ৰাখল্লোন ফজনা ফোংদোকই।



মসিগী হেক মখা তারকপা ৰাফমনা, সনাচীং কদাইদা লৈবগে হায়বা ৰাফম অসিনি। সনাচীং হায়বা সন্থোকপগী ময়াই, মকোক ওইরিবা মফম অসি কোকতা লৈ।

"ৰাকোনপুংতা লৈপা তোংসাকী মচুতি সানা অহীংপা মচুনে॥ ফিসেৎতি অঙৌপনে। সলাই চৈয়োম তলেত মাকী মফমতা ওন-থোইতানা অহিং নোংখিল নাইতনা হা-হুং হৈ-হা হিং মপুনা থৌতানা অকা অকুম শানৈয়ে"। মথক্কী ৰাহৈ অসি ৰাচেৎলোন পথুপ্ পুয়াদা হায়বনি। মথক্কী ৰাহৈ পরেংশিং অসিদা য়াওরিবা 'ৰাকোপ্পুং' হায়বা ৰাহৈ অসি কোকতা লৈ। 'মচুতি সানা অহীংপা মচুনে' হায়বা ৰাহৈনা সন্থোকপগী ৰাখল্লোন শেংনা ফোংদোকই। 'ফিজেৎতি অঙৌপনে' হায়বসিনা শন্থোকপগা মরি লৈনবা সনা মহী অদুগী মচু অদু পশোৎনি, ঙৌরুনবনি হায়বসি মী পুম্নামক্কা মুন্না খংই। অদুগা অমুক খমওই য়াংওই সেকনিং পুয়াদা 'লাংয়েন সিতাপা' মহাকতি 'পিসুম অনি কী মলকতা ঙাননা লৈয়ে' হায়রিবা অদুসু ময়াম্মা থেংনবিরম্বা য়াই। মফম অসিদা 'লাংয়েন' হায়রিবা অসিগী ৰাহৈ [illegible] তা ৰাকোকলোন হীলেল থিলেন সালাই অমা-ইলোন পুকোক পুয়াদা 'লাংওন খুতিংকী মী । সা । খোংলি লাউলিপা খৈপিককী পুথোকফমনে' হলায়রিবা অসি পুম্নমক অসিনা কোকতা 'সনাচীং' লৈ হায়বনি।

মী অয়াম্বনা শিরমদাইদা নাতোন মতোন পৈথলকই হায়। মসিবু 'সনাচীং পৈরে' সিরনি হায়বনি। অদুবু নাতোনদি 'সনাচীং' নত্তে, পুয়ানা নাতোন মতোনবু 'সনাচীং মতোন', নত্রগা 'সনাচীং চীংমৈ' কৌই।

২৪। সংকাই : কংলৈচা মীতৈশিংগী লৈনবা য়ুমচাউপু সংকাই (সংগাই) হায়না খংনৈ। মীতৈ য়ুমদি তাইবং হকচাংগা চাংতমনৈ, তাইবং হকচাংদা মপু মানা শেম্বা (শাবা) লোইরবা মতুংদা মপু মহাক্না লেংদনা লাইপকতা লৈবগুম, মীতৈ ঐখোয়গী য়ুমচাউতি শাবা লোইবগা সংকাবা নুমিৎতগী সনামহী লাইনিংথৌনা

কাখৎতুনা (চংদুনা) লেংদনা লৈ। মীতৈনা সং হায়বদি ইম, য়ুমবু খংনৈ। মরম অসিনা মীতৈ হায়বা কাংলুপ্না মীতৈগী লৈনবা য়ুমবু সংকাই (সংগাই) হায়না খংনৈ। নিংথৌগী লৈনবা ইম, য়ুম্বু 'সনা সংকায়' কৌই।

২৫। সেম্বী: কংলৈ মীতৈ কাংলুপকী ৱাহৈ পুক্কেদা য়াওরিবা 'সেম্বী' হায়বা ৱাহৈ অসি ঐখোয় মীতৈ চীংতমগী নত্তবা অতোপ্পা লৈপাক্কী ওইবা মী, পোৎপু খংনৈ। মোইরাংগী খম্বা থোইবীগী ৱারীদা লাংলেল থোইবীবু, নোংবান্দা থাজবদা য়াদে হায়দুনা, মোইরাং নিংথৌগী মথং খনবা মনাও নুপানা পোকচবী থোইবীবু লোই থাবা কবোগী মফম অদুবু মোইরাংনা 'সেম্বী কবো পদাংখোং' হায়না কৌই। পদাংখোং হায়রিবা লম অসি কংলৈপাক অমসুং মোইরাংগী লম নত্তবনিনা 'সেম্বী' নত্রগী 'সেম্বী কবো' হায়না খংনরিবনি। ঐখোয়না হৌজিক পামহৈবা লারৈ লাথুপ কৌদুনা পামহৈবগী পুনসি অথুপ-অরোল কয়া ইরিবা লাইরিক অসি 'সেম্বী মুকাকলৈ' কৌদুনা লৈরমই। মফম অসিদা য়াওরিবা 'সেম্বী' হায়বা ৱাহৈ অসিবু মীতোপ, ঐখোয়গী লৈপাক্কী মী নত্তবা হায়বনি, foreign, foreigner হায়বা ৱাহৈনি। কংলৈ মীতৈগী ৱাহৈ পুক্কেদা 'থোংনাং' হায়বা ৱাহৈ অমা লৈরকপসি হিন্দুগী মতম, ১৮ শুবা চহীচাদগীনি হায়না থাজৈ। হিন্দুগী মতমদা ইবা চৈথারোল কুম্বাবা (1967 Edition) দা লামাই ৬০ দা শকাব্দ ১৬৩১ গী থৱান থাগী '২৩ নি য়ুমশকৈশাদা মৈদিংঙু ময়াম্বনা চহি ২০ দা ফম্বান কাইএ' হায়না ই। মফম অসিদা 'মৈদিংঙু ময়াম্বনা' হায়রিবা অসি পামহৈববুনি। অদুগা অরিবম রজনি কুমার গী Radio Serial, Kong Matu Pegoda দদি পামহৈববু 'Meidingu Thongnang Mayamba' হায়। মরম অসিনা 'থোংনাং' হায়বা ৱাহৈশি, মীতৈগী হান্নগী ৱাহৈ 'সেম্বী' গা ৱাহন্থোক মান্নৈ, Foreigner হায়বনি হায়না খল্লি।

২৬। সেন্নু : কংলৈচা য়ুম খুদিংদা 'সেন্নু' নত্রগা 'সেননু' হায়বা ৱাহৈ অসি তাদবা ইমুং লৈরম্লোই হায়না থাজৈ। কংলৈচাশিংনা মতম খরা হিন্দুশিংগী মখাদা হিন্দুশিংগী মনাৎ চৎলুবাদগী, কংলৈচাশিংনা ৱাংলবা মখোয়গী মনাৎপু থাদোক্লুবদগী মশাগী মরোল কাওরে, ৱাহন্থোক খংদ্রে। 'সেন্নু' নত্রগা 'সেননু' হায়বা ৱাহৈসি লাংলেন থোইবী নিংথৌ কোনগী নিংথিবী শকহেনবী নুজা অদুগা লোইনদুনতা লৈবী নুজা মমান্নবী অদুগী মমিংনি হায়না



খংনৈ। 'সেননু' হায়বা ৱাহৈ অসি লাংলেল থোইবীগী লোইনবী নুজা অদুগী মমিং নত্তে।

মোইরাংগী থোইবী অসি নিংথৌ কোনগী মথং খনবা চীংখুবগী অমতা ঙাইজবী নুজা লাংলেন থোইবীনি, থেক্ক থেক নৌতা নৌ লৈপাক্কী মিৎয়েং থম্মরিবী লাংলেন থোইবীনি, চাগেদা মনীং শেৎকেদা মনিং তৌদুনা হিংখিবী লাংলেল থোইবীনি। তুম্বদা, চাবদা, কেবদা, চৎপদা কদাইদা সোয়খিগদগে হায়দুনা সেন্নবী নুপী মমান্নবী অমা থমদুনা য়োকখিবী লাংলেল থোইবীনি। সেন্নবা থমলিবী নুপীবু মীতৈ কংলৈচাগী ৱাহৈ পুক্কেদা 'সেননু' কৌই, মমিং নত্তে।

২৭। সন্থোং : কংলৈচা মীতৈ কাংলুপ (Race) কী ৱাহৈ পুক্কেদা 'সন্থোং' হায়বা ৱা।ৱাহৈ অসি কংলৈ ঈনাৎকী য়াম্না মরু ওইবা ৱা।ৱাহৈনি। হিন্দুনা নিংথৌ ওইরকঙৈদগী ৱাহৈ অসি 'সনধোং' হায়নসু লান্না হায়নরে।

মীতৈগী ইনাৎ অমসুং খুন্নাইদা মীতৈনা চহী লীশীং কয়া শাদুনা লৈরক্লবা মীতৈ য়ুমচাও অসি তেংপানবা মপু মানা মাগী মশক্তা শেম্বা 'তাইপং মী' অসিগী মওংনি। ঐখোয়ন হৌজিক ঐখোয়গী লৈনবা ইম (য়ুম) গী মনুংবু 'ঈমুং' কৌই। ঈমুং হায়বদি 'ঈ+ মনুং' হায়বনি। ঈ মনুং হায়বদি ঈ লৈফম তাইবং মীওইবনি। ঐখোয় মীতৈগী ইমচাও (য়ুমচাও) অসি নুপা অমগী মওংদা শাবনি। ইমচাওগী য়েৎথংবা মোইরাংলাইচিগী চিথেক অদুবু মীতৈনা সনামহী কাচিন কৌই। কাচিন অসি মী সন্থোকলিবা সনামহী লাইনিংথৌগী কাচিন হায়বনি। সনা মহী = সনা + মহী = সনা হায়বদি সন্থোকপা, তাইপং থৌৱাই পানবশিং সন্থোকপবু খংনৈ + মহী হায়বদি চুম্না মহী ওইবা পোৎ হায়বনি। তাইপংকী মপা ওইরিবা মপু মহাক্না নুপাদগী থোকপা মহী অসিদা তোংদুনা তাইপং থৌৱাই পানবশিং শন্থোকপা লাকই হায়বদগী মহী অসিবু সনা মহী লাইনিংথৌ হায়না খংনরকপ্পনি। মীতৈগী লাই হরাওবদা 'অঙৌপা শাকোন তোংপরা?' হায়রিবদুনা তাকপদি 'তেংপানপা মপু অদন্না নঙোন্দা তোংদুনা লাকপরা? হায়বনি।' ইমচাওগী মনুংগী কাচিনবু সনামহী কাচিন কৌরগা, মদুগী কাচিন অদুগী হেক মপান চিথেক ইমগী মোইরাং লাইচিংগী মপানগী চিথেক অদুবু 'সন্থোং' কৌই।

সন্থোং = সন + থোং হায়বদি সন্থোকপগী থোং হায়বনি। মপু মানা হুকশাং, হকচাং মনুংদা লৈরগা, মপান্দা তাইপং শন্থোক্ল

বা থাদোকফম ওইরিবা শরুক অদুবু 'সন্থোং' নত্রগা সনাথোং হায়পনি। অদুগা নুপাগী হকচাং শরুক অদুবুসু 'সন্থোং' কৌই।

২৮। সনামহী : মথক্কী সন্থোংদা মুন্না পাবিয়ু 'সনামহী' মশক খংলনি।

২৯। সনাখুৱা : সনাখ্বা নত্রগা করিগুম্বদা সনপখা হায়নসু ইনরে, ঙাংনরে। পুম্নমক অসি মীতৈনা মশাগী মনাৎ থাদোকতুনা, মফম মরাং খংদবা হিন্দুগী মনাৎ লৌরুবদগী মরোলগী ৱাহন্থোক খংলকতবদগী থোকলকপনি। মীতৈ দি ১৮ শুবা চহী চাদা হিন্দু লাকপগী মমাংদা চহী লীশিং কয়া নিংথৌ পান্দুনা লাক্লুবা ঈ কাংলুপ ওইবনা মী কাংলুপ অতৈদগী হেন্বা থকশী খাসী চৎন লোনচৎ কয়া মীতৈগী ইনাৎতা, খুন্নাইদা লৈ। মদুগী মনুংদা 'সনাখুৱা', 'সনপ্খা', 'সনাখ্বা' ৱাহৈসু অমনি।

সনাখ্বা, সনাখুৱা হায়বসি কংলৈ সনা কোন্নুংগী থৌগল্লোন ৱাহৈনি। মসিগী ৱাহন্থোকতি সনা খ্বা, সনা খুৱা হায়বসি সনা + খুয়া + খা নত্রগা সনা+ খুয়া + মখা হায়বদগী ওল্লকপা ৱাহৈনি। মীতৈগী নিংথৌদি তাইবং পানবা মপু অদুগী মহুৎনি হায়না লৌবনা মহাকপু সনা কৌই। সনা হায়বদি তাইবংবু শেমলিবা তাইবংগী মপা মহাক্কী মিংলেন্নি। সনা হায়বদি শন্দোকপা হায়বনি। সনা কোন্নুংদা নিংথৌগী মফমদা চংজদুনা হায়জ নোনজবগী ৱাহৈনি সনাখ্বা হায়বা থৌগল্লোনগী ৱাহৈসি।

৩০। সচিফু লৈখুন তৌবা, মিরেল পাপোৎ লোনপা : সচিফু লৈখুন তৌপা, মিরেল পাপোৎ লোনপা হায়বা ৱাফম অসি হৌজিক্কী কংলৈচাশিংনা সজিবু লৈখুল তৌবা, মিরেল পাবোৎ লোনবা হায়নসু হায়নৈ।

মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাহৈ পরেং অসিনা হৌজিক্কী মতমদা শজিবুদা চহী হৌই হায়না হিন্দুগী মতমদগী চৈরাওবা হায়না কৌদুনা চহী হৌই হায়রিবা অসি তশেংনা লাল্লি হায়বা তাকই। চৈরাওবা হায়বদি চৈ পাইদুনা লাওই হায়বনি চহী হৌই হায়বা নত্তে।

ৱাকচীংদা মপন পন্থৌগী কোকলেল সনাচীংদা তুংদুনা লৈবা থৌৱাই মিলেল অদু মপন পন্থৌগী মীৎ নাহাদা কুমথরক্কে। মতম অসিদা মপন পন্থৌগী মীৎ নাহা অনি লোংই। মসিবু মপন পন্থৌনা নাওপুবা (মপানা থা অনি নাও পুই) হায়বদু কৌই। থা অসিবু ফাইলেল থা (ফাইরেল থা) কৌই। অনিশুবা চহীগী থানি। মপন পন্থৌ মপাগী মফমদা থৌৱাই অনি শুরে, ফাইরে হায়বদগী ফাইলেল থা কৌই। অনিশুবা মপন পন্থৌগী মফমদা



ফাইলকখিবা থৌৱাই অদু অহুম শুবা চহীগী থা লমতাদা লৈপাক অহীংবীদা (নুপীদা) লৈচিন নোংফাইগুম ইচাই চাইনা তারে, লমতা থা কৌই।

লমতা থাদা তারকখিবা মপা পন্থৌদগী থৌৱাই মিরেল অদুনা মীওই মপোক লাংওন্নবগীদমক পলেম মমাগী চালোৎ (womb) দা হুৎচিন্দুনা চংলকলে, মসিবু সচীফু লৈখুল তৌবা কৌই। শচীফু = সা + চী + ফু = সা হায়বদি সাগী মীওইবা হকচাংগী মরু ওইবা সরুক + চী হায়বদি চিশিল্লকলে, চংশীনলকলে + ফু হায়বদি চালোৎ চফু (womb) অদুগী মনুংদা হায়বনি। সচিফু (সাজিবু) চহীগী মরি শুবা থানি, পলেম মমাগী মফমদা লৈবা অনিশুবা থানি। মতম অসিবু কংলৈচাশিংনা পলেম ওইবী মমা অদু থৌৱাই মিরেল অনি পুরে, মিরেল পাপোৎ লোল্লে; মিরেল অনি শুরে, মিলেল পাপোৎ লোনপা কৌই।

## ꯂ (ল)

**ꯂ** : শকতম অসি কংলৈচা মীতৈগী ইনবা ময়েক (ইয়েক) ১৮ লৈবগী মনুংদা অহুম শুবা ইয়েক (ময়েক) নি।

ইয়েক অসিগী হৌরকফম অমসুং শকতম অসি পুথোক্লকপগী (য়েকথোক্লকপা)গী মতাংদা অসুম্না পুয়াদা ইরি - "তাইপঙপালপা মপু সিতাপানা খঙতপাপু খঙহললে।। লাইকী লাই অলুপানা খুনা হাননা লৈলে হাইপাকী লাইলোতপাসুং কৌয়ে।। মাকী লাইমিং মমিংতি ই নুঙলোননা লাই কৌয়ে। খুনুঙলোনখোনথোক ইনিননা লাইপক কৌয়ে।। লাই কী ই.য়েকতি অ.সিনে (**ꯂ**)লেপনা খঙপীও।।০।।"

মথক্কী পুয়াগী ৱাফম অসিনা মীশেমলোনগী ৱাফমসু তাকই, ময়েক্কী ৱাফমসু তাকই, য়েক্লমপগী ৱাফমসু তাকই।

তাইবং মীওইবা শেম্লকপদা তেংপালপা মপু (Universal Lord) অদুনা মীওইবগী কোক্কী শরুক হান্না শেমই, কোক্কী মফম অমা ওইরিবা লাইপক হান্না শেমদুনা মফম অদুদা লেংদনা লৈরগা কোক অমসুং হকচাংগী শরুক পুম্নমক মথং মথং শেম্লকই। পুয়ানা 'লাইকী লাই অলুপা' হায়রিবা অদুনা তেংপালপা মপু (Universal Lord) নি, অদু মীওইবগী খংনবগী পাঙ্গল পীরিবা লাইপকতা লৈবা লাই অদুনা 'তাইপঙপালপা মপুনি'। হায়বদি তিংপালপা, তেংপালপা মপু (Universal Lord) অদুনা মীওইবা মশাদা হায়বদি লাইপকতা লৈরবা মতমদা 'তাইপঙপানবা মপু' ওইরকই, অদুগা

হিন্দুশিংগী ৱাহৈদা শিজিন্নবা তারবদি তিংপালপা, তেংপালবা মপু অদুনা পরমা আতমানি, অদু তাইপঙপালপা মপু অদুনা জীব আতমানি। পুয়ানা 'খোনথোক ই:নিন' হায়রিবা অসিনা হৌজিক্কী মতমগী Language Science না Phoneme হায়রিবা অদুনি। ꯃ গী শকতম অসি মীওইবগী লাইপক্কী য়েৎ থংবা শরুকতগী লৌদুনা য়েকপনি।

২। লাই: লাই হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক অসি হৌজিক কংলৈ ৱাহৈ পুক্কেদা ৱাহন্থোক অনি লৈ। অহানবা ৱাহন্থোক্না লাই হায়বসি ঐখোয়বু শেম্বীবা শকথংদবা মপু অমসুং মহাক্কী লোইনবা শকউদবা কয়াবু খংনৈ - খুদম ওইনা - তেংপালপা মপু, তাইপঙপালপা মপু, সনামহী লাইনিংথৌ, নোংপোক চীংখৈ অপানপা অসিনচিংবা। অনিশুবা ৱাহন্থোক্না লাই হায়বা ৱাহৈসি কৌব্রু চীংতোন্দগী হৌরক্লগা তাইবং মালেম লমজাওদা পাকশন্না শন্থোকখিবা, কংলৈচাশিংগী মপা মপু ওইরিবা মী কাংলুপ অদুবু খংনৈ। ২০ শুবা অমসুং ২১ শুবা খৃ: গী চহীচা অসিদদি কংলৈচাশিংগী থাজনবীগী ৱারী ৱাতাই, ফুংগা ৱারী (Mythology, Tradition, Folk-lore etc.) অমসুং মতমগী Science না অমসুং পুয়ানা পুন্না কংলৈপাকতগী মীওইবা হৌখিবনি হায়বসি তাকপগুম তৌরি।

এসিয়াগী 'তাই' (Tai) হায়বা মী কাংলুপ অসিনা লাৎপা 'খমলাই' হায়বা লাই অসি কংলৈ মীতৈগী চহী হৌবদা খুরুম্নরিবা 'হনুবা লাইখম' লাইখম হায়বা লাই অদুনি।

হিন্দু নিংথৌ পাল্লিঙৈদা মাংই হায়জিনবিরম্লবা 'লোই' হায়বা মী কাংলুপ এসিয়াগী মফম কয়াদা পাকশন্না তাই। ঐখোয়না কৌব্রুদগী হৌখি হায়বা মুন্না খংলবা 'লাই' হায়বা মী কাংলুপ অসি Myanmar, Mizoram, মনিপুরগী Churachandpur District অমদি এসিয়াগী মফম কয়াদা পাকসন্না তাই। এসিয়াগী মী কয়াগী মমিং Gaile Lai, Leon Lai, Gigi Lai, Vikki Jhao Luwang, চীনাদা Luwang Guwangyu..... অসিনচিংবা কৌই।

Philipines তা মীতৈগী হনুবা হনুবীগী ফৌ শুবদা অতিংআ ৱাংখৎখি হায়বগী ফুঙ্গা ৱারী চপমান্নবা লৈ।

নোংচুপলোমগী নুপীশিংদা মীতৈগী নুপীগী মমিং ৱাহৈ 'নাওমি' হায়বসি পাকশন্না কৌই। Bible দসু য়াওই।

পুম্নমক অসি মালেমদা লৈরিবা মীয়ামসি কৌব্রু চীংদগী হৌখিবা লাইমী হায়বা লাই কাংলুপকী মীওইশিং অদুগী মচা



মশুশিংনি হায়বা তাকলিবা ৱাফম ঙাকতনি।

লোই, লোইপী চীং: লোই হায়বা ৱাহৈ অসি মী কাংলুপ অমগী মমিংনি। খুরখুল লোই, শেকমাই লোই অসিনা চিংবা। লোই হায়বা মী কাংলুপ অসি কংলৈপাক্কী লৈহৌমী কাংবুনি। ঐখোয়গী কংলৈপাক্তগা নত্তনা এসিয়া মহাদেশকী মফম কয়াদা য়ুমলৈ কৈলৈদুনা লৈরি। এসিয়াগী মফমশিংদদি লোই'হায়বা মী কাংলুপ অসি লাই· হায়বা মী কাংলুপকী লোইননা মফম কয়াদা খুন্দামিন্নৈ।

ঐখোয়না হৌজিক চীংবু লোইবীচীং নত্রগা লোইপীচীং হায়না খংনৈ। চীংগী ময়াবু (চীংয়াবু) লোইয়া লম হায়না খংনৈ।

লোইপীচীং চীং ৱাহন্থোক্তি = লোই + পী + চীং = হায়বদি লোই হায়বা মী কাংলুপপু পীরিবা চীং হায়বনি। লোইয়া হায়বনা লোইগা নক্লবা মফম হায়বনি। কৌব্রু চীংদোন্দগী লাই হায়বা মী কাংলুপ অসি হৌখিবনি হায়বসি পুয়াদা ইরমদুনা খংলবনিনা, ঐখোয়না হৌজিক লোই হায়বা মী কাংলুপ অসি লাই হায়বা মী কাংলুপ অদুগা অমতনি হায়বসি খংই।

মসিগী ৱাফমসি খংলকপদগীদি এসিয়াদা হৌজিক তারিবা লাই, লোই, তাই, অসিনাচিংবা পুম্নমকসি কংলৈপাক্কী চীংদগী হৌখিবা ঙাক্তনি হায়বসি হেন্না থাজবগা লোইননা খংবা হেল্লকই।

৩। লাংপা চক: কংলৈ মীতৈগী অইবা ৱাংউবশিংনা কংলৈপাক্কী ৱাখল্লোন্দা পুনসিবু খোংচৎ মরি (৪)গী মওংদা উৎলি। খোংচৎ মরি অদুদি - হৈচক, হাচক, কোন্না- চক, লাংপা চক নত্রগা লাং- চক। মরি অসিনি। লাংপা চক হায়বসি মরি অসিগী মনুংদা অমনি। চক হায়বা ৱাহৈ অসি ময়াম (মরি) অসিবু খংনবা ৱাহৈনি।

মীওইবা অমগী পুনসি খোংচৎ অসি মপাদগী হৌরগা, মমাদা লাক্লগা, মমাদগী মী ওইনা থোক্লক্লগা তাইপঙ পুনসি লেপ্লম্লবা মতুংদা থৌৱাইনা তাইপঙ পুনসি থাদোকতুনা অমুক খোংচৎ মরিগী মওং অসি লৌদুনা তাইপঙ লাংওল্লকই, অনৌবা লাংওল অদুনা অমুক চক মরি অসিগী খোংচৎ অমুক লৌই, অসুম্ন সিবা নাইদবা তাইপঙ মপু মানা পীবা থৌৱাইগী লেপতবা-ইক্কোই কোইনা চৎতুনা লৈবা খোংচৎ অসিবু চক্কোই = চকোই (হৌজিক্কী মান্নবা ৱাহৈ জগোই) কৌই।

থৌৱাই অমনা মপাদগী হৌরগা, মমাদা তাইরগা মীওইনা থোক্লকপা ফাওবা অসি চক মরি - হৈচক, হাচক, কোন্নচক, লাংপাচক কৌই অমসুং থা ১২ চংই, মপাদা থা ২ অদুগা মমাদা থা ১০।

তাইপঙ পুসি ওইনা লেলরা চকপু লাংপা চক কৌই, ৱাহল্লোকতি মীওইবা ওইনা লাংওনবা নত্রগা সাইওনবা চক হায়বনি।

৪। লাইখম : ঐখোয় মীতৈনা কংলৈ মীতৈগী ৱাহৈ পুক্কৈদা ফংলিবা 'লাইখম' হায়বা ৱাহৈ অসি খ্বাইদগী চাওবা লাই, অখম্বা লাই হায়বনি, মসিগী ৱাহল্লোকতি লাইখম = লাই + খম = লাই হায়বনা ইংলিস লোন্দা God হায়রিবা ৱাহৈ অদুনি, অদুগা খম হায়বনা খম্বা, অখম্বা, ইংলিস লোন্দা end হায়বা ৱাহৈ অদুনি। ইংলিস লোন্দা অমুক হন্না হায়বা তারবদি Universal Lord, Ultimate God হায়রনি।

ঐখোয় কংলৈচা মীতৈশিংনা চহী হৌবা নুমিৎতা চহী হৌবগী তেংপালপা, তাইপঙপানপা মপুবু খুরুমজবদা 'হনুবা কোকচাও', 'হনুবা লাইখম' অমসুং 'খুন্দাহানবা' হায়বা লাই অহুমগী মমিং শিজিন্নে। মমিং অহুম অসি লাই অমখকতগী মমিংনি, অরোইবা অখম্বা তেংপানপা মপু অদুবু কংলৈচা মীতৈশিং তোংঙান তোঙানবা মমিংদা খংনবনি।

হনুবা কোচাও = হনুবা হায়বদি খ্বাইদগী হন্বা, কোচাও = কোক + চাও = ক্লোক হায়বদি মীওইবগী হকচাংগী কোক, ৱাখল খনবগী কায়াৎ, ৱাখল (concept) পুম্নমক্কী হৌফম কায়াৎ অদুবু হায়বনি, চাও হায়বনা চাওবা, য়াম্না পাকচাওবা হায়বনি। মরম অসিনা হনুবা কোকচাও হায়বা ৱাহৈ অনি অসিনা ফোংদোকলিবদি তেংপানবা, তাইপঙপালবা অসিগী খ্বাইদগী হনবা মপাল নাইদ্রবা তেংপালপা মাগী মকোকতগী পুথোকলিম্বা য়েংকী লমদাং ওইবা মপুবু হায়বনি।

খুন্দা হানবা হায়বা ৱাহৈ অসিসু তাইপঙপালবগী অরোইবা মপু অদুবু হায়বনি। কংলৈ মীতৈগী ৱাহৈ পুক্কৈদা তাইবং শন্দোকপবু খুন্থোকপা কৌই। মরম অসিনা 'খুন্দা হানবা' হায়বদি তাইপঙ খুন্থোকপগী অহৌবা ওইরিবা, তাইবংবু শেম্লিবা God Creator Father অদুবু হায়বনি। তাইবংপালবদা মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসি তাইবংপালবগী লমচীং মৈরা (Torch Bearer) ওইরম্বা কাংলুপ (Race) নি।



য়াম্না ঙকপা নুংঙাইবা ৱাফম অমনা Assam গী Ahom-Tai নিংথৌশিংনা মীতৈগী Tradition গী লাই নিংলম্বা অসিনি।

"Kings flight and Garhgaon occupied by Mir Jumla (17th March, 1662)"

"He was anxious to save from the Enemy's raids the Sacred Articles of the two Royal Temples (Deo-Shals) of God Kham-Lai and God Tai-Kawphi. Having taken into his custody all the articles in them, he first proceeded to Raishat"

Padmaswar Gogoi গী লাইরিক THE TAI AND THE TAI KINGDOMS গী লামাই ৪০৮, ৪০৯, ৪১০ দা য়েংবিয়ু।

মথক্কী quotation দা 'God Kham-Lai' হায়বসি মীতৈগী Tradition গী লাই 'হনুবা লাইখম' হায়বা লাই অদুনি। Laikham হায়না ইবগী মহুৎতা Kham-Lai হায়না ইরকপদনি।

৫। লাইপক: লাইপক হায়বা ৱাহৈ অসি মীওইবগী হকচাংগী কোক্কী শরুকতা হায়বদি মায়দা পীশুম অনিগী মরক্কী মথক ওইরপনা লৈবা লৈতেম মান্নবা অদুবুনি। কোক্কী মসিগী শরুক অসিবু লাইপক (লাইবক) কৌই।

লাইপক= লাই + পক হায়বদি লাইনা পকতুনা লৈ, লাইনা মায়গী মফম অসিদা পকতুনা লৈ হায়বদগী মায়গী শরুক অসিবু লাইপক কৌবনি।

তেংপালপা মপু অদুনা তাইপঙপালপা মপু ওল্লকতুনা তাইবং মী শেম্লকপদা, কোক্কী শরুকনা ইহান হান্না শেমই। তাইপঙপালপা মপু অদুনা লাইপক হায়না খংনরিবা কোক্কী শরুক অসিদা লেংদনা লৈরগা হকচাং শরুক পুম্নমক অসিবু শাগৎলকই। শাগৎপা হৌবা নুমিৎ অদুবু লাংমায়চীং (Sunday) কৌই।

তাইপঙপালপা মপু অদুনা মীওইবগী পুনসিনা লোমদ্রিবা ফাওবা মায়গী শরুক অসিদা লেংদনা লৈ হায়বদগী মীওইবগী হকচাংগী শরুক কোক্কী মমাং থংবা শরুক অসিবু লাইপক কৌই।

৬। লাইলীক : ঐখোয় কংলৈচা মীতৈ হায়বা কাংলুপ অসিনা হৌজিক শিজিন্নরিবা লাইরিক হায়বা ৱাহৈ অসি হিন্দুশিংগী ময়েক ৩৫/৩৬ চৎলকপদগী মওং কায়খ্রবা ৱাহৈনি। হিন্দুশিংগী মমাংগী কংলৈ ৱাহৈ পুক্কৈগী অশেংবা মশকতি লাইলীক হায়বনি।

লাইরিক হায়বা ৱাহৈনা ‘লাইলীক’ কী ৱাহন্থোক পীবা ঙমদে।

লাইলীক = লাই + লীক = লাই হায়বদি তেংপালপা মপু, তাইপঙপালপা মপু + লীক হায়বদি লীক্লম, লস্বী তাকপা। মরম অসিনা লাইলীক হায়বদি তেংপালপা, তাইপঙপালপা মপুগী লীকলম, লস্বী তাকপা অইবা পোৎপু লাইলীক কৌই।

কংলৈ মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ (Human Race) অসিগী ইনবা ময়েক অসি মীশেম্লোন্দগী থোক্লকই। ময়েক্কী মশকসু মীওইবগী কায়াৎতঁগী লৌদুনা য়েক্লকই, লোইননা মমিংসু মীওইবগী কায়াৎতগী লৌদুনা থোক্লি। তাইবঙমী অসি তেংপানবা মপু মাগী মশকতগী লৌদুনা শেম্লকপনা, মীওইবগী মশাদা কংলৈ মীতৈগী ইনবা ময়েক অসি লোৎতুনা থমই। মীওইবগী মশাদা মপু মাগী মশক মতৌ, মতিক ময়াই অসিনচিংবা পুম্নমক য়াওবা মরমনা, মীতৈগী ময়েক্কী হৌফমসু মীওইবগী হকচাংনা ওইবনা, মীতৈগী ময়েক পুম্নমক মীওইবগী মশাগী ঈদা য়েকতুনা য়াওরি হায়না থাজবা মরম্না কংলৈ মীতৈনা ইনবা ময়েকপু ঈয়েক কৌই। মীওইবগী মশা, হকচাং অসিমক মপু মাগী কাংলোন তাকপা শকতমনি।

অসিগুম্বা ঈয়েকশিং অসিনা ইবা অইবা পোৎলমশিংবু লাইলীক কৌই।

৭। লাইচ, লাইচা: মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসিগী ৱাহৈ পুক্কৈদা য়াওরিবা ৱাহৈ লাইচা (লাইচ) হায়বা ৱাহৈ অসি তেংপালপা মপু (Universal Lord) অদুনা অনিশুবদা শেম্বা তাইবংগী থৌৱাই ওইরিবা পোৎশক ঈশিং হায়বা অসিবু খংনৈ। তেংপালপা মপু অদুনা তাইপঙ থৌৱাই পানবা শেম্লক্লবগীদমক হিংবদা য়াওদ্রবা য়াওদবা অহানবা পোৎশকতি মৈনি। মৈ হায়বা অসি লাইগী লোন্দদি কামপী কৌই। কামপী = কাম + পী = কাম হায়বদি কামথোরকপা, কাম্লগা পীথোরকপা + পী হায়বদি পীথোরকপা। মরম অসিনা মৈ, কামপী অসি মপু মহাক্লা তাইপঙকী থৌৱাই ওইনবা, থৌৱাই অদুবু পুরিবা তাইবংওইরিবশিংবু হিংবদা মতেং ওইনবা মশাদগী কামথোকতুনা তাইবংদা খুদোল তম্লকপনি। পুয়ানা

ꯑ (অমা) লৈবা মরম্না ইনুংলোন্না কামপী হায়না কৌখরে হায়না ইরি। ꯑ (অমা) হায়বদি তেংপালপা মপু মহাকপুনি।



তেংপালপা মপুগী অনিশুবা খুদোল তাইবংগী থৌৱাই ওইরিবা পোৎশকতি লাইচা ঈশিংনি। লাইচা = লাই + চা = লাই হায়বদি লাই (God) নি + চা হায়বদি মচা, মপু মাগী মশানা ওনবা পোৎশকনি। লাইচা য়াওরিবা চা অসি কনাগুম্বনা মচিনচাক, লাইগী মচিনজাকনি হায়না হন্দোকপসু য়াওই।

অহুমশুবা তেংপালপা মপু অদুনা সাইওনদুনা পুথোকপা পোৎশকতি মালঙপা নুংসিতনি। মালেমদা শিনবা থুংনা লৈরিবা মালঙপা মীওইবা, অহিংবা থৌৱাই পানবশিংগী মশা মনুংদা য়াওরিবা নুংশিৎ অসি তাইবংপুনসিগী থৌৱাই, মসি য়াওদ্রবদি মীকুপ অমতা হিংবা য়াদ্রবা পোৎশকনি।

৮। লানসোমপীকি লময়াইদা : কংলৈচা মীতৈ ঈ কাংলুপকী ৱাহৈ পুক্কৈদা য়াওরিবা, তোইনদি তানদ্রবা ৱাহৈ ‘লানসোমবীগী লময়াই’ হায়বা ৱাহৈ অসি হিন্দু চংলকপা অমদি ময়েক ৩৫/৩৬ শিজিন্নরকপদগী মশক খংদনা ওন্থোকখ্রবা ৱাহৈনি। কংলৈচা মীতৈশিংনা থাইনা শিজিন্নরম্বা অশেংবা ৱাহৈ অমদি মশকতি ‘লানসমপীকি লময়াইদা’ হায়বনি; ৱাহন্থোকতি মীতৈ য়ুম খুদিংগী সুমাংদা লৈরিবা থৌৱাইগা হকচাংগা খাইনফম, তাইবং পুনসি খম্নফম মী খুদিংনা ‘খাংলেনফম’, মীতৈ মীয়াম্না হিন্দু ওল্লুবদগী মরোল খংদদুনা, ‘খাঙেনফম’ হায়না খংনরিবা মফম অদুনি।

লিরবা কংলৈচা মীতৈ ঈ কাংলুপকী লান্ন-ইশৈ (সিরমদাই শকপা ইশৈ) অসি মচেৎ খরা ইজগে, মুন্না পাবিয়ু, খংনবা হোৎনবিয়ু :

হৈরাংখোইনিদা,
চানবা হৈনিদা,
সিবু থোইনা হাওবা হৈদি
চীন্দম্বা হৈনিদা,

..

..

..

লাসোম্বীগী লময়াইদা, লানসম্বীগী লময়াইদা,
মুনুনা ৱারে পোৎথাবা, → অরানবা অচুম্বা → মুনুনা ৱারে পাৎথাবা,
ইপাম লমদম য়েংলুবদি ঈপাম লমদম য়েংলুবদি,
নুংশিবা মায়কৈ তামখরে। নুংশিবা মায়কৈ তামখরে।

মথক্কী শৈরেং-ৱারেং অসিগী অনিশুবা শরুক অদু য়েংবিয়ু। অনিশুবা হৌজিক অইবনা উৎলিবা অসি কংলৈচা মীতৈগী থাইনগী লান্ন- ইশৈগী ... শৈরেং শরুকনি। মসিগী মখাসু লৈরি। হৌজিক AIR না Music ওইনা খুংগংগী থৌরমগী হৌবা অমসুং লোইবদা শকলিবা অদু শরুক অমনি। হৌখিবা মীতৈ কাংলুপকী অৱাংবা পুনসি মরেল অমসুং তেংপালবা মপুবু য়াম্না শেংনা মশক খংনা হিংজরম্বা পুনসিগী মওংবু লান্না শিজিন্নবা অমসুং মুৎখিনবা হোৎনবা মওংনি।

শৈরেং ইশৈ অসি তশেংনা লান্না-ইশৈনি। উমংলাই হরাওবনি হায়না হৌজিক তৌরিবা অসিদা হিন্দু ওল্লুবদগী মশাগী মরোল খংদ্রবা কাংবুনা পংশক শকচিনবা, হেন্না হেন্না মাংনবা মশক ওইরকই।

অহানবা পরেংগী অহানবা ৱাহৈ 'লানসোম্বী' হায়বা ৱাহৈদু 'লানসমপী' 'লানসম্বী' হায়গদবনি, ৱাহৈ পরেং অদুনা 'লানসম্বী গী লময়াইদা' হায়গদবনি।

লান্না-ইশৈগী শৈরেং মতেক অদুগী ৱাহম্বোক য়েংবিয়ু, খংবিয়ু। মীতৈ হায়বা কাংলুপ অসি সিবা, পোকপা অমসুং মীওইনা হিংবগী ৱাহম্বোক শেংনা খংবা সিবগী ৱাখলদা পাখৎতবা কাংবুনি। মীতৈনা ইমুংদা সিদে। সিরমদাইদা মীওইবা অমবু মচা মশুশিংনা মতেং পাংলগা সুমাংদা শৈম শারবা খাংপোকশং অমগী মনুংদা চংপী লারাক অমা থারগা চংপী লফু মতেক অমনা মোন ওইরগা লোংনা হিপহন্দুনা থমগনি। মীকুপ খরগী মনুংদা অসি থোংদা চংলগদবা মীওইবা অমগী ফীভম অসিদা লান্না- ইশৈ অসি শকপনি।

সুমাংদা ওইরিবা লৈরিবা পুম্নমক অদুগী ৱাহম্বোক খংবিয়ু।

সুমাং = সু + মাং = সু হায়বদি শুনা, পুম্নমক + মাং হায়বদি মাংই, লোইখি। য়ুমগী মমাংদা লৈরিবা-মফম অসিদা মী,



মীওইবা পুম্নমক্কী থৌৱাই, পুনসি মাংখি হায়বদগী মফম অসিবু সুমাং কৌই।

থেল্লোং= থেল + লোং = থেল হায়বদি থেলদুনা থম্বা, থেলদুনা উৎপা + লোং হায়বদি লোংনা, লোংনা হিপহন্দুনা থম্বা। খাংপোক শং মনুংদা শিগদৌরিবা মী অদুনা লোংনা হিপতুনা থম্বা অদুবুনি।

খাংপোকশং= খাং + পোক+শং= খাং হায়বদি খাংবা, ৱানা খাংবা + পোক হায়বদি পোকপা অনৌবা পুনশি অমবু ফংবা + শং হায়বদি শং, য়ুম মচা। খাংপোকশং হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহম্বোকতি অনৌবা পুনসি অমা ফংনবগীদমক মতম খরা ৱানা খাংলিবা মফম (শিগদৌরিবা মীওইবা অদুনা)।

চংপী = চং + পী = চং হায়বদি অচংবা, হিংবা, অনৌবা মপোক + পী হায়বদি পীরিবা। লরাক হায়বদি চংপী লফুগী মপুম ফাবা লা মনা অমা হায়বনি। চংপী লফুগী মতেক, মতুপ অমনা মোন ওইনা লোংনা হিপলিবা অদুসু অনৌবা পুনসি অমা পোকপগী, পোক্লবগী ৱাখল মওংনি।

খাংলেনফম = খাং + লেন + ফম = খাং হায়বদি খাংবা, ৱানা খাংবা + লেন হায়বদি লেনবা, ৱানা খাংদুনা লেনবা মফম + ফম হায়বদি মফম। খাংলেনফম হায়বা মফম অসি সুমাংগী য়েৎথংবা নাকন মতোনদা লৈ হায়না হৌজিক চৎনরি। মীতৈনা হিন্দু ধর্ম্ম চৎলবা-মতুংদা তুলসিপুং হায়বা তুলসি থাফম অমা থন্নগী, মদুগী য়েৎ থংবদা থমনৈ।

ওইরিবা তৌরিবা ফীভমশিং অসি থম্লগা মথক্কী লান্ন-থৌরমগী শৈরেং মতেক অদুগী ৱাহম্বোক খংনবা হোৎনবিয়ু।

মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসিগী সুমাং অসি অহিংবা মীওইবা অমগী পুনসি লোমফম, অচং অশি অনিগী মরকতা চিংলিবা লৈয়ি অদু লানথোকপা, লান্নফম মফমনি। লানসমপীকী = লানসম্বীগী= লান + সম = লান হায়বদি লানথোকপা, অহিংবগী মায়কৈদগী অশিবগী মায়কৈদা লানথোকপগী + সম হায়বদি সম্নরিবা মফম। মরম অসিনা 'লানসম্বী' হায়বদি অহিংবা মীওইবনা অশিবগী থোংদা চংবগী অহিংবগী থৌৱাইনা অসিবগী লমদা চংবগী শম্নরিবা মফম হায়বনি।সুমাংবু হায়বনি। লময়াইদা হায়বদি সুমাং ময়াইদা হায়বনি।

মীতৈ খৃ: ১৮ শুবগী মমাংদা হিন্দু লীচৎ লৌদ্রিবৈঙেদা, নুপী মচুম থক্লবা তুলসিপুং থমদ্রিবৈঙেদা, খাংলেনফম অসি সুমাং ময়াই ওইরমই হাবসি লান্ন- ইশৈ অসিগী 'লময়াইদা' হায়রিবা ৱাফম অসিনা তাকই।

'মুনুনা ৱারে পোৎথাবা' হায়বা অনিশুবা ৱাহৈ পরেং অদু অমুক য়েংবিয়ু।

অহানবা ৱাহৈ 'মুনু' 'মুনুনা' হায়বা অসি হৌজিক্কী মীতৈনা মীগী মীতৌ তমদুনা, মীতৈ মশাগী অৱাংবা থক্কী ইনাৎ, ইনাৎপু থাদোক্তুনা মীথীপোং ওইনা হিংলকপদগী খংবা ঙমদ্রবা ৱাহৈনি।

মুনু=মু + নু =মু হায়বদি মুবা। মীতৈ ঈ কাংলুপনা 'মুবা' হায়বা ৱাহৈনা কল্লক মীহৌবা, অপাম্বনা থুমহৎপা, ওইজ ওইথক য়াম্মা পাম্ববু খংনৈ।

নহা ওইরিবা নুপা অমনা মথোৎ কারকপী লৈশাবী অমবু উবদা, মথুম মরাং হৌই, য়েংনিংবা পামজবনা থুমহৎলি। 'মমাং লৈকায় থম্বাল শাৎলে, খোইমুনা ইল্লে খোইরাবা' হায়বদা ফোংদোকলিবা ৱাখলদু মসিনি। মমাংবৈঙেদা ৱানা শাবা য়ুমদা লৈনরিবৈঙে, ৱাগী য়ুমগী মখোংদা মখুন হুৎলগা মকোন শাবা চীকপদা য়াম্মা নাবা খোইমু হায়বা খোই অদু নত্তে। ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা 'খোইমু' হায়বা ৱাহৈ অদুদি- খোই + মু =খোই হায়বদি পুকনিং ৱাখল+ মু হায়বদি মুবা, অমুবা হায়বনি।

মথংগী মুনু= মু + নু গী নু হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিনা মী হায়বনি, নুপাসু খংনবা নুপীসু খংনবা (common gender) ৱাহৈ মচেৎনি। নু+ পা = নুপা (male), নু + পী = নুপী হায়বনি। মরম অসিনা 'মুনুনা' ৱারে পোৎথাবা' হায়বদি মীওইবনা মচা মশু য়োক্ল বা, অসিনচিংবা পুসিগী লাম্দা মরু ময়াং তেক্লবা, কেম্লবা পুনসিনা লোইরমদাইদা খাংলেনফমদা লানসম্বীগী লময়াইদা খাংপোকশং মনুংদা লোংনা হিপতুনা অরোইবা মীকুপ ঙাইদুনা লৈক্লবা মতমদদি তাইবংদা মাগীদমক কনাসু লৈরকত্রে, তাইবং শেম্বা, মাবু শেম্বীবা ঙম্লকত্রে, মাগীদমক কনানসু তেংপাংবা মপু মহাকতবু নিংশিংলকলে।

অহুমশুবা ৱাহৈ পরেং 'ঈপাম লমদম য়েংলুবদি' হায়বা লান্ন- ইশৈগী শরুক অসিগী ৱাহন্থোক অুমক খংবিয়ু।



ৱাহৈ পরেং অসিগী অহানবা ৱাহৈ 'ঈপাম'হায়বা অসিগী ৱাহন্থোকতি হৌরকফম হায়বনি। তাইবং মী অসি তেংপালবা মপু মাগী লীক্লবা তাংলবা ঈ মলীক (ঈলীক) অমখক মালেমদা থারক্লগা মদুনা ওইখিবনি। মপু মাগী ঈলীক অদুনা ঐখোয় মীওইবা ওইখিবনি। মরম অসিনা তেংপালবা মপু মহাকপু মীতৈ ঈ কাংলুপনা 'ঈপাম'হায়নসু খংনৈ। 'লমদম'হায়বনা মফম হায়বনি, 'ঈপাম'গী হৌরকফম মফম অদুবু হায়বনি। 'য়েংলুবদি' হায়বনা, অরোইবা মীকুপতা তাইবং মীওইবনা খাংপোকশং মনুংদা লোংনা হিপতুনা অরোইবা মীকুপ ঙাইদুনা লৈরক্লবা মতমদদি মানা নুংশিজরম্বা নুপী, মানা নুংশিজরম্বা নুপা, মানা মরু কেম্বখৈ য়োকচরক্লবা মচা অসিনচিংবসি করিসু ওইরকত্রে। মাবু শেম্বা মপুতবু নিংশিংলক্লে। মসিবু লান্ন - ইশৈ অসিনা 'ঈপাম লমদম য়েংলুবদি' হায়বা ৱাহৈ অহুম অসিনা ফোংদোকই।

ইকোন কোনবা পরেং 'নুংশিবা মায়কৈ তামখরে' হায়বা লান্ন - ইশৈগী শরুক অসি অমুক খংবিয়ু।

'নুংশিবা' হায়বা মফম অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ অসি মথক্কী পরেংদা য়াওবা ৱাহৈ 'ঈপাম' হায়বা ৱাহৈ অদুগা মান্নে। 'ঈপাম' হায়বনা ঐগী ইশাদা য়াওরিবা ঈ অদুগী হৌরকফম, ঈ অদুগী মপু, তেংপালবা মপু অদুবু খংনৈ, অদুগা কংলৈ মীতৈ ঈ কাংলুনা ঈগী মপু তাইবংবু শেমলিবা, তাইবংবু য়োকলিবা মপু মহাকপু 'নুংশিবা' হায়না কৌই।

তেংপালবা মপু মহাকতি তাইবংপানবগী লৌশিংগী পুক্কেনি। মপু মহাক্না তেংপালবা, তাইবংপালবা অসিবু শেম্ন বগীদমক, মশিং লাকঙমদ্রবা তাইবং থৌৱাই পানবশিংবু লোম্বা নাইদনা শেম্নবগীদমক, তাইবং থৌৱাই পানবাশিংদা মহাক্না 'নুংশিবা' হায়বা পোৎশকতু ওইদুনা, তাইবং থৌৱাই পানবশিংগী মাশাদা লোন্না য়াওদুনা লৈ।

নুপী অমনা মাগী 'চালোত'(womb) দা অঙাং অমা হেকলৈবা হৌখিবা নুমিৎতগী 'নুংশিবা' হৌদুনা, মহাক্কী মশাদা য়াওরিবা অঙাং অদু কদাইদা শোক্কদগে হায়দুনা কন্দুনা মপুং ফানবা থা ১০ ফানবা য়োক্লকই। পোক্লবা মতুংদা অঙাং অদু চাওনবা হেংংনবদা মশাগী চাবা থকপা খন্দে। করিগুম্বা মতমদা মচা কন্নবা হোৎনবদা মমা মপা শিবগী ৱারি লৈ।

পীকখ্রবা য়েনবী অমনা মচা কন্নবা হোৎনবদা চাওরবা হুইজাও মায়ওক্লদুনা মথৌৱাই থাবা য়াওই।

পুম্নমক অসিগী হৌরকফম মরুদি মশাদা য়াওরিবা তেংপালবা মপু 'নুংশিবা' হায়বা অদুনি।

মরম পুম্নমক অসিনা কংলৈ মীতৈনা তেংপালবা মপু মাবু 'নুংশিবা' কৌই। তাইবং মীওইবনা 'খম্লুং শাৱা তান, অমম য়াথোং কুম' গী মীকুপ য়ৌরক্লবা মতমদদি, মাবু শেম্বীবা তেংপালপা মপু, মীওইবা মাগী 'ঈপাম' ওইরিবা মাবু নুংশিনা শেম্বীরকপা, মাবু নুংশিনা য়োকপি থাকপিরকপা 'নুংশিবা' মশক ওইরবা মাতবু নিংশিংলকই, মাতবু শোল্লকই। তাইবং পুনসিদা অৱা নুংঙাই, কল্লক মিহৌদা লেল্লুরবা পুনসিনা, পুম্নমকসি কাওথোক্লগা মপু 'নুংশিবা' মহাক্কী মফমদা চংজরকই।

পুম্নমকসি 'লানসম্বীগী লময়াইদা' নি।

৯। লাইরমলেন : লাইরমলেন হায়বা ৱাহৈ অসি 21শুবা খৃ: চহীচাদা ৱাহন্থোক পীবদা অরুবা ৱাফম অমা ওইরকই।

লাইরমলেন = লাই + লম + লেন = লাই হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক অনি লৈ হায়না মথক্তা হায়জখ্রে। অহানবা ৱাহন্থোক্লা মশক উদবা ঐখোয়বু শেম্বীবা লাই অসিনচিংবা। অনিশুবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাহন্থোক অমনা লাই কৌবা কৌব্রু চীংদোন্দগী হৌরকপা এসিয়াগী মফম খুদিংদা শন্দোকখিবা, চাওরবা মালেমগী তম্পাকতা পাকশন্না শন্দোকখিদুনা হৌজিক্কী তাইবং মীওইবগী মপা মপু ওইরম্বা য়াবা হৌজিক্কী কংলৈচাশিংগী মপা মপু ওইরিবা মীওইবা কাংলুপ অসি + লম হায়বা ৱাহৈ অসিনা ফোংদোকলিবা ৱাহন্থোক অসি লম= মফম হায়বদি তাইবং মালেম অসিগী পাক্লবা লমপাক অসিদা করিগুম্বা মফম অমা। + লেন হায়বা ৱাহৈ, ৱাহৈ মচেৎ অসিনা তাকলিবদি খ্বাইদগী হেনবা, খ্বাইদগী ফবা পোৎ হায়বনি। খুদম ওইনা 'মিরেল', 'লমলেল', 'থৌপুলেল' অসিনচিংবা মতৌ অসুম্না লাইরমলেন = লাইলমলেন গী ৱাহন্থোক পুথোক্লকপদা, হৌজিক্কী ৱাহৈ 'লাইরমলেন' হায়বা ৱাহৈ অসিনা কংলৈচা মীতৈশিংগী মপা মপু ওইরিবা লাই নত্রগা লৈমা লাই



হায়নসু খংনবা কৌব্রু চীংদোন্দগী হৌরকপা মী কাংবু অসিগী খ্বাইদগী ফবা, খ্বাইদগী নুংঙাইবা মফম কংলৈপাক, কংলা লাইফমলেন লৈবা লৈপাক অসি ওইরোইদবগী মরম লৈতে।

কংলৈপাক্তা, হৌজিক্কী মনিপুরদা, লাই হায়বা মী কাংলুপ অসিনা চীং অমসুং তম অনিমক্তা পাকশন্না পাল্লমই হায়বা খুদম কয়া ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক উরি। সেনাপতি দিসত্রিক্তা লাইখুল (লাইশিংনা তাবা খুল), লাইরৌচীং = লাই + লৌ + চীং, লাইশিংনা লৌ উরম্বা চীং, উখ্রুল লমদা লাইরম খুলেল, লাইরম ফুংগাখুল অসিনচিংবা। তমপাক্তা কংলাদা তারম্বগী খুদম্মা হৌজিক্কী কংলাদা Archaeology Department কী মনিং ওইরপ্পা শেংদোকপিদ্রবা অমনবা লাই পুখ্রি কৌবা ঈশিংকোন অমা লৈরিবদুনি।

কংলৈপাক হায়বা লৈপাক অসিগী মমিং অসি কংলৈচাশিংগী মপা মপুশিং ওইরিবা লাই হায়বা, লৈমা লাই হায়রগসু খংনবা মী কাংলুপ অদুনা থোল্লম্বা মমিংনি। হৌজিক্কী ইম্ফাল কংলা অসিদা চীংদগী কুম্লক্লগা তাইবংগী কনাগুম্বা মীওই অমতা তাদ্রিঙৈদা লাই হায়বা মীওই কাংলুপ অদুনা ইহান হান্না তাখিবা মতম অসি ঙসিগী মমাং চহী ২০,০০০ লোম শুরে। মতম অদ্বাইদা লাই, লৈমা লাই হায়বা মীওই কাংবু অদুনা কংলা থেনপুং, কংলা ইম্ফম, কংলৈপাক অসিনচিংবা মমিংশিং অসি থোনখিবনি। KANGLEIPAK : THE CRADLE OF MAN গী লমাই ৬০,৬১,৬২ য়েংবিয়ু।

লাই নত্রগা লৈমা লাই মী কাংবু অসিনা কৌব্রুদগী কুম্লক্লগা তমপাক্কী শরুক কংলৈপাক্কী ময়োলগী শরুক অসিদা লৈরমই হায়বসি হৌজিকতি তশেংনা খংলে। কংলৈপাক্কী খ্বাইদগী নুংঙাইবা, চাওখৎপা, চাবা থকপা মরাং কায়বা লম অসি কংলৈপাক্কী অচৌবা তমপাক্কী শরুক অসিনি। মরম অসিনা কংলৈপাক্কী অকোইবদা লৈবা চীংদা তাবা মীশিংনা অমসুং অকোইবদা লৈবা লৈপাক্কী মীশিংনা কংলৈপাক্কী অচৌবা তম্পাক অসিবু লাইরমলেল = লাই+ লম + লেন হায়না কৌরমই।

১০। লাইরৈবাক(লাইলৈপাক): মীতৈশিংনা ১৮ শুবা চহীচাদা হিন্দুগী লীচৎ, মচৎ (ধর্ম্ম) লৌরুবদগী অশেংবা মীতৈ কংলৈচাগী লীচৎ, মনাৎ (customs and tradition) মাংখ্রে। শকখংদবা মীওই কাংলুপ অমগী মওং মতৌ লৌরুবদগী অশেংবা কংলৈচাশিংগী

লোনসু থাদোকখ্রে। ৰাহৈ কয়াগী ফজরবা ৰাহম্বোক কয়া মাংখ্রে। ১৮ শুবা চহীচাদা চহী কয়া মথং মথং কংলৈচাশিংগী লাইশিংনা থম্লম্বা অইবা পোৎশক পুয়া পুম্নমক মৈদা তুম্না থাদোকখিবদগী, ইপা ইপুশিংগী চহী লিশিং কয়া চংনা শেমগৎলক্লবা অইবা লাইলিক পুক্কে (Royal Library), লৌশিংগী পুক্কে মাংখ্রে। ৰাখল হোংখ্রে, চাকচা য়ুথক হোংখ্রে, শক চু ওনখ্রে। পাখংববু লিন (Snake) নি হায়জিল্লকখ্রে, লাইগী মচা কংলৈ মীতৈবু লিলগী মচানি হায়জিল্লকপসি, কংলৈচাশিংবু হন্থবা কাংবুনি, হন্থবা মওংদা হৌরকপনি হায়বা উৎনবা হোৎনরকপনি। পুম্নমক মফম মরাং খংদনা হোংলকলিবা ৰাখল পরিংদা, মীতৈগী ময়েক ১৮ চৎলম্বদগী বেঙ্গলাগী ময়েক ৩৫/৩৬ নমদুনা চৎহলখিবদগী অমুক হেন্না ৰাহৈগী পুক্কে মফম মরাং খংলকত্রে।

ৰাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক তেংপালপা, তিংপানবা অমদি তাইপংপালপা অমদি মীওইবা শেমদুনা সালাই সাখায় তারকপা ফাওবগী ৰাহৌ নোংহৌ পুয়ানি। পুয়া অসি কংলৈ মীতৈগী খ্বাইদগী লিবা অমদি অশেংবা পুয়ানি হায়দুনা খৃ:২০০৯ দা মী চাময়োম তিনবা কংলৈপাক্কী পুয়া হৈবা মী য়াংখৈ মুক য়াওবা মীফম অমনা লেপখ্রবনি। অঙকপদি পুয়া অসিদা লাইরৈপাক অমসুং লাইরমলেন, অমসুং মসিগা মান্নবা ৰাহৈ ৰাত্তা অমত্তা মীৎনা উদবা লাই অদুগী, মফম অমসুং মফম মানবা ৰাহৈ ৰাতা অমত্তা য়াওদবা অসিনি।

পুয়া অসিনা ঐখোয়না হৌজিক অতিয়া নত্রগা ইপা সোরারেল হায়না শিজিন্নরিবা ৰাহৈ অসি আতীংআ কোইলৌ সিতপা, সালাইলেল সিতপা হায়না খংনৈ। মসিগী ৰাহৈশিং অসি তাইবং শেম্বা মপু তাইবংগী মপা ওইরিবা অদুগী লৈফম, মহাক্কী মফম লাইনিংথৌ মহাক্কী মফম, তুংনফম খংনবা ৰাহৈশিংনি। অদুগা অমুক পুয়ানা "কোইলৌ নোংমাতোননা ৰাংপালা? পনথৌনা ইপানা মৰাংই।।"হায়রিবসিদা নোংমাতোনদগী হেন্না ৰাংই হায়রিবা লাইগী লাই ওইরিবা মপুগী মপু ওইরিবা অরুবা লাই পনথৌ ইপা হায়রিবা অসিবু পুয়ানা "ইপুঙলোইনপা আপকপা"কৌই। মহাক্না তলঙ মালঙনা ইম (য়ুম) ওইনা লৈরমই পুয়ানা হায়রি। হায়রিবা লাইনিংথৌ লাইগী লাই ওইরিবা মহাক্কী লৈফম, তুংনফম শীংথা- শৈথারকপদা লাইরৈবাক (লাইলৈপাক), লাইরমলেল (লাইলমলেল) হায়না ইরম্বা হায়রম্বা অমত্তা কংলৈচাশিংগী অরীবা ৰাহৈ পুক্কেদা লৈতে। অইবনা



ইজরিবা অসি পুয়াগী ৰাফম খরা হক্না খংবিবা পুম্নমক্না য়াবীগনি।

মথক্কী হায়জরিবা মরম কয়াসি লৈবনা লাইরৈবাক (লাই লৈপাক), লাইরমলেল (লাইলমলেল) হায়বা ৰাহৈশিং অসি কংলৈচাশিংগী মপা মপু ওইরিবা লাই নত্রগা লৈমা-লাই হায়না খংনবা কৌব্রু (কৌপলু) দগী হৌরকপা মীওইশিং অদুনা লৈরম্বা, তারম্বা কংলৈপাক অমসুং কংলৈপাক্কী ময়োল কংলৈ তম্পাক অচৌবা অসিবু খংনবা ৰাহৈশিংনি হায়না লৌই।

১১। লানমী: কংলৈ মীতৈশিংগী ৰাহৈ পুক্কেদা লানমী, লাললুপ অসিনচিংবা ৰাহৈ কয়া থেংনৈ। লাল হায়বা ৰাহৈশিনা ফোংদোকলিবা ৰাহম্বোক্তী লৈপাক ঙাকপা নত্রগা থংনবা মীগী লম নত্রগা লৈপাকপু লৌশিন্নবা হোৎনবদা লৈপাক্কী মী কাংবু অমনা খুৎশু - খুৎলাই পায়দুনা তৌরিবা থবক অদুবুনি। লালমীদা য়াওরিবা মী হায়বা ৰাহৈ মচেৎ অদুদি চুম্নগী মী, মীওইবা হায়বা ৰাহৈ অদুনি। মরম অসিনা লালমী হায়বদি লান্দা শিজিন্নবা মী, লাল তৌরিবা মী হায়বনি।

কংলৈ মীতৈগী লালমী অসি মখল অহুম সুরম্মী - খোংমী লালমী, শগোল লালমী, শামু লালমী। মীতৈগী শগোল লালমীবু Cathe Horse নত্রগা Casse Horse হায়রগা খংনরমই মপাল লৈপাকশিংনা, এসিয়াদা য়াম্না ফাওবা লালমীনি।

১২। লোই: লোই হায়বা ৰাহৈসি হৌজিক্কী চহীচাদা তোইনদি শিজিন্নবা, লোই হায়রগা খংনবা মী কাংলুপ অমসুং কংলৈপাক্কী লোইচিং লোইয়াদা লৈবা, ৰাহৈ অসিগী ৰাহম্বোক্তি নিংথিনা খংদবা ৰাহৈনি। হৌজিক্কী মনিপুরদা হিন্দু নত্তবা, হন্থবা, মাংই হায়না লৌনবা মী মখল অমা ওইনসু লৌনৈ।

Tai হায়বা ৰাহৈ অমা এসিয়াগী মফম কয়াদা মরু ওইনা খা নোংপোক এসিয়াদা তোইনা শিজিন্নবা, তাবা ফংগনি। মরু ওইনা পুৰারীগী লামাইদা তোয়না ইবা ৰাহৈনি। Tai হায়বা ৰাহৈসি এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা মী কাংলুপ অমগী মমিংনি। ঐখোয় কংলৈচাগা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা কাংবুদি অসামীজশিং অসিনি। অসামীজ হায়বা মী কাংবু অসিনা মখোয়গী মী কাংলুপকী মমিং ইবা মতমদা Ahom-Tai হায়না ই। Tai হায়বা মী কাংলুপ অসিনা পাক্লবা এসিয়াদা পাক শন্না তারকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিং অদুগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা মমিং লৌরকই।

Myanmar দা Shan, Thailand দা Siamese, ফ্রেনচ ইন্দো চিনাদা লাও, অদুগা য়ুননান দা পাই, অসামদা অহোম, খরা পীকপা কাংবুনা হকামতি, হপাকে, ফাকিল, তুরোং (তাইরোং), শাম, ইতোন (ইতোনিয়া), হকাময়াং, নোরা।

অদুগা এস্রিয়াগী মফম কয়াদা তাই হায়বা মী কাংবু অসি দাই, দিওই, দোই, লাই, লোই, লুন, লি (লী) অসিনচিংবা মফমদা খংনৈ। কৌব্রু চীংদোম্দগী হৌখিবা লাই হায়বা মী কাংলুপ অসিগী মমিং লাই হায়বা অসিমক তাই হায়বা মী কাংবু অসিগী মমিংনি। আসামগী অহোম-তাই কাংবুনা অমসুং মখোয়গী নিংথৌশিংনা ১৬শুবা অমসুং ১৭ শুবা চহীচাদা খম-লাই হায়বা লাই অমা লাৎলমই। অহোম -তাই কাংবুনা লাৎলিবা খম-লাই হায়বা লাই অসি মীতৈগী চহী হৌবদা খুরুম্লরিবা হনুবা লাই-খম হায়বা হায়বা লাই অদুনি। হনুবা হায়বা ব্রাহৈসি লৌথোক্লগা লাই-খম হায়বদু মখোয়না খম-লাই হায়না খুরুম্বনি। মরম অসিদগী তাই হায়বা মী কাংবু অসি কৌব্রু দগী হৌখিবা মীতৈ কাংলৈচাগী মপা মপু ওইরিবা লাই গী চাতা নাওতানি হায়না অইবনা খুদম চাংদম পীদুনা উৎচখ্রে। অইবগী লাইরিক, KANGLEIPAK : THE CRADLE OF MAN গী লামাই ৯৯ অসিনচিংবা য়েংবিয়ু।

এসিয়াগী মফম কয়াদা তাই কাংবু অসি লোই (Loi) হায়নসু খংনৈ। লাই, লোই, তাই হায়বশিং অসি কৌব্রু চীংদগী, পুয়াদা শেংনা ইরবা, লাই হায়বা মী কাংলুপ অদুগী মীওই ঙাকতনি। মফম অসিদা অইবনা হায়জনিংলিবদি হৌজিক্কী মনিপুরদা মাংই হায়বা মমিং অমসু পকশিল্লিবা, অতোনবা কাংবু অমনি হায়সু হায়জিল্লিবা, খুরখুল, শেকমাই, ফয়েং অসিনচিংবা হায়বা, মী কাংবু অসি কংলৈপাক্কী অহৌবা (indigenous) মী কাংবুনি, মাংবা, অতোনবা হায়বনচিংবা ব্রাহৈশিং নপশিল্লমইবা অসি ১৮ শুবা চহীচাদা হিন্দু লাকপগী মহৈনি, মখোয়গী খুদোলনি।

হৌজিক্কী কংলৈপাক্কী লোইশিংনা লাই মমিং ওইদনা কৌদনা পাকচাওরবা এসিয়াদা কৌনবা লোই হায়বা মমিং কৌরমইবসি করম তৌনা ওইরকখিবনো অইবনা হৌজিক্কী ওইনদি খুদম চাংদম পীবা ঙমদে।



১৩। লোই থাবা : লোই থাবা হায়বা ব্রাহৈশি ঐখোয়না খংলকপদগী লাইরিক তম্বদসু য়াওরক্লবা ব্রাহৈনি। মীয়াম্না য়ানদবা, অরানবা থবক তৌবা, নিংথৌগী মায়োক্তগ্না থবক তৌবা মীওইশিং বু, হন্থবা অমাংবা মীওই কাংলুপশিংগী মরক্তগ্না চৈরাক পিথা ওইনা থাবা, মখোয়গা লৈমিন্নহনবা থৌওংবু লোই থাবা হায়রগা খংনৈ। মোইরাং কংলৈরোম্দা থোইবীবু নিংথৌনা অমসুং অপোকপা মথং খনবনা হায়বা ইন্দবদগী কবোদা লোই থাই, হিন্দুগী মতমগী ব্রারী লাইরিক্তগ্না নিংথৌনা হায়বা হেক ইন্দবা মীওইবা কাংবুবু সুগনুদা লোই থাই হায়বা তোয়না থেংনবিরমগনি।

১৪। লোই চনবা, লোইলম: লোই হায়বা ব্রাহৈসি হিন্দুগী মতংদা হন্থবা, অমাংবা মী কাংলুপ অমনি হায়বসি মথক্তা উবিখ্রে। অকনবা মীওই কাংলুপ অমনা অশোনবা মী য়ামজদবা কাংবু অমবু পাঙ্গল অমসুং খুৎলাই শিজিন্নদুনা নমথবা অমসুং অকনবা কাংবু অদুগী মখাদা অদুম লৈহনবগী থবকপুসু লোই চনবা হায়না খংনৈ। অকনবা কাংবু অদুনা অশোনবা কাংবু অদুবু মপুং ফানা নমথদুনা থম্লবা মতমদা, অশোনবা কাংবু অদুগী লম্বু, লৈপাকপু লোইলম হায়রগা খংনৈ।

১৫। লোইপোৎ : মীখা পোনবা লৈপাক অমনা, মপু ওইবা অকনবা লৈপাক অদুদা চহীগী ওইনা নত্রগা অকক্লবা মতম অমদা, শেল ওইরবসু নত্রগা পোৎ ওইনা হায়বদি অশোনবা লৈপাক অদুগী পোৎথোক চাথোক্কি শরুক খরা অকনবা লৈপাক অদুদা পী, মসিবু পুব্রারীদা লোইপোৎ হায়রগা খংনৈ। লোইপোৎ পীবা হেক লেপ্লদা লোইপোৎ থৌবা লাকই। করিগুম্বা থৌবদসু পীদ্রবদি অকনবা লৈপাক অদুনা অমুক হন্না লানমীনচিংবা থারক্তুনা পাঙ্গল চাং অমুক য়েংনৈ। করিগুম্বা অশোনবা লৈপাক্তুনা অমুকসু মায়থীরবদি হেন্না অরুম্বা লোইপোৎ লৌই, করিগুম্বা অশোনবা লৈপাক অদুনা পাঙ্গল চাংদম্লবদা মায়পাকখ্রগনা লোইপোৎ পীবা তোকই।

লোইপোৎ হায়বসিনা মপানগী লৈপাক্তগী লৌবনি, অদুগা কাংকৎ হায়বসিনা লৈপাক মনুংগী মীয়ামদগী লৌবনি।

১৬। লৈঙাক: লৈঙাক হায়বা ব্রাহৈ অসি হৌজিক্কী ২১ শুবা চহীচাদা লৈপাক ঙাকপা, ব্রায়েন থৌদাবা (Administration) হায়বা ব্রাহৈ (concept) অদুনি। হৌজিক্কী মতমদা লৈঙাক, লৈঙাকপা (Administration) অসি মখল কয়া থোক্লা খায়দোকপা য়াই -

নিংথৌপানবা লৈপাক, Democracy চৎপা লৈপাক, Communism গী মখল অসিনচিংবা।

নিংথৌ পানবা লৈপাক হায়রগা ঐখোয় অয়াম্বনা খংনরিবসি, নিংথৌ অদুনা তৌনিংবদা তৌদুনা লৈপাক ঙাকপা অদুগুম্বা লৈপাক অদুনি। ঐখোয়গী লৈপাক অসিদা খুদম পীবা তারকদি ১৮ শুবা চহীচাদগী হিন্দুশিংনা নিংথৌ ওইরকপদগী চৎথরকপা লৈঙাক অদুনি। মসি মনিপুর হায়না লৈপাক মমিং ওল্লকবা মতমদা থোকপনি। অদুবু মসি মীতৈগী লৈপাক, কংলৈপাক হায়না কৌরিঙৈগী মতমদদি নত্তে, মতম অদুদদি লৈপাক অসি নিংথৌ পানবা লৈপাক ওইরবসু, য়াম্মা ফিদমনিংঙাই ওইবা লৈঙাক মওং অমা লৈরমই। কংলৈপাক কৌরিঙৈগা, মনিপুর কৌরক্লবা মতমদা ওইরকপগা মথক্কা মখাগা খেন্নবগুম খেন্নে। খুদম ওইনা য়েংবিয়ু:

চারাইরোংবনা পাল্লিঙৈ মতমদা, চরাইরোংবা নিংথৌনা লোই পোৎ থৌবগী লান্দা পুরকপা চোথে নিংঙোল অদু লৈপাক্কী মায়চৌশিং অমসুং লৈপাক মীয়াম্মা লালফার্নি হায়দুনা লৈমরেল হাপ্পা য়াদবদগী নোংপোক ইংখোলদা ইম্থোক্তুনা থমই। নোংপোক ইংখোলদা তোপ্পা ইম্থোক্তুনা থম্বনা মরম ওইদুনা পামহৈবা পোকপগী খুদোং থীবা অদু থোকখিবনি।

অদুগা পামহৈবনা নিংথৌ হেক ওইবগা, মীগী মতু মৱা লৈবা কয়াবু মৱা হাৎলগা মাগী তালোই (লৈমা, লৈমরেল) ওইহল্লি। পুয়া মৈ থাদোকই। নিংথেম হায়বা মিংথোল অসি লৌরেম্বা খোংনাং থাবনা পীখিবনি। পামহৈবনা ময়াংগুরু সান্তিদাস গোশাইগা অমতা ওইখিবনা, লৈপাক্কীদমক হিংলিবা লৌরেম্বা খোংনাং থাবা মাইচৌ পুরেলগা নোংমতসু নিংথিনা তিন্নবা য়াখিদে। নিংথেম হায়বগী ৱাহন্থোকতি ময়াং গুরু সান্তিদাস্না নিংলকপগা পামহৈবদা থেমদুনা থবক পাংথোকহল্লি হায়বগীদমক পামহৈববু নিংথেম হায়বা মিংথোল অসি পীখিবনি। নিংথেম হায়বদি নিংবা মতুংইন্না থেম্লগা শিজিন্নবা য়াই হায়বনি।

১৭। লাইরিক য়েংবম : ময়াং মরুনা পোল্লকপা পামহৈবনা, মপা শক্লা থাঙ্গাল খুন্দগী লৌরুদুনা য়োকপিরকপা মীতৈ শালাই নিংথৌ চরাইরোংববু থজিন্দা থাংনা থিন্দুনা হাৎলগা খৃ: গী চহী ১৭০৯ (ইংলিসগী অইবশিংনদি ১৭১৪) দা কংলৈপাক্কী নিংথৌ



ওইখি। মহাক্না নিংথৌ হেক ওইবগী পাউনা ময়াংলমদা শন্দোকখিবদগী ময়াং সঙ্গু সঙ্গু কংলৈপাক্তা পাইশিন্নরকখি। ময়াং সঙ্গুশিং অদুগী মরক্তা শিলেৎ লৈপাক্তগী সুদ্র মচা শান্তদাস গোসাইসু ময়াং লীচৎ (ধর্ম্ম) শন্দোকপা ওইনা য়াওরকখি। সান্তিদাস গোশাই লাইরিক হৈবা সুদ্র পন্দিৎনি।

পামহৈবা নিংথৌসি ময়াংগী লীচৎ মচৎকী মতাংদা লমজিংবীনবা লৈতদুনা পামজ পামজনা কংঙাওনদুনা লৈরম্বনি। অদুবু শান্তিদাস হেক থুংলবদগী পামহৈবগী ঈগী লম্বী থিবদা কংঙাওনবদু পুমকোক কোকখ্রে, মহাক্কী লম্বী পুমশেং শেংখ্রে, পুঙাম ঙানখ্রে। কোন্নুংসি শান্তিদাসনা পুমশুপ শুপখ্রে।

শান্তিদাসনা হেক থুংলবগা কংলৈপাক্কী কোন্নুংগী লাইলীক সংলেল (Royal Library) পায়শিনখ্রে। মহাক্না কোন্নুংগী লাইলীক শংলেল হেক পায়শীনবা, সুদ্র মচা নোংশামৈবু কোন্নুংগী লাইরিক ইবা-য়েংবা (ইবা-পাবগী) থৌগী ফমবু পায়হনখি। মতম অসিদগী সুদ্রমচা নোংশামৈবু লাইরিক য়েংবা (লাইরিক য়েংবা নুপা) হায়না খংনখি। মতম অসিদগী নোংশামৈগী সাগৈবু লাইরিক য়েংবম হায়না খংনখি।

১৮। লাইনা : কংলৈ খুন্নাইনা ঙল্লিঙৈদা মীওইবা অমনা শিরমদাইদা মশা ঙম্লক্তবা অসিবু 'নাবা', অদুগা থৌওং অদুবু 'লাইনা' কৌই।

'লাইনা' হায়বসিগী ৱাহন্থোক য়েংবীয়ু : কংলৈচাশিং অসি হেক হৌরকপদগী লাইবু য়াম্মা হকচীন্না থাজবা (God fearing) মীওইবা কাংলুপ অমা ওইরকই। পুম্মমক লাইনা তৌবনি হায়না থাজরমই। লাইনা = লাইনা 'নাবা', মফম অসিদা য়াওরিবা 'নাবা' হায়বা ৱাহৈ অসি 'তৌবা', 'থবক পাংথোকপা' অসিনচিংববু খংনৈ। ঐখোয়না য়াম্মা অঙাং ওইরিঙৈদা অহনশিংনা 'নাবা ইবো পাংদেহৈ' হায়বা ৱাহৈসি তোয়না তাই। মফম অসিদা 'নাবা ইবো পাংদেহৈ' হায়রিবসি নংসি থবক পাংথোকপা ঙমদবা মীনি হায়রিবনি।

মরম অসিনা 'লাইনা' হায়বা ৱাহৈ অসিনা তাকলিবসি 'লাইনা' মী অদুবু শিহন্নবা, মপু মহাক্কী ময়ুম ওইরিবা মীওইবা অদুগী হুকসাং (হকচাং) শীদোক্লবা হোৎনরে হায়বনি।

১৯। লাইলেল (লাইরেল) : কংলৈ মীতৈগী ব্বাহৈগী পুক্কেদা 'লাইলেল', হৌজিক্কী লোন্দা 'লাইরেল' হায়বা ব্বাহৈসিগী ব্বাহঙ্খোক্তী 'লাইশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী অথোইবা অহেনবা লাই' হায়বনি। লাইরেলবু লিলনি হায়না ব্বাহঙ্খোক পীরকপা, হায়জিল্লকপা অসিদি হিন্দুগী মতমদগীনি। মসিগী খুদম য়েংবিয়ু : শক ১৬৬৭ শজিবু থা '৬নি য়ুমশকৈশদা পাখংবা নোংথৌদগী খাওরৌ ওইনা ফিফৌ মাংদা তারকএ'পামহৈবগী মতমদনি। চৈ:কুম ৯৯

শক ১৭০৬ ইংঙা থা '১০নি নিংথৌকাবদা স্না য়ান লোকচাওদা লাইরেন থোকএ' ভগচন্দ্রগী মতমগী ব্বানি। চৈ:কুম ১২৯।

মতৌ অসুম্না পামহৈবা অমসুং ভগ্যচন্দ্রগী মতমদগী পাখংবা অমসুং লাইরেল লিলজাও ওল্লকখি। চৈথারোল কুম্বাবাবদা অসুমনা য়াওরমলিবা অসি থোইনা লুনা খল্লুদ্রবসু, হিন্দুগী মতমদগী লাইরেল অমসুং পাখংববু লিলজাওনি হায়জিল্লকই হায়বগী অরেপ্পা খুদম লৈরবনি।

মথংদা লাইরেল অমসুং পাখংবা লিল নত্তে হায়বসি, কংলৈচাশিংগী য়েলহৌঙেগী ব্বাখল, ব্বা নত্তে হায়বসি মুন্না খংবীয়ু:

কংলৈচাশিংনা নিংশিংবা থোকত্রবা মতমদগী তেংপানবা, তাইবংপানবা শেম্বা মপুবু 'ইপা' কৌই। ব্বাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা ইলোন পুকোক পুয়াদা য়াওরমখিবা মখাগী ব্বাহৈ পরেং অসি য়েংবীয়ু:

'মালেম লৈমনা লুমপালা? পালেম ইমানা মলুমই।। কোইলৌ নোংমতোননা ব্বাংপলা? পন্থৌ ইপানা মাব্বাংই।।'

মথক্কী পুয়াদগী লৌথোরকপা অসিদা য়াওরিবা 'পন্থৌ ইপা' হায়বসি তেংপানবা, তাইবংপানবা মপু অদুবু হায়বনি। মীতৈ সালাই ৭ কী অহৌবা, সালাই ৭ পু পোক্লম্বা নুপা অদুগী মমিং কোনচীন তুকথপা কৌই, মহাকসি থৌনা য়াম্না ফবা নুপানি, মীতৈ সালাই ৭ কী ইপুনি হায়বগীদমক মহাকপু কংলৈ মীয়াম্না 'ইপু অথৌপা' কৌই। মহাকসি তাইবংপানবগী মপা ওইরিবা তেংপানবা মপু, তাইবংপানবা মপু অদুবু মশক খংনা নিংজবা নুপানি হায়বগীদমক পা খংপা (পা + খংপা) কৌই। মহাক্না চীংগা তমগা পুল্লগা ওইবা কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌনি, মতুংদা কংলৈ নিংথৌ পুম্নমকপু পাখংপা হায়রগা খংনখি।

কোনচীন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপা হায়বসি কংলৈচা মীতৈ শালাই ৭ পুম্নমক্কী ঈগী মপু ওইরিবা কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ অদুগী মমিংনি।



পাখংববু লিলনি হায়জিল্লকপসি হিন্দুশিংগী লিলনা মপুথৌ ওইবা মাহাভারতকী ব্বারী অদু তানবা হায়জিল্লকপনি। মীতৈদি মপা মপু শেংনা খংবা মী কাংলুপনি, তাইবংগী মপা ওইরিবা মপু অদুবু শেংনা খংবা মীওইশিংনি।

কংলৈচা মীতৈদি মপা মপু (ancestor) শিংবু লাইনি হায়না নিংই। মরম অসিনা কংলৈচা মীতৈ শালাই তরেৎকী অহৌবা অপোকপা কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ কোনচীন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপাবু খ্বাইদগী চাওবা খ্বাইদগী হেনবা লাইনি হায়না নিংই, মরম অসিনা মহাকপু লাইরেল হায়রগা খংনৈ। লাইরেল না মচা ৭ পোকই হায়বদি মীতৈগী শালাই তরেৎ পোকই হায়বনি। ব্বাফম অসি কংলৈচা মীতৈগী লাইনিংলোলনি অমসুং পুব্বারীনি।

২০। লংমাইচীং : লংমাইচীং হায়বা কংলৈ ব্বাহৈ পুক্কেদা য়াওরিবা ব্বাহৈ অসি চৈওনগী নুমিৎ ৭ নি অহানবা নুমিৎকী মমিংনি। ইংলিসতা (Sunday) হায়রগা খংনরিবা ব্বাহৈ অদুনি। হৌজিক হৌজিক মীতৈ/ মৈতৈ কাংলুপনা নোংমাইচিং হায়রগা খংনরিবা ব্বাহৈ অদুনি।

লংমাইচীংদগী মতৌ করম্না নোংমাইচীং ওনথ্রিবনো হায়না হংবা তারবদি, মদুগী পাউখুমদি হিন্দুগী মতমদা, পুয়া পুম্নমক মৈ থাদোক্তুনা কংলৈচা মীতৈ সি হৌফম শাৎফম খংদনবা হোৎনবা খক্তুনা য়ারক্ত্রদুনা, মীতৈ কংলৈচাশিংগী অরুবা ব্বাখলগী হৌফম ব্বাহৈ কয়াসু ওনথোক ওনশিন তৌখি। খুদম ওইনা, তাইবং মালেমদা তরং তরংনা অহেনবা খংবা হৈবগী ব্বাখল্লোন পোৎথোক ওইরবা শালাই ৭ (তরেৎ) পু শালাই ৯ (মাপন) হায়না হায়জিন্দুনা, গোত্রগা মান্নবা, চৎনহন্নবা হোৎনখি। মসিগী লম্বীসিদা তাইবং মালেমদা খ্বাইদগী হেন্নবা মীতৈগী 'তাইপঙ মী শেম্বা' গী ব্বাখল্লোন (theory) মাংখিনবা, তুংগী মীরোলনা কাওখিনবা 'লংমাইচীং' হায়বা ব্বাহৈবু 'নোংমাজীং' হায়না শেমদোক্লগা চৎনহনখি।

তেংপানপা মপুনা তাইবংগী মী ওইবা অসি শেম্নকপদা, লংমাইচীং নুমিৎতা শেম্বা হৌই, লংমাইচীং নুমিৎতা শেম্বা হৌরগা হুকশাং (হকচাং) গী শরুকশিং মথং মথং শেমদুনা, চৈওনগী অরোইবা নুমিৎ থাংচা (থাংজ) নুমিৎতা, তেংপানবা মপু মাগী মশক্কা মান্ননা শেম্নবা (শারবা) তাইবং মীওইবা অমগী মশা মপুং ফানা শেমদুনা, তাইবং মালেমদা মীওইবগী চাতা

নাওতা মথং মথং শব্দোক্লবা শেম শাই। মীতৈ কংলৈচাশিংগী ৱাংলবা, তাইবং মালেমগী মফম অমত্তদা খংনবা, খংবা ঙম্লমদ্রবা মীতৈগী ৱাখল্লোন অসি মুৎথিনবা হিন্দুশিংনা লাংমাইচীংগী মহুৎতা নোংমাইজিং ওন্থোক্তুনা শীজিন্নহনখি।

নোংমাইজীংগী মহুৎতা লংমাইচীং হায়না হিন্দুগী মতম ফাওবা শিজিন্নরমই। পামহৈবগী মতম ফাওবা লংমাইচীং হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নরমই। শক ১৬৪৫ (খৃ: ১৭২৩) গী হীয়াংগৈ থাগী '২৮ নি লংমাইচিংদা নিংথেম অৱা নাবা চৎএ' চৈ:কুম (১৯৬৯ Edition) লা:৯২, মথংগী লামাইদসু লংমাইচীং হায়বা ৱাহৈ অসি য়াওরি।মসিগা লোইননা, ঐখোয় কংলৈ তমপাক্তগী লৈবা ঐখোয়না নোংপোকলোমদা উরিবা চীং অসিগী মমিং অসি শেলোই লাংমাইচীং কৌই। মসিগী চীং অসিগী মমিংসু হিন্দুগী মতমদা নোংমাইজীং হায়না ওন্থোকখিবনি। হৌজিক হৌজিক হিন্দুশিংনা শেমজিন্দুনা ইজবা চৈথারোল কুম্বাবদা, লংমাইচীং হায়বা ৱাহৈ অসি মশিং থিঙমদনা য়াওরি। তমপাক্কী নোংপোক্তগী লৈবা চীং অসিসু শিলোই লংমাইচীং হায়না ইবা লাইরিক কয়া লৈরি।

২১। লাইথৌ: কংলৈচা মীতৈশিং অসি মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা মীওই কাংলুপ অমা ওইবা মরমনা, তাইবং খুন্নাইদা য়াম্না ঙল্লিবঙৈ মতমদগী তেংপানবা মপু অমা লৈ হায়না মুন্না খংলকই। তেংপানবা মপু মাগা মরি লৈনবা থৌরম লাইথৌ কয়া পাংথোক্তুনা লাকই। লাইথৌ = লাই+থৌ = লাই হায়বদি তেংপানবা মপু + থৌ হায়বদি থৌরম হায়বনি। কংলৈচা মীতৈশিংনা তাইবং খুন্নাইদা ঙল্লিবঙৈ মতমদগী তেংপানবা মপু মহাক্কা মরি লৈনবা থৌরম কয়া পাংথোক্তুনা লাকই। খুদম ওইনা অঙাং অমা পোকপা মতমদা নুমিৎ ৬ নি শুবদা য়ুম শেংলগা ঈপান থাবা, নুপা নুপী চাওবা শাংবা মপুং ফারক্লবা মতমদা লুহোংবিবা, মী অমা লৈতবা (শিবা) মতমদা, হেক শিবগা লান্ন থৌরম পাংথোকপা, নুমিৎ ৭ শুবা নুমিৎ 'চুপ-শা মোইথেম' পাংথোকপা, চহী ফারকপদা ফিরোই পাংথোকপা। লাই হরাওবা হায়বদি তেংপানবা মপু মানা মীওইবা ঐখোয়বু শেম্বিদুনা য়োকপী থাকপীবগীদমক মহাক্কী মফমদা তৌবীমল খংবা উৎপা মহাকপু য়াম্না নুংশিবা উৎপা, মপু মহাক্না তাইবং করম্না শেম্লকই হায়বা উৎপা অসিনচিংবগী থৌরমনি। অসিনচিংবা পুম্নমকসি কংলৈ মীতৈ কাংলুপনা নিংশিংবা থোক্লবা মতমদগী পাংথোক্তুনা লাকপা লাইথৌ ঙাক্তনি।



২২। লৈপাক : লৈপাক হায়বা ৱাহৈসিগী তশেংবা ৱাহন্থোকতি লৈ+পাক = লৈরগা পাকথোক্তুনা মীওইবা, তাইবং থৌৱাই পানবা লৈবা য়ারকপা মফম ওইরকই হায়বনি। মালেম শেম্লকপগী ৱাফমনি।

ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুকোক কৌবা পুয়াদা করি হায়না ইরম্বগে য়েংবীয়ু:

'হুঙ।হুঙ।কী ঈৱাই ঈনিননা নীকসিনলক্তুনা ফমচিললকপাদা। থেংনলুপা অতুপু লাইকী মশানি হাইতুনা লাইসা (লৈসা) হাইনা কৌখিপা অতুপু ঈনুঙ পুঙতকী ঈপুঙলোইনপা অপকপনা ফুকখত চীংখত থাংখতলকপতা লোইনালকপা। আমতি লাইসাপু থেংনলপাতকী থোকলকপা কামপী। লাইচা।মালঙপা হাইনা কৌখিপা। লাইপুঙথৌ ৭ কী লাইমিং থোনতুনা ঈমাই ফাওখিপা। ঈমাই অতুপু লাইকী খততমনি-লাই মাললে হাইতুনা মালেম হাইনা কৌখিপা পুমনামকপু তাকপীলকে খনতুনা আমতি থককা খাকা তাইনপা অনিকী মলকতা। লাইকী মহৈপু তাইপঙ মীওইনা পালহললে। অতুকী মলমনা তাইনাপাতা পাললে হাইতুনা তাইপঙপাল কৌখিপা।' মথক্কী পুয়াদগী লৌথোকপা ৱাহৈ পরেংশিং অসিগী অহানবা ৱাহৈশিং ওইরিবা 'হুঙ। হুঙ।কী ঈৱাই ঈনিন' হাইবা ৱাহৈশিং অসি নোংচুপ লোমগী Big Bang Theory হায়না খংনবা তাইবং শেম্লকপগী অহৌবা ৱাফম অদুনি। কংলৈ মীতৈ শিংনা নোংচুপ লোমদগী Big Bang Theory য়াম্না হান্না খংবগী ৱাফম হৌজিক ঐখোয়না, পুয়া মৈ থাখিবা অমসুং হিন্দুনা পাল্লকপদগী মতম খরা মমশিল্লুরবসু, ফজনা খংলকলে। পুয়াগী ৱাহৈ পরেংশিং অদু মুন্না পাবীয়ু অদোমসু শোয়দনা খংগনি।

লৈপাক হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোকতি- লৈপাক = লৈ+পাক = লৈ হায়বদি লৈবা +পাক হায়বদি পাকপা মতুম তাবা নত্তবা, অশাংবা নত্তবা। মরম অসিনা কংলৈচা মীতৈ শিংসু মতম অমদা মালেম অসি মপুম তাবা পোৎনি হায়বা খংবা ঙমদ্রিবঙৈদা ইপাক পাকপা পোৎনি হায়না মালেমগী মীয়াম্না খংনরমবদু য়াওরম্বনি। অদুবু 'লৈ' হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অমা য়াওরম্বা হায়বদি 'লৈ' হায়বদি 'লৈবা' মতোমতা লৈজবা, মসিনা তাকপদি মীতৈসি মালেমগী মীয়াম্না খংনদ্রিবঙৈদা, মালেমগী science না কাইনথংদা পুথোরকপা rotation হায়বসি খংলমলে হায়বসিনি। মখাগী ৱাহৈ অসি অমুক মুন্না য়েংবীয়ু।

২৩। লৈকোয়পুং (মালেম লৈকোয়পুং) : লৈকোয়পুং হায়বা কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাহৈ অসি হৌজিক্কী মতমগীscience না পুথোকপা খ্বাইদগী মরু ওইবা মালেম অসি মতুম তাবা পোৎনি, মতোমদা লৈদুনা লৈদুনা নুমিৎকী অকোইবদা চৎলি, মরম অসিনা নুমিৎ থোকপা নুমিৎ তাবা (অহিং নুংথিল), ইঙা কুমতম ইঙেন কুমখাই থোকহন্দুনা অইং অশাগী, মতম থোকহল্লিবনি হায়বসি কংলৈচা মীতৈশিংনা য়াম্না ঙন্না খংলমলে।

মতম অমদা ঐখোয়না মোইরাং পর্ব খম্ব: থোইবীগী লিলাদা কেগে মোইরাং লৈকোয়পুং হায়বা ৱাশৈং অসি শিজিন্নরম্বদগী থাইনা মীতৈশিংনা rotation, revolution অসিনচিংবা অসি খংলমলে হায়না শন্দোক্লা তাক্লরমই। অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয়না মীতৈগী ময়েক ১৮ না ইবা ৱাচেৎলোন পথুপ পুয়াদা 'মালেম লমচাউ' লৈকোইপং, হায়বা ৱাহৈশিং অসি থেংনবসিনি। অঙকপনি! অসুক ঙল্লিঙৈদা মীতৈশিংনা rotation, revolution অসিনচিংবা খংলম্বসি! খুরুমজরি পামহৈবা গরিবনিৱাজ হিন্দু নিংথৌ, ধর্ম্ম গুরু শান্তিদাস বাবু, পুয়াশিং মৈ থাদোক্তুনা মীওই কাংলুপ অমগী মকোক মৈ থাদোক্লম্বা! Hip Hip Hurrah for Garivaniwaz and Santi Das

**পুয়াদা হায়রম্লিবসি য়েংবীয়ু:**

'হুং ঙা কৌপা খুমুক ঐনা হুকসাংপু মালেম লমচাউনে হাইনা খনকাতানে।। মালেম লমচাউ লৈকোইপুঙ্তা মপুকী ৱাকোননুংতা সালাই চৈয়োম তলেতনা লৈলিপা মপুকী মফমতা লাইনিং পালৈ চেতকাতাপাতি আসুম তৌনা খুমুক ঐনা হা হুং হৈ হে হিং অসিপু কোকসোম সানাচিং মাতোন থোংলোন অতোনপাতা নমসা থিললাকা মপুকী ৱাকোন মনুংতা লৈপা থৌৱাইনে।।' ৱাচেতলোন পথুপ হায়বা পুয়া অসি লাংকোনতা লুৱাংনিংথৌ পুনসিবগী মতমদা সালাই ৭ কী মায়চৌ ৭না তাকতুনা ইখিবনি। পামহৈবনা পানদ্রিঙৈগী আ: মমাংদা ইখিবনি।

হৌজিক 'লৈকোইপুং' হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক য়েংবিয়ু: লৈকোইপুং = লৈ+কোই+পুং = লৈ হায়বদি মতোমতা লৈজদুনা চৎলিবা হায়বদি মালেম (পৃথি) অসিগী হৌজিক্কী Science না পুথোরকলিবা rotation হায়বা অদুনি + কোই হায়বনা কোইদুনা, নুমিৎ অকোইবদা চৎপা মালেমগী খোংচৎ অদুবু হায়বদি Science না revolution হায়না কৌরিবা মালেমগী খোংচৎ অদুনি +পুং



হায়বদি মতুম তাবা, অপাকপ পোৎতি নত্তবা পোৎ হায়বনি। মীতৈনা হৌজিক ফাওবা অতোংবা মতুম তানা ৱাংখৎপা মফমবু লৈতোং কৌনরি। মরম অসিনা কংলৈচা মীতৈশিংনা হৌজিক্কী Science না পুথোকলকলিবা মালেমগী মশক মওং, খোংচৎ হায়বদি মালেম অসি মতুম তাবা পোৎনি, মশা মতোমতা লৈদুনা লৈদুনা নুমিৎকী অকোইবদা চৎলি হায়বসি তশেংনা নোংচুপলোমনা খংদ্রিঙৈদগী খংলমলে হায়বসি অরেপ্পা চেনবা য়াদবা চিংনংঙাই ওইদনা তাকলে হায়না লৌগনি।

পুম্নমক অসি মমহনখিবা, মীতৈগী কোকলেন্দগী লৌশিং পুমমাং মাংহন্নবা হোৎনখিবা অসি হিন্দু নিংথৌশিংনা পানবদগী অইবা লাইরিকশিং অমসুং পুয়া পুম্নমক মৈ থাদোকখিবদগীনি।

২৪। লৈচিন : 'লৈচিন' হায়বা ৱাহৈ অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা- ইলোন পুকোক পুয়াদা তাইপঙপাল শেন্নকপগী পরেংদা ১৫ শুবদা য়াওবা ৱাহৈনি। ৱাহৈসিগী অমসুং মসিগী ৱাহৈ অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং ৱাহন্থোক য়েংবীয়ু : মালেম অসি মতোমতা লৈদুনা লৈদুনা চৎচবা পোৎশক অমনি। মালেম অসিনা মতোমতা অদুম লৈজবদা(rotation তৌবদা) মালেমশী মালেমগী লৈমাইগী মথক্তা লৈরিবা নুংশিৎ অদু লেংহল্লি, হায়রিবা মালেমগী লৈবা rotation তৌবা অদুগী মতুং ইন্না চৎলি। চৎলিবা নুংশিৎ অদুনা ইশিং মরিক থেংনবদা কুংশিল্লি। লৈচিন = লৈ +চিন= লৈ হায়বদি লৈবদা, rotation তৌবদা +চিন হায়বদি চিনশিল্লকপা, কুংশিল্লকপা। মরম অসিনা নুংশিৎনা নোং মরিক য়াওরকতুনা কুংশিল্লক্লবা মতমদা লৈচিন কৌ। চৈশিনগী অতোপ্পা ৱাহৈ অমনা 'নোংফাই' কৌই। নোংফাই= নোং+ফাই= নোং হায়বদি নোংথক্তগী তারকলিবা ইশিং, কুমগী নোং + ফাই হায়বদি লৈবা, মতম খরা লৈবা, মতম খরা মীগী ময়ুমদা লেকপা। মরম অসিনা লৈচিন নোংফাইগী ৱাহন্থোক অসি শেংনা খংবীরম্লগনি।

মতাং অসিদা মীতৈগী পুয়াদা য়াওবা কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাংউলোন্না পুথোক্লম্বা তাইবং লৈশেম গী মথং মনাও অদু অপাবা মীয়ামদা পুথোকচগে য়েংবীয়ু:

| ঈনুংলোন (লাইলোন) | খুনুঙলোন (মীরোল) |
|---|---|
| ১। কামপী | মৈ |
| ২। লাইচা | ঈশিঙ |
| ৩। মালংপা | নুংশিত |
| ৪। মালেম | লৈপাক |
| ৫। নোংথৌ | আতীংআ |
| ৬। কোইলৌ | নুমিত |
| ৭। ঈহিলেল | থাচা |

৮। থৌৱাইমিচাক আপকপা পু অমা থৌৱাইমিচাক পী মলিক সিতপা চৈওন তলেত

| | |
|---|---|
| ৯। সাচিকনু | সাচিক |
| ১০। থাপাতোন | থাপা |
| ১১। খোঙচোম | নুপী |
| ১২। সাচুং | তিলহৈপা |
| ১৩। মোংকা | সলংকা |
| ১৪। ওকপুলোই | তাউহুইলেং |
| ১৫। লৈচিন | নোংফাই |
| ১৬। চুমথাঙ | চুমথাঙ |
| ১৭। নোংথাঙ কুপ্পা | নোংথাঙ কুপ্পা |
| ১৮। নোংথৌ খোংপা | নোংথৌ খোংপা |

১৯। ꠸ (অমা) হায়লিপা ঈপুঙ লোইনপা আপাকপানা থৌৱাইমিচাক চৈয়োম ৭ পু ঈনুঙলোন খুনুঙলোননা চৈওন ৭ হায়না হায়খলে।

ৱাখল খনবা চাং ৱাংনা তৌবা ঙম্লবা মীওইবা অমনা লৈনা লৈনা মথক মখা য়েংবা মতমদা উরিবা তাইবংপানবগী ঙক্লবা তেংপানবা মপু মাগী খুৎশেম হায়বদি নুমিৎ থা থৌৱাইমিচাক



অসিনচিংবা মহৌশাগী খুৎশেমশিং অসিগী মপু মানা শেম্বগী অহান অকোনগী পরেংনি মথকতা পীরিবসি। খুৎশেমশিং অসিগী পোৎশক অমগী মমিং অনি অনি লৈ, অহানবনা ঈনুঙলোন, অনিশুবনা খুনুঙলোন। ঈনুঙলোন হায়বগী ৱাহন্থোকতি - তাইপঙ পানবা পুম্মকসি থাইনগী কংলৈচা মীতৈশিংনা ঈপুঙ লোইনপা আপাকপা হায়না কৌবা তেংপানপা মপু মাগী ঈ মলিক, ঈলীক (.) অমদগী ওইরকপনি, ঈ মলীক অদুদা য়াওরকপা, মপু মাগী ৱা/ৱাখল (concept) অদুবু 'ঈনুঙলোন', পুয়াদা লাইগী লোলনি লাইলোল, হায়না কৌই। অদুগা অনিশুবা লোল ওইরিবা 'খুনুঙলোন' হায়বা অদুনা খুন্দা, মী তাবা মফমদা মীনা লোননবা লোন হায়বনি।

খুদম ওইনা মপুমাগী অহানবা খুৎশেম ওইরিবা পোৎশক অসিবু ঈনুঙলোননা 'কামপী' কৌই, অদুগা ঐখোয় মীনা লোন্নবা লোনদনা হায়বদি খুনুঙলোন্দনা 'মৈ' কৌই। মৈ, মৈশা হায়বা পোৎ অসি য়াওদ্রবদি তাইবং থৌৱাই পানবা অমতনা হিংবা সুকঙম ঙমলোই। মরম অসিনা মপু মানা মহাক্কী মশাদা য়াওবা মৈশাদগী, তাইবং শেম্বগী অহানবা খোংথাং ওইনা, মৈশাবু কামথোক্তুনা পীরকই (কাম + পী) হায়বদগী মৈগী মৈশাগী মমিংবু লাইলোন্দা, মপু মাগী লোন্দা 'কামপী' কৌই। পুয়ানা অসুম্না ইরি: "꠸ (অমা) লৈপা মলমনা ঈনুঙলোননা কামপী হাইনা কৌখলে"। মফম অসিদা '(অমা)' অসি তেংপানবা মপু ঈপুঙলোইনপা আপকপা অদুনি।

মথক্কী মপু মাগী খুৎশেমগী পরেংদা য়াওরিবা পোৎশক ১৯ অসিগী মনুংদা অহানবগী অহুম মৈ, ইশিং, নুংশিৎ অসি নত্তনা অতৈদি আতীংআদা তাঙদুনা লৈবা পোৎশক (Heavenly body) পোৎশকনি। হৌজিক ঐখোয়না পুয়াগী লামাইদা ফংলিবা পুম্ন মকশি কংলৈচা ইপা ইপুনা তলঙ লৌশিং (astronomical science) য়াম্না ৱাংনা লৈরম্বগী খুদমনি। পুয়াশিং অমদি অইবা লাইলীকসিং পুম্নমক মৈ শিং নাম্না থাদোকখিবসি মালেমগী লিরবা খুন্নাই (civilization) অমা মাংহনখিবনি।

মথক্কী খুৎশেমগী পরেংদা য়াওরিবা 'সাচিক', 'থাপাতোন' (morning star) অদুগা 'খোঙচোম নুপী' থৌৱাইমিচাক্কী চবুন (cluster of stars) নি। পুয়ানা পিরিবা অইবা খুদম চাংদমশিং অসি উরগা থাইনগী মীতৈ ইপা ইপুশিংনা তলঙ লৌশিং (astronomical science) খংলমদে করম্না হায়গনি।

অইবনা ▥ না হৌবা ৱাহৈ ইবদা মথকতা কামপী হায়বা ৱাহৈ অসিগী মতাংদসু ইজখ্রে। মতৌ অসুম্না লাইরিক অসিদা অইবনা মথক্কী আতীংআগী অতাউবা পোৎশক ময়াম অসিগী মতাংদা ইজরক্কনি।

কৌব্রু চীংদগী হৌরক্লগা, ইম্ফাল তম্পাক অসিদা কুম্লমক্তুনা পাল্লম্বা কংলৈচা মীতৈশিং অসিনা মালেমদা চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা মালেমগী লিরবা মতম অদুগী মালেমগী মীওইশিংনা লাম্বা তৌবা ঙম্লরোইদবা খুন্নাই (civilization) অমা শাগৎলমলে হায়বসি কনানসু শীংনবা ঙম্লরোই। খুদম ওইনা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা ঈয়েক (script) ১৮, মালেমগী হৌজিক্কী ফিভম অসি ফাওবদা খ্বাইদগী scientific ওইবা script নি।

২৫। লৌ, লৌপুক (লৌবুক): লৌ, লৌপুক, হৌজিক্কী লোন্দা 'লৌবুক', কংলৈচাশিংগী য়াম্না মরু ওইবা ৱাহৈ অনিনি। ময়েক ৩৫/৩৬ চংলকপদগী ৱাহন্থোক নিংথিনা খংদ্রবা ৱাহৈ 'লৌবুক' হায়না খংনখ্রবা ৱাহৈসি কংলৈচাশিংগী পুক, থৌৱাই হকচাংগা য়াম্না মরি লৈনবা ৱা। ৱাহৈনি।

কংলৈচাশিংগী ৱাহৈ পুক্কেদা 'লৌ' হায়বসি, মালেমগী মফম খরদা কংলৈচাশিংনা তৌথোক শেংথোক্লগা চানবা মহৈ পানবা, মনা চাবা য়াবা পাম্বীশিং থাবা মফমবু খংনৈ। ৱাহৈগী হৌরকফম খংদে।

'লৌপুক' হায়বা ৱাহৈ অসিগী হৌফমদি, লৌপুক = লৌ + পুক হায়বনি। মথক্তা লৌগী ৱাহন্থোক পীজখ্রে। পুক হায়বদি হকচাংগী পুক, চাকখাও হায়বনি। মরম অসিনা লৌপুক্কী ৱাহন্থোকতি মীওইবগী লৌপুকনা হকচাংগী চাকখাওনি হায়রকপনি। চাকখাওনা হকচাংদা লৌরিবা থৌথাং অদুমক লৌপুক্লা লৌই হায়রকপনি।

অনৌবা মওংগী লোইলম সন্থোকপগী (neo-colonialism) গী মওংদা মীওই কাংলুপ অমনা মীওই কাংলুপ অমবু মখা পোলহন্নবগীদমক, কাংলুপ অমগী লৌপুক মাংহল্লগা, পুকচাক্কী মখা পোলহনবা অমা শেমই। মী কাংলুপ অমদা পুকচাক্কী মখা পোলহল্লবা মী কাংলুপ অদু পুকচাক পুথোকপা ঙম্বা কাংলুপ অদুদা তাখায় (৫০%) দি মীখা পোল্লবনি।

মনিপুরদা ইবোবী সরকারনা লমফেলগী লৌ উবা য়াবা মফম মরাং খংদবা চেক্কী য়ুমশিং শাজিন্নবা লৌশিনবা, এরোড্রোম



চাওথোক্লবা চঙাংগৈগী লৌপুক লৌশিন্নবা, য়ারল পাৎ লৌশিন্নবা হোৎনবা, লোইননা মনিপুরনা Myanmar দগী চেং পুশিল্লকপগী India না অয়াবা পীরকতবা পুম্নমক অসি Kangleipak (মনিপুর) দা India গী লোইলম শন্দোকপগী খমথেংবা neo-colonialism গী মওংনি।

২৬। লৌশিং: মীতৈগী ৱাহৈ পুক্কেদা য়াওরিবা 'লৌশিং' হায়বা ৱা/ৱাহৈ অসি হৌজিক্কী মীয়াম্না ময়াংলোন্দা 'গ্যান' ইংলিসতা 'Knowledge' হায়রগা খংনৈ। গ্যান নত্রগা Knowledge ওন্থোকখিবনা 'লৌশিং' হায়বা ৱাহৈগী হৌরকলোনগী (etymology) অদু মাংহনখি।

কংলৈ ৱাহৈ 'লৌশিং' হায়বসি compound word নি, ৱাহৈ অনিনা শেম্বনি। লৌশিং = লৌ + শিং = লৌশিং হায়বনি। লৌ হায়বদি লৌশিনবা, খংজিনবা হায়বনি অদুগা শিং হায়বদি খংলকই, শিংলকই হায়বনি।

মীওইবগী লৌশিং (Knowledge) গী হৌরকফম অসি লম্বী অনিদা লৈ। অহানবা হৌরকফম inductive logic অদুগা অনিশুবা হৌরকফম deductive logic কৌই।

মীপুম্নমক্লা মী পুম্নমক শি, নংশু মীনিনা শিগনি হায়বসি, হিরম খরদা চুম্লবসু মসি পুম্নমক অমতা চিৎথদনা চুমলে হায়বদি য়ারোই। ঐনা শিবা উরিবসি ইপুপোক, অবোক অসিনচিংবা খরদনি। কংলৈপাকতদি ক্বাক পুম্নমক মুই, মরম অসিনা ক্বাক পুম্নমক মুই হায়না হেক্তা হায়বদি লাল্লি। মরমদি, কংলৈপাক্কী মনিংদা খরদা চৎথরগা লৈবা শিলচরদগী হৌরগা ক্বাকসি ৱাউই, পুংমু মুই হায়বা লাল্লি। তাইপংপাল অসি য়াম্না চাওই, Negro উরগা মী পুম্নমক মুই, European ময়াম উরগা, মী পুম্নমক ঙৌই হায়বসি অরানবা ৱাখলনি। মসি deductive logic কী মওংনি।

অদুগা inductive logic তদি য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লগা, মীরোল কয়াদা থেংনরকপা উরকপা, থেংনরকপা পুম্নমক অদুদগী হৌজিক মতমগী scientific experiment কয়া তৌরগা খংলকপা অদুদগী খংলকপা অদু অচুম্বনি লৌশিংনি হায়না লৌই। মরম অসিনা inductive logic না য়াম্না কুপশিনবা, কুপশিন্না থিরগা খংলকপা অদুবু লৌশিংনি হায়না লৌই। মসি inductive logic কী মওংনি। কংলৈচাশিংগী লৌশিংদি Empiricism দা য়ুমফম ওই।

কংলৈপাক, কংলৈচাশিংগীদি ময়েক্কী লৌশিং, পোকপা শিবা, খেনচংলোন, মী শেন্নকপা, তেংপালপা হৌরকপা অমসুং শেমলকপা অসিনচিংবগী মরমদা পুয়া ওইনা থম্লম্বা লৌশিং পুম্ন মক অসি inductive লৌশিংদা য়ুমফম ওইবা, চহী লিশিং কয়া চংনা থেংনবা, খংলকপা, থিগৎলকপদা য়ুমফম ওইবা লৌশিং ঙাক্তনি। ঐখোয়না লৌশিংগী মহুৎতা গ্যান নত্রগা Knowledge হায়না ওন্থোক্তুনা ঝাহৈ অসি শিজিন্নখ্রবদি থাইনগী ইপা ইপুশিংগী অৱাংবা থাক্কী ঝা/ঝাখল অদু মাংখিগনি। তুংদা লাক্কদবা কংলৈচাশিংনা ইপা ইপুগী অৱাংবা ঝাখলগী থাক অদু য়ৌবা ঙমলোই পংশিল্লক্কনি।

২৭। লৈমালেল সিতাপী : ইমা লৈমালেল সিতাপী হায়বা কংলৈচা মীতৈ কাংবুগী ঝাহৈ কুক্কৈদা য়াওরিবা ঝাহৈ অসিনা হায়রিবা তাকলিক ঝাফম অসি য়াম্না চাওখ্রে, য়াম্না পাকখ্রে। ইমা লৈমালেনসিতাপী হায়বা ঝাহৈনা তাকলিবা ঝাফমশিংগী মনুংদা থাইনা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা তলং লৌশিং (space science) খংলম্বগী ঝা য়াওরি।

ঐখোয়না লৈমালেল সিতাপী (ইমা লৈমলেল সিতাপী) হায়রিবা ঝাহৈ অসি মালেমনা earth হায়না খংনবা পোৎশক অদুনি। লৈমালেল হায়বা ঝাহৈ অসিদা লৈ হায়বা ঝা (concept) অসি য়াওরম্বা অসিনা, থাইনা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা science না ইকুইদ্রিঙৈদা পুথোরকপা rotation হায়বা earth কী থবক অদু মীতৈ ইপা ইপুশিংনা হান্না খংলমলে হায়বসি য়াম্না শেংনা তাকই। মসিগী মতাংদা মথক্তা হান্না ইজখ্রবা লৈকোয়পুং, মালেম লৈকোয়পুং দা অমুক হন্না য়েংবিয়ু।

মীতৈগী থাইনগী ইপা ইপুশিংনা মালেম (earth, পৃথিবী) অসিনা তাইপং থৌৱাই পানবশিংগী অহানবা মমানি হায়না লৌই। তশেংনমক মালেম = মাল্লে + ইমা হায়বদগী শমজিল্লকপনি। তশেংনমক মালেম হায়বসি মাল্লে ইমা হায়বনি। অদুগা ঐখোয়না আতীঙআ (লান্না অতিয়া হায়না খংনরবা) অসিনা তাইপং থৌৱাই পানবাগী অহানবা মপানি হায়না লৌই। আতীঙআ অসিবু শালাইলেল সিতাপা হায়রগসু খংনৈ। হৌজিক মীতৈনা ময়েক ৩৫/৩৬ চংলকপদগী সোরারেল হায়না লান্না খংনখ্রে। মী অয়াম্বনা হো ইপা শোরারেন হায়বা ঝাহৈশিং অসি তাবিরমলগনি।



ময়ুম পালবী নুপী অমনা অৱা অনা কিদনা মচাশিংবু নুংশিনা য়োকপগুম থাকপগুম মালেম লৈমা অসিনা তাইপং থৌৱাই পানবশিংবু চান্না নুংশিনা য়োকই হায়দুনা মালেম অসিবু নুপী ওইবী মমা অমগুম লৌরগা, ইমা লৈমালেন সিতাপী হায়না থাইনা মীতৈ কংলৈচাশিংনা মিংকৌনৈ। মালেম লৈমা অসিবু লৈমালেল হায়না মিংকৌরগা ঐখোয়গী তাইপং পানবদা নুপী ওইনা পোক্তুনা মচাশিংবু য়োকপা থাকপগীদমক চাওনবা য়োকপগীদমক অৱা অনা খংদ্রবী, সিবা চংবা থিদনা মথৌ তৌরিবী মমাশিংবু লৈমা কৌনৈ। মীতৈশিংনা ময়ুম পালবী নুপীশিংগী মিংগী মমৈদা লৈমা হায়না লোম্বদু মীপুম খুদিং উবিরম্লগনি। কংলৈগী নুপীনা লৈমানি, তাইপং পোকপী পলেম ইমা মালেমনা লৈমালেল সিতাপীনি কংলৈচা মীতৈ ঐখোয়গী।

২৮। লালৈ লাথুপ (লারৈ লাথুপ) : লালৈ লাথুপ হায়বা ইপা ইপুশিংনা ইদুনা থম্লম্বা খুৎই লাইরিকশিং অসি পুয়াদি নত্তে, অদুবু মসি হিন্দুগী মতমদা নিংথৌশিংনা তৌখিবা অশোয়পা অরানবা কয়াবু হিন্দু নিংথৌগী কোন্নুংদা ফমচাওনা পায়বা কংলৈচা কয়ানা লোন্না ইদুনা থম্লম্বা ওইবনা কংলৈ পুৱারীগী অশেংবা শকতম পুথোক্লবগী চাওরবা হৌফম অমা ওইরি। পামহৈবা মতমদগী হিন্দুশিংনা কংলৈপাক্কী লৈঙাক ঝায়েল পায়খিবদগী, কংলৈপাক মাংহল্লগা মনিপুরগী ওইবা হিন্দুগী লীচৎ (ধর্ম্ম) অমসুং অশেংবা কংলৈচাশিংবু হিন্দু ওলহন্নবা হোৎনবদা তৌখিবা অরানবশিং অদু উনবগী খংনবগী অমতা ঙাইবা লম্বীদি লারৈ লাথুপ হায়বা খুৎই লাইরিকশিং অসিনা ওই। পুৱারী শুবা অশেংবা লৈহৌমীশিংগী অশেংবা খুৎলাই অসি লারৈ লাথুপনা ওই। অতোপ্পা হিন্দু মতমগী পুৱারীবু শেংনা খংনবা অচৌবা লম্বী অমনা সেম্বী অইবশিং (foreign writers) গী লাইরিক শিং অসিনি। হিন্দু মতমদা হিন্দু অইবশিং অসিনা ইবা লাইরিকশিংদি মখোয়গী পুৱারীগী ওইনা ইবনা অশেংবা অমতা ফংদে, মখোয়গী লাইরিকশিং অদু পারুবগা হেন্না হেন্না কংঙাওনরকই।

কংলৈচা মীতৈশিংগী মখুৎতা লালৈ লাথুপ মখল অনিখক লৈ, মখোয় অদুদি পামহৈবা লারৈ লাথুপ অমদি ভগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ। পামহৈবা লারৈ লাথুপনা, শেম্বী মুকাকলৈ অমসুং পামহৈবা হায়বা মমিং অনি অসিদা ফংই। বেঙ্গালী ময়েক্তা ইবসু ফংই। অদুগা ভগ্যচন্দ্রা লারৈ লাথুপনা মীতম্বাল হায়বা মমিং অসিদা ফংই। কংলৈ পুৱারী শুবা কাংবুদা লাইরিকশিং অসি

অসুক্কী মতিক মরু ওই, মরমদি লাইরিকশিং অসিগী মতেং নত্তনদি হিন্দু মতমগী পুৱারী অশেংবা খংবা সুকঙম ঙমদে।

বৃটিশ মতমদা থবক চাওনা তৌরম্বা, পোলিটিকেল এজেন্ত নচিংবা পুম্নমক্কা মখোয়না মনিপুরদা লৈরিঙৈদা লাইরিক কয়া ইরমই। লাইরিকশিং অসি হিন্দু মতমগী পুৱারী মশক খংনবা য়াম্না চাওবা লম্বীনি। T.C. Hodson, R.B. Pemberton, St. Clare Grimwood, Sir James Johnstone, ST. John F. Michell, E.W. Dun, E. Brown অসিনচিংবা অঙৌবা ফমনাইবশিং অসিগী লাইরিকশিং অসি মনিপুরগী পুৱারী খংননবগী থানবা য়াদ্রবা লাইরিকশিংনি।

২৯। লৈশেম-নোংশেম চকোয় : লৈশেম-নোংশেম হায়বদি তেংপালপা মপু ঈপুঙলোইনপা অপকপা (Universal Lord) অদুনা তাইপঙপালপা শেম্বা হৌরকপগী ৱাফমনি। লৈশেম হায়বদি মপু মহাক্না ইমা লৈমলেল সিতপী মালেম অসিবু শেম্বা হৌরকপা, শেম্লকপা হায়বনি, নোংশেম হায়বনা মপাল নাইদ্রবা ঐখোয় থৌৱাই পানবসিং অমদি পান্দবশিং অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা অহাংবা (space) অসিবু শেম্বা, শেম্বা হৌরকপা হায়বনি। কংলৈচা মীতৈশিংনা মপান নাইদ্রবা ঐখোয়গী ইথক, ইখা, নাক য়েৎ অসিনচিংবদা লৈরিবা অহাংবা (space) অসিবু তাইবংগী মপানি হায়না লৌই। মসিবু অতীংঅা সিতপা, সালাইলেল স্নিতপা (সোরারেল) হায়নসু খংনৈ। অদুগা ইমা মালেম (পৃথিবী) অসিবু তাইবং পালবগী পল্লেম ইমানি হায়না লৌই। মালেম ইমা অসিবু ইমা লৈমলেল সিতপী হায়নসু কৌই।

অতীংঅা সিতপা অমদি লৈমালেল সিতপী অনি অসি শেম্নবগী মতুংদা, অতীংঅা সিতপা অমসুং ইমা লৈমালেল সিতপী মালেম লৈমা অনি অসিনা পা পী ওইরগা, অনি অসিগী মনুংদা মৈ, ইশিং, নুংশিৎ, নুমিৎ, থা, থৌৱাই মিচাক অসিনচিংবা কয়া অসি শেম্লগা, অতীংঅা সিতপা অমদি ইমা লৈমলেল সিতপীবু মতেং পাংদুনা তাইপংপালপা (earthly living beings) অসি শেম্বা হৌরকপনি, অমসুং মপুংফানা শেমখিবনি, পুম্নমক অসিবু লৈশেম নোংশেম্বা হায়না খংনৈ।

চকোয় হায়বদি হৌজিক্কী লোন্দা জগোই হায়বনি। তাইপং পুনসিগী হৌনবী মতুং ইন্না, পোকপগী মতুংদা সিবা, সিবগী মতুংদা পোকপা, মপুগী থৌথা পাংথোক্তুনা, লেপতনা চৎলিবা তাইবংদা থোকপা থৌথোক থৌওং পুম্নমকপু হকচাংগী শাথেকনা



উৎলিবা মীতৈগী ৱাখলনা পুথোকপা শক্তম্মু (Art form) বু চকোয় কৌই।

নাহান নোং থাইনা মমাংঙৈদা কৌপলু (কৌব্রু) চীংদোন্দা মীতৈশিংনা লাই কৌনা পাল্লিঙৈদা, কৌব্রু চীংদোন্দা তেংপালপা মপু মহাক্না মখোয়বু শেম্বীখিবা অদুবু নিংশিংদুনা মপু মাগী মফমদা নুংশিবা অমসুং তৌবিমল খংবা উৎতুনা শাখিবা চকোয় (জগোই) অদুনি ঐখোয়না হৌজিক লৈশেম-নোংশেম চকোয় হায়দুনা লাই হরাওবা থৌদোক্তা শারিবা জগোয় অসিনি।

৩০। লাংমৈ (উচেক লাংমৈ) : লাংমৈ নত্রগা উচেক লাংমৈ হায়বা উচেক অসি কংলৈচাশিংগী পুৱারীগা মরি লৈনবা উচেকনি।

থাইনা মমাংঙৈদা নুপীমচা অমা মমা অশেংবা শিখ্রবা মতুংদা মমা পোকতবীনা য়োক্লমই। মপানা হেক চৎথোকখিবগা মমা অতোম্বীনা ফুরমই, ওৎনৈরমই। চাক নিংথিনা পীজরমদে। খাংবা ৱারবা নুপী মচা অদুনা উচেক লাংমৈ ময়াম্না নুংঙাইনা পাইবা অদু উরগা মখোয়গী মরক্তা তিন্নিংবদগী নুপী মচা অদুনা মমা পোক্তবী লৈতবা খুদিংগী 'হো উচেক লাংমৈ ঐসু নখোয়গী মরকতা তিল্লগে, নতু খরা থাদবিরকউ ঐগী ইশা শেম্লবা, ঐ ইমা পোক্তবীনা ওৎপদগী লৈবা ঙমদ্রে' হায়না লাউরমই।

নোংমদি উচেক লাংমৈ নিংথৌ অদুনা নুপীমচা অদুনা ফি ফৌবা মতমদা পোলাংখোক্তা পাইথরক্তুনা 'ইচা নুপী নং য়াম্না ৱারব্রা, ঐনা নুমিৎ খুদিংগী ইতু খরা খরা থাদরক্লগনি, য়েতুম্না তুশিল্লগা নশা শেম্মু, শেম্বা হেক লোয়বগা নপাম্বোম থুংনা উপশিল্লগা পায়খৎলকহউ, ইপানা নংগী পাইবা নতেং পাংগনি' হায়রম্লগা পাইখ্রে।

নুমিৎ খুদিংগী মতু মশা লাংমৈনা থাথরকপা অদুনা তুশিন্দুনা মমা অতোম্বী উদনা নুপী মচা অদুনা মশা শেম্বা লোইখ্রে।

নোংমদি নুপী মচা অদুনা অশেম্বা মশা অদু উপশিন্দুনা উচেক লাংমৈ ময়াম লাকপা ঙাইদুনা লৈখ্রে।

উচেক লাংমৈ ময়াম অদুনা হেক লাকপা উবগা নুপী মচা অদুনা হো ইপা উচেক লাংমৈ নিংথৌ, নচা পাইরক্লগে মতেং পাংবিরো হায়না লাউরমই। খুদক্তা উচেক লাংমৈ নিংথৌ অদুনা পাইথরক্লগা পোলাংখোক্তা তোংলগা ইমোম ইবেম্মা ইপা

লাকলে, থোরকলো হায়না লাউরমই। নুপী মচা অদুনা অশেম্বা মশা অদুনা খপতুনা পোলাংখোকতা পাইখৎতুনা তোংলগা, ময়ুমলোমদা ওনশিন্দুনা পম্থৌ অপোকপা! নংনা য়াম্না নুংশিচবা নমোম ঐদি ঙসিদগী উচেক লাংমৈ মরক্তা তিনখ্রগে, নংনা উবা ফংলরোইদো হায়না কপ্পুনা লাউরম্লগা উচেক লাংমৈ ওন্দুনা পাইখি। মসিনা কংলৈ মীতৈগী ৱারিনি।

কবুইশিংনদি, চপ মান্নবা ৱারিদা, মমা পোক্তবীনা য়োকপা নুপামচা অমনা উচেক লাংমৈ ওনখি হায়। কবুইশিংনদি উচেক লাংমৈবু লাংদাই হায়না খংনৈ। লাংমৈ হায়বগী ৱাহন্থোকতি লাংমৈ = লাং + মৈ = লাং হায়বদ কংলৈ লোন্দা লাংওনবা শাইওনবা হায়বনি, মৈ হায়বনা কবুই মী হায়বা ৱাহন্থোকলৈ (কামৈ, গাংমৈ, থাইমৈ, গোলমৈ অসিনচিংবা)।

৩১। লাংমৈতোং (লাংমৈদোং) : খুল অমগী মমিংনি। ককচিংদগী সগনু চৎপা লম্বীদা লৈ। উচেক্কী মমিং লাংমৈতোং হায়বা নত্তে। লাংমৈতোং খুলগী ৱাংলবা উ ময়াম অদুদা উচেক লাংমৈনা য়াম্না য়াম্না তোংদুনা লৈবা অদুদগী লাংমৈতোং খুল হায়না খংনখিবনি।

৩২। লোইপী (লোইপী চীং) : ঐখোয় মীতৈনা হৌজিক লোইপী নত্রগা লোইপী চীং হায়রিবা ৱাহৈ/concept সি English তা Hill নত্রগা Mountain হায়রগা খংনবা ৱাহৈ অদুনি। মীতৈলোন দা হায়রগা লোইপী হায়বসি লোইপী= লোই+পী হায়বনি।

ঐখোয়না হৌজিক চীংখোং চীংয়াদা লোই হায়রগা খংনবা, ময়াংশিংদগী য়াম্না খেন্নবা, চাইনিজশিং, জাপানশিং অসিনচিংবদা হেন্না নকশিন্নবা হিন্দুগী মতমদা অতোনবা কাংলুপনি, মাংই হায়বিরবা মী কাংলুপ অমা লৈ হায়বসি ঐখোয়না মুন্না খংই। তশেংবদি মখোয়শিং অসিনি অশেংবা কৌব্রু চীংদগী হৌরকপা কংলৈপাক্কী অহৌবা (indigenous) হায়বা মী কাংলুপ ওইরিবদি।

এসিয়াগী মফম পুম্নমকতা কৌব্রু চীংদগী হৌরকপা পুয়ানা মশক তাকপা লাই হায়রিবা মী কাংলুপ অসিবু লোই নত্রগা লৈ নত্রগা লি নত্রগা লাইমি নত্রগা লাই নত্রগা লাও নত্রগা দায় নত্রগা দাও অসিনচিংবা হায়রগা মফম খেন্নবা মতুং ইন্না খংনৈ। থাই, তাই হায়বা ৱাহৈশিং অসিসু লাই হায়বা মী কাংলুপ অসিগী



এসিয়াদা কৌনবা মমিংনি।

মরম ময়াম অসিদগী ঐখোয়না হৌজিক খংলিবদি হৌজিক ঐখোয়না উরিবা লোই হায়বা মী কাংলুপ অসি কৌব্রু চীংতোনতগী হৌই হায়রিবা পুয়ানা তাকপা লাই হায়বা মী কাংলুপ অদুগী অতোপ্পা মমিংনি।

মরম অসিনা লোইপী = লোই + পী হায়বসিনা হায়রিবদি লোই মী কাংলুপ্পু পীরিবা চীং, লোইপী চীং হায়বনি, কৌব্রু চীংদগী লাই কৌবা মী কাংলুপ অমা থোক্লকই হায়বদৌনা, চীংদগী লোই কৌবা মী কাংলুপ অমা পীরকই, থোক্লকই হায়বনি।

## মরম অসিদগী চীংবু লোইপী চীং হায়রগা খংনখিবনি।

৩৩। লৈমুলোন: ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা ইলোন পুকোক পুয়াদা অসুম্না ইরি 'নোংথৌ মলোন ৭ কী য়াফমতা তিংপালপা মপুনা সাইওন তৌতুনা তাইপঙপালপা সনথোকনাফমনি হায়তুনা সনথোং আপানপা কৌনা মলা লেলফু ওইখলে মালেম লৈখালোন ৭ না অমমপা লৈমুলোনকী মশককুম্না। তাইপঙপালপাকী তুঙনফম লৈসা ওইনা লৈখলে।।'

ঐখোয়না ২১ শুবা খৃ: চহীচাদা মুন্না থিগৎলকপদগী খংলক্লিবসি, লৈলোন ৭, নোংলোন ৭ লৈ হায়বসি কংলৈচা মীতৈসিংনা মুন্না য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী খংলকলে। নোংলোন তরেৎকী মতাংদদি অমুক হেন্না মুন্না খংলমলে, হায়বদি নোংলোন ৭ হায়বসি ঐখোয়না অহাংবনি হায়না খল্লিবা space অসি মচু ৭ নি হায়বসি মালেমগী মীয়ামনা খংদ্রিঙৈদা কংলৈচাশিংনা খংলমলে। নোংলোন, নোংথৌ, অতীঙআ অসি মচু ৭ নি হায়বসি পুয়াদা য়াম্না শেংনা ইবা পোৎনি।

লৈখালোন, লৈলোন অসিতি লৈলোন ৭ লৈ হায়বসিদগী হেন্না খংলম্বগী পুয়াদা ইরম্বা অমসুং ফুঙ্গা ৱারি অসিনচিংবা থেংনদে। মরম অসিনা লৈলোন ৭ লৈ হায়বসিদগী হেন্না খংলমদ্রে হায়না খল্লি।

'অমমপা লৈমুলোনকী মশক্কুম' হায়বসিনা তাকলিবদি অমমপা হায়বদি উদবা খংদবা, লৈমুলোন হায়বসিদা য়াওরিবা লৈ হায়বসিনা লৈলোন খংনৈ, মু হায়বসিনা তাকলিবনা অমুবা হায়বদি লৈ হায়বদি খংবা মুন্নদি খংদবা পোৎপু হায়বনি।

মরম অসিনা 'লৈমুলোন' হায়বদি লৈপাক্কী মরোল ৭ কী মরমদা কংলৈচা মীতৈশিংনা মুন্না খংলমদবা অদুবু তাকপা ব্রাহৈ/concept নি।

ꯃꯤ

মীতৈ ইপা ইপুশিংগী খৃ: মমাং চহী লীশিং খরগী মতমদা পুথোকখিবা ইনবা ময়েক ১৮, শীংথা চৈশিং ৫

গা থারগা ১৯ গী, মঙা শুবা ময়েকনি। খোম্বোক্তা মীৎ হায়না পাই। ময়েক অসিবু মতৌ করম্না মীৎ হায়বা খোম্বোক পীরিবনো হায়বগী মতাংদা পুয়ানা অসুম্না হায় 'সিতপাকী মশকতি মিনে। মিকী লাইমিং মমিংপু ইনুঙলোননা মি. কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই. নিননা মি.ত কৌয়ে।।' মি.তকী ই.য়েকতি আসীনে (ꯃꯤ) লেপনা খঙপীও।।০।।'

ঐখোয়না মীৎ হায়না বেঙ্গোলী ময়েক্ত ইরিবা অসি মীতৈ ময়েক ১৮ দদি ৭ꯃꯤ.ꯇ = মি.ত হায়না ই।

ꯃꯤ হায়বা ময়েক অসিগী মথকতা চিংলিবা লৈই অসিনা আতীংআ সিতপানি, য়ুংনা চিংথরকলিবা অচুম্বা লৈই অনি অদুনা মপু মাগী মশক (মমি) মীৎ অনিদা, সনামহী লাইনিংথৌদা মী সেম্বদা ঙম্নবা লাইনিংথৌ সলাইলেল সিতপানা মাগী মশক (মমি) বু উৎনবা কুমথরকপা অদুনি। য়ুংনা চিংথরকপা লৈই অদুবু ফৈনা ককপা ᑕ না ᑐ ময়েকনি। য়ুংনা চিংথরকলিবা লৈই অনি অদু মীৎতা কুমথরকপা তেংপালপা মপু লাই নি হায়বা তাকলিবনি। নিংশিংবীয়ু সনামহী লাইনিংথৌদা তাইপঙপালপা মপু সলাইলেল সিতপানা মী শারো হায়না য়াথং পীরে। সনামহী লাইনিংথৌনা নমুমিতম ঙাঁ (ঙমু) দগী হৌরগা শা ঙা ময়াম অমা মথং মথং শারগা মীনি হায়দুনা তাইপঙ মপু মাঙোন্দা কৎশিললে। মপু মনা পুম্ন মক অদু মীনি হায়বা য়াদ্রে। ইকোন কোনবদা য়োং অমা শারগা মীনি হায়না কৎশিল্লে। মপু মানা য়োং অদুসু মীনি হায়বা য়াদ্রে। সনামহী লাইনিংথৌনা মতৌ অসুম্না মী শাবা ঙম্লকত্রবদা তাইপঙপানপা মপু অদুনা মহাক্কী (তাইপঙপালপা মপুগী) মমীৎ মনুংদা তারিবা মাগী মমি অদু য়েংনা মী শাউ হায়বা পাউতাক অদুগী মতুং ইন্না মীৎতা মাগী মমি কুম্লকতুনা উৎলকপা অদুনি। সলাইলেল সিতপাগী মমি য়েংদুনা তমদুনা শাখি হায়বা মীতৈ ইপা ইপুগী পুয়াগী ব্রাফম তাইপঙ পুনসিদা হায়রগা নুপীনা মীরোললমদাইদা নুপাগী মমিৎ মীৎ নাহা অনি লোংই, মপাদা নুমিৎ ৫ (মঙা) নি লৈলমই হায়বদুনি। ব্রাফমশিং অসি কংলৈচা মীতৈগী ৪ শুবা ইনবা ই.য়েক (ময়েক) কী শক্তম, ব্রাহম্বোকনি।



২। মীথীবোং মীতমবাল (মীথীপোং মীতমপাল) : মীথীবোং মীতমবাল হায়বা ব্রহৈ অসি ১৮ শুবা চহীচাদা হিন্দুশিংনা কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইরক্লবা মতুংদা থোক্লকখিবা ব্রাহৈনি। য়াম্না হন্থবা মখলগী ব্রাহম্বোক্তা খুন্নাইগী মীওই খরদা শিজিন্নবা ব্রাহৈনি।

মীথীবোং মীতম্বাল হায়বদি অশেংবা মীতৈলোন্দা মীথীপোং মীতমপাল হায়বনি। কংলৈচাশিংদি য়াম্না থৌনার্বা, মীখা পোন্দবা, নপচং তাংজবা হৈতবা, চহী লীশিং কয়া মনিংতম্বা লৈপাক অমা ঙাক্তুনা পাল্লকপা মীওইশিংনি। ১৮ শুবা চহীচাদগীদি মীখা পোনবা, নপচ তাংজদুনা হিংবা মনিংতম্না হিংবা ঙম্লক্তবা মীওইশিং ওইরকখি। মসিগুম্বা মীওই কয়া হিন্দু নিংথৌশিংগী মরক্তসু য়াওরমখি।

মশাগী মনাৎ, লীচৎ (ধর্ম্ম), লাল্লোং, খুৎশু খুৎলাই, অসিনচিংবা মতিক চানা লৈজরম্বা কংলৈচাশিংনা, লৈপাক্কী লৈহাও অমসুং কংলৈচাশিংগা চানদবা হন্থবা মখলগী মীরৈপাক মচাশিংগী মতৌ তমদুনা, মীওই খরনা Vain Jackdaw ওইনা লেল্লকখি। অসিগুম্বা Vain Jackdaw শিং অসিদা কংলৈচাশিংনা পীবা ব্রাহৈ মিংথোলনি মীথীবোং মীতম্বাল।

মীথীবোং মীতম্বাল = মী+থী +পোং = মীগীদা থিগৎলগা মশাগীদি খংদনা পোংজবা, মীতম্বাল = মীতম + পাল= মীগী মতৌ তমদুনা পানবা অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিং অদুদা কংলৈচাশিংনা পীবা মিংথোলনি মীথীবোং মীতম্বাল।

৩। মলিয়াফম পালচা: হায়বা মমিং অসি মীতৈগী শেংলবা, খ্বাইদগী লিরবা পুয়া, scripture নি হায়না য়ানখ্রবা ব্রাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা- ই.লোন পুকোক পুয়াদা য়াম্না শেংনা মমিং পনবা সালাই লৈশাংথেম (সারাং লৈশাংথেম) সালাইদা পোকপা নিংথৌনি।

মলিয়াফম পালচাগী মতাংদা পুয়ানা অসুম্না হায়রি 'নোংহুমসঙতা লৈলকপা খুম খুম নিংথৌকী নৌতা ওইলাপা। মলিয়াফম পালচাপু ই.ঙঙা কুমতম। ই.ঙঙেন কুমখাইপা মতম লৌতুনা। মসিতকী কুমচৎ সিঙথালোন লাইলি লাইচৎ। নুমিৎ। থাসিঙ। চৈহি চৈচৎ হৌহনখিয়ে।।০।।'

মতাং অসিদা পুয়ানা হায়রিবসি মলিয়াফম পালচাবু 'কুমচৎ সিঙথালোন লাইলি লাইচৎ। নুমিৎ। থাসিঙ। চৈহি চৈচৎ হৌহনখিয়ে।।০।।' হায়বদি era হৌহনখি হায়বনি। মলিয়াফম পালচানা era হৌখি হায়বা নত্তে। মসিনা তাকপদি লৈপাক, নিংথৌ, মাইচৌশিং মুন্না তান্নরগা B.C. 1400 দা কংলৈপাক্কী চৈহি চৈচৎ সালাই নিংথৌসিগী মমিংদা হৌহন্দ্রগা সালাই লৈশাংথেম নিংথৌগী মমিংদা হৌহনলিবনো হায়বসিদি, মতম অদুদা era পুথোকপদা খ্বাইদগী শরুক চাওনা সালাই লৈসাংথেম্ন া য়াখিবনা সালাই লৈশাংথেম নিংথৌগী মমিংদা era পুথোকহনবা ওইখিবা য়াই।

মলিয়াফম পালচানা লৈমা তানু পান্নদুনা কোন্থৌপা নিংথৌ পোকয়ে। কোন্থৌপদি হাউলোকপম শাকৈ ওইখি। মসিদগী হেন্না পুয়াদা মলিয়াফম পালচাগী চাতা নৌতা থেংনদে।

মলিয়াফম পালচা কংলৈ নিংথৌ কোননচিন তুকথপা ইপু অথৌপা পাখংপাদগী পারগা সালাই লৈশাংথেম সালাই নিংথৌশিংগী পরেংদা পারগা মরিশুবা নিংথৌনি।

৪। মোংপা হনপা উমং : হৌজিক ১৮ শুবা চহীচাদা ময়াং ময়াম লৈশিল্লক্লগা ময়াংগী লাই উমং ওন্থোকখ্রবা মহাবলী উমং কৌদুনা য়োং মকোল ওন্থোকখ্রবা উমং অদুনি। মোংপা হনপা উমংদা অহানবদা য়োং লৈরমদে। উমং অসিদা সেলোই লংমাইচিংদগী য়োং ফারুরগা য়োংয়াম ময়াম অমা উমং অসিদা হিন্দুগী য়োং লাই হনুমানগী মফমনি, মহাবলী কৌই হায়বা য়ানবা হিন্দু নিংথৌশিংনা থাদোকই। য়োংশিং অসিনা মখোয়গী মহৌসাগী ময়ুম নত্তবনিনা লৈনিংদদুনা নোংপোকলোমদা সেলোই লংমাইচীং তমনা চেল্লি। চেনফম লম্বী অদুবু হৌজিক ফাওবা য়োংলান লৈরক/ লম্বী (য়োংনা লান্দুনা চেনবা লৈরক লম্বী) কৌদুনা লৈরি, হৌজিক্কী হিন্দু কোন্নুংগী নোংপোকতা।

মোংপা হনপা উমং হায়বদি লাইনিংথৌ মোংপা হনপাগী ইরাৎ থৌনি তৌফম উমং হায়বনি।

'মোংপা হনপা' করিনো মুন্না খংবিয়ু:

মীওইবনা মমা অমা মপা অমনা পোক্লক্তুনা তাইবঙ পুনসিদা খোংদারকপবু লাংওনলকপা নত্রগা মোংপা কৌই নত্রগা মীওইপোক পুনসিবু মোংপা কৌই। মীওইবগী য়ুমবু 'মোংপা মলানয়াই' নত্রগা



'মোংপা মরানয়াই' কৌই। মফম অসিদা হায়রিবসি তাইপঙমী ঐখোয়গী য়ুমদি পুনসিগী লানফমগী ময়াইনি, মফমনি হায়বনি। অদুগা অতোপ্পা লোন অমদা অমুক য়েংবিয়ু, মীতৈ ঐখোয়না মী শিখিবগী মৈ থাফমবু নত্রগা ফুমফমবু মোংফম কৌই। মসিনা হায়রিবদি মীওইবনা মতম খরা তাইপঙ পুনসিগী লান্দা য়াওরম্লগা ঙা মোংবগুম্না খংহৌদনা মোংফমদা লুপখি মাংখি হায়রিবনি।

মরম অসিনা মোংপা হনপা হায়বদি তাইবঙ লাংওন নত্রগা তাইপঙ পুনসি ওইরকপদগী নত্রগা তাইপঙ শন্থোকপদগী হনপা, মানা হানবা নত্রগা তাইপঙ কুনসেম লৈশেমদগী মানা হান্না লৈরবা তাইপঙ পানবগী মপু নত্রগা তেংপানপগী মপা সিতপা মপু মহাকপু হায়বনি। মরম পুম্নমক অসিনা মোংপা হনপা উমং হায়বদি কংলৈপাক্তা হিন্দুনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈগী মমাংদা লৈপাক নিংথৌ কংলৈচাশিংনা তাইপঙ সেমপা, তেংপানপপু শেমপা তাইপঙপানপকী মপু, তেংপানপকী মপু তাইপঙকী ইপা মহাক্কী খুফম য়াজদুনা, ইপা মহাকপু ইরাৎ থৌনি তৌফম মোংপা হনপা উমংগী মনিংদা লুরবা ইম্ফাল তুরেলগী তুথেক অমা লৈ। মদুবু মোংপা হনপা ইরেল কৌই। ইরেল অসি তাইপঙগী মপা ওইরিবা তাইপঙ শেমপা মপু মহাক্কী ইরাৎ থৌনি ইকৌদা শিজিন্নবা মরম্না মফম অসি য়াম্না লুবা লাইগী মফমনি হায়না কংলৈচাশিংনা নিংশিংবা থোক্নবা মতমদগী লুনা খন্নবা, লুরবা ইরোলনি হায়না লুনা কিনা ইকাই খুম্নজবা ইরেল ওইরকই।

হিন্দু নিংথৌ লাক্লবা মতমদা, মোংপা হনপা উমংবু মহাবলি উমং ওন্থোক্লবা মতুংদা, হিন্দুশিংনা মখোয়গী মপা মপুনি খংনবা লিনজাও লাইরেলগী মফমনি হায়জিল্লকখি।

৫। মুনু : মুনু হায়বা ৱাহৈ অসি কনাগুম্বা হিন্দু ময়াং মচাশিংগা নক্ল বা মীওই খরনা মোনু হায়দুনা ওন্থোকপা ৱাহৈদা ইরকই, মোমনু হায়না ইরকপসু য়াওই ; মসি কংলৈচা মীতৈগী থাইনগী ইপা ইপু শিংগী লীচৎ, ইনাৎ, চৎন লোনচৎ অসিনচিংবগা, হৌজিক্কী অমসুং লাক্কদৌরিবা মীরোলগা শম্নদনবা হিন্দুগী মতমদা ওন্থোক্লকপনি। অতোপ্পা ওন্থোক্লবা ৱাহৈ অমতংগা পনবা তারবদি, হিন্দুশিংগা মরি লৈনবা পন্দিৎশিংনা কংলৈচা মীতৈশিংগী ৱাহৈ "থৌৱাই" বু "থৱাই" হায়না ওন্থোক্লগা শিজিন্নে, মসি অরি অনৌ শম্নদনবা, কংলৈ মীতৈগী অৱাংবা ৱাখলবু অনৌবা মীরোলদা ফংদনবা হিন্দুগী মতমদা শেমথোক্লকপনি। মুনু হায়বা ৱাহৈ কী মশক মুন্না খংনবা হোৎবিয়ু। মুনু হায়বা ৱাহৈ অসি লান্ন ইশৈ হায়বদি শিরমদাইদা শকপা ইশৈ নত্রগা নোংকা ইশৈগী মরু ওইবা ৱাহৈ অমনি।

লানশোম্বীগী লময়াইদা,
মুনুনা ৱারে পোৎথাবা
ইপাম লমদম য়েংলুবদি
নুংশিবা মায়কৈ তামখরে!

মথক্কী পরেং মরিগী শৈরেং ইশৈ অসি, কংলৈচা
মীতৈগী লান্ন ইশৈগী শরুক অমনি।

মথক্কী শৈরেং অসিগী লানশোম্বীগী লময়াইদা হায়বসি মীতৈ য়ুমগী সুমাংদা লৈবা খাংলেনফমনি। মথক্তা ট ময়েক্কী মখাদা য়েংবিয়ু।

মথক্কী শৈরেংদা য়াওরিবা মুনু হায়বা ৱাহৈ অসি মীওইবা নত্রগা পুনসিগী লাংপা চক নত্রগা লাং চক' নি।

মুনু গী ৱাহন্থোক্তী - মু + নু = মু হায়বদি মথক্কী লান্ন-ইশৈ অসিগী শরুক অমদা য়াওরিবা ৱাহৈ 'খোইমু'দা য়াওরিবা মু অসিগা মান্নে, ৱাহন্থোক্তি মীওইবগী পুনসিদা থানবা য়াদনা পুকনিং ৱাখলদা য়াওরিবা কল্লকপা, মিহৌবা, অপান্বা অসিনচিংবা অসিবু হায়বনি। লান্ন-ইশৈদা য়াওরিবা খোইমু হায়বা ৱাহৈসি মীওইবা অয়াম্বনা অপিকপা মশা পানবা খোই অমুবা অদু ওইরবোই নিংই, মদু নত্তে। খোইমু = খোই + মু = খোই হায়বদি থম্মোই, পুকনিং, ৱাখল হায়বনি। খুদম — নুজা কনাগী চেংলৌনো, পাখং ঐনা খোইদারে, খোইদারে + মু = হায়বদি অমুবা ৱাখল হায়বনি। অমুবা খোইমচা মী চীকপা অদুদি লৈগী লৈকাদসু তোংদে, খোইমুনা ইল্লে খোইরাবা হায়রুনবগী মরমসু লৈতে।

'মুনু' দা য়াওরিবা 'নু' হায়বা ৱাহৈ /concept অসিগী ৱহন্থোক্তি, 'নু' হায়বদি মী, মীওইবা হায়বনি। 'নু' হায়বা ৱাহৈ অসি নুপা, নুপী অনিমক খংনবা মীওইবা হায়বা ৱাহৈ /concept কী অনিমক খংনবা /concept (common gender) নি। খুদম নু+ পা= নুপা, নু+ পী= নুপী।

লান্ন ইশৈ নত্রগা নোংকা ইশৈগী মথক্তা উৎচখিবা মচেৎ অসিগী ফজবসু খংবিয়ু অপাম নুংশি, কল্লক মিহৌ, মচা মশু য়োক্ল বা হোৎনবদা লেল্লক্লবা কেম্লবা পুনসি অমনা, পুনসিগী লানফম মাইওক্লবা ঙমদ্রদুনা খাংলেনফমদা লোংনা হিপতুনা অরোইবা মীকুপ ঙাইদুনা লৈরবা মীওই (নুপা, নুপী) অমনা শাংলবা



পুনসিদা শুকনিং নিংশিংলুদ্রবা মাবু শেম্বীবা মপু মহাকপু নিংশিংলক্লে। মতম অদুদা মীওইবা অদুনা মপু মাবু নিংশিংলকপা মতমদদি, মাবু শেম্বা মপু অদুদি য়াম্লা তাম্লা লৈরমলে। মসিবু ইপা ইপু কংলৈ মীতৈশিংনা ইপাম লমদম য়েংলুবদি, নুংশিবা মায়কৈ তামখরে হায়না শৈথানৈ। মীকুপ খরগী মনুংদা তাইপঙ থাদোক্লগদবা মীওইবা অদুনা ফিভম অসিদা তাইবং শেম্বা মপুদুবু নিংশিংলকপদা মমিৎতা-পি তারকই, মপু মহাক্কী মায়কৈ য়েংলকই। থাইনগী কংলৈচা মীশিংনা তাইবং শেম্বা মপু মহাকপু নুংশিবা কৌই, মাগী লৈফমদুনা ঈ পুম্নমক্কী হৌফমনি হায়দুনা ঈপাম, ঈপাম লমদম হায়না খংনৈ।

৬। মায়থোং থম্বাল : মায়থোং থম্বাল হায়বা মীতৈগী ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক অসি অচম্বা মীয়াম্মা খংনরিবা অদুদগীদি তোংঙাল্লি। মীতৈ হায়বা ঈ কাংলুপ অসিনা য়াম্মা লিবা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমগী লৈপাক মচা(citizen) ওইরকপনা মখোয়গী খুন্নাই অমসুং ঈনাৎ অসি হৌজিক্কী মীয়াম্মা খংবদা ৱাবা ৱাহৈ /concept ৱাখলশিংনা পীক থল্লি অমসুং মতম অসিগী মীশিংনা খংবদা য়াম্মা ৱানা থোকই।

মায়থোং থম্বাল = মায়থোং থমপাল হায়বদি মীওইবা অমগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা হকচাংগী শরুক মায় অসি মীওইবা অমগী পুক্লিংগী থোংনি, মরম অসিনা মায়বু মায়থোং কৌই। হরাওরে মায়দা মমি তাই, শাওরে মায়দা মমি তাই, কিরে মায়দা মমি তাই, ..........।

মরম অসিনা নুপা নুপী অমনা মানা য়ুম্মা নুংশিরিবা নুপা নুপী অদুগী মায়থোংদা য়েংদুনা পুনসি লেল্লি, মহাক শাওখিগদ্রা, ৱারৌখিগদ্রা খন্না খন্না লৈমিন্নৈ। মসিনি মফম অসিদা মায়থোং থমপাল দা য়াওরিবা থম্বাল= থমপাল হায়বগী ৱাহন্থোকনি। থমপাল= থম +পাল= থম হায়বদি পুকনিং ৱাখল থমদুনা, পাল হায়বদি পাল্লি, পুনসি লেল্লি হায়বনি।

মায়থোং থম্বাল গী ৱাহন্থোক শেংনবা মখাগী থাইনগী খুন্নাই অসিগী তাংলবা ফজরবা ৱাংউলোনগী ইশৈ অমগী মতেক অমা থমজগে, মুন্না পাবিয়ু:

মমাং লৈকায় থম্বাল শাৎলে
খোইমুনা ইল্লে খোয়রাবা

মথক্কী শৈরেং ৱারেং মতেক অসিগী ৱাহঙ্খোক অসি অসুক্কী মতিক ফজৈ, কনাগুম্বা খংলমদবা নুপা নুপী অমনা হেক খংলকপদা মোমোন নোক্কনি, খংদবা মীদদি ওক অমগী মমাংদা সনা মতুম অমা লংশিনবগুম্বনি।

মমাং থংবা পরেং অদুদা য়াওরিবা মমাং লৈকায় হায়বদি হকচাংগী মাং থংবা শরুক্তা হায়বনি। থম্বাল হায়বনা হৌজিক্কী লোম্দা ইশিংদা থম্মাগা শাৎমিন্নবা লৈ থম্বাল অদুনি। মনুংগী ৱ াহঙ্খোকনা ইনখৎলকলিবা নুজা (নুপী মচা) অমগী মথবাকতা পুনসিগী ইনখৎলকপগী হৌনবী, মথোৎ কারকপগী হৌনবী, তোংখৎলপপা অনি অদুবুনি।

মথংগী পরেংগী খোইমু হায়বা ৱাহৈ অসি, ৱা অহোবদা মকোন শারগা লৈবা অমুবা চিক্কনবা খোই অদু নত্তে। খোইমু = খোই + মু = খোই হায়বদি মীতৈশিংনা পুকনিং ৱাখলবু খংনৈ। খোইতারে, খোইরাংলে, খোই শাওরে অসিনচিংবা। মু হায়বনা অমুবা ৱাখল, হায়দোকপা য়াদবা ৱাখল পুকনিং হায়বনি। খোইরাবা হায়বনা খোইমু লাবা হায়বনি। খোইমু হায়বা ৱাহৈসি ঙসিফাওবা পাখংদা, ইনখৎলকলিবা নুপাদা থোনবা মিংথোন্নি।

মরম অসিনা মথক্কী পরেং অনি অসিগী ৱাহঙ্খোকতি ইনখৎলকলিবী, মথোৎ কারকপী লৈশাবী অমগী থৌপাক (থবাক) তা য়েংদুনা, পুকনিং ৱাখল থমদুনা পুসি লেন্নরে, পুনসি হিংলুরে হায়বনি।

মীওইবগী হকচাংগী মরিগা লৈ থম্বালগা করিসু মরি লৈনদে।

৭। মিৎসনা থম্বাল : মথংগী ৱাহৈশিং অসিনা 'মিৎসনা থমপাল' হায়বনি।

মিৎসনা থম্বাল = মিৎসনা থমপাল হায়বসি মথক্কী মায়থোং থমপাল হায়বা ৱাফমদা অইবনা হায়জখিবা, ইজখিবা ৱ াফম অসিগা চাওরাক্লা মান্নে।

মিৎসনা থমপাল হায়বসিদা মথক্লা খেন্নরিবদি মিৎসনা হায়বা ৱাহৈ অসি খক্তনি।

মিৎ নত্রগা মীৎ হায়বা হকচাং কায়াৎ অনি অসি তাইপঙ মীওইবগী শন্দোকলম্বীদা য়াম্লা মরু ওইবা কায়াৎ অনিনি। মীওইবা



অমগী থৌৱাইনা মী অমগী মশক লৌদুনা তাইপঙপাল মায়ওক্ল নবা মমাদগী থোক্লকপা ফাওবদা থা ১২ (তরানিথোই) চংই, মপাদা থা ২ অদুগা মমাদা থা ১০। মপাদা থা অনি লৈরম্বা অসিগী অরোইবদা, মপাগী মিৎ নাহা অনি লোংই, অমনা মপাগী হান্নগীনি, অদুগা অমনা অনৌবা থৌৱাই অমা মীওইনা থোক্লক্কদবগী খোংচৎনি। মিৎ নাহাদা লৈরম্বসি নুমিৎ ৫ (মঙা) নিনি হায়না পুয়ানা হায়। মতাং অসিবু মীতৈগী থাচৎতা ফাইলেল থা কৌই, কুমগী অনিশুবা থানি।

মতাং অসি নুপা মশাদা ঈরাং হায়বদি Heat লৈবা মতমনি, English তা হায়রগা। নুপাগী অসিগুম্বা ঈরাং অসি মহাক্কী মমিৎকী মিৎ য়েংনা মহাক্কী নুংসিরবী চান্নবীদা ফোংদোকই। মহাক্কী চান্নবীনসু খংই, মিৎয়েংনা মহাক্কী অয়াবা য়াদবা ফোংদোকই। অসুম্লা নুপা নুপীনা মিৎকী পাম্বৈনা তাইপঙ শন্দোক্তুনা মিৎয়েং থম্মদুনা পুনসি লেলমিন্নে।

মিৎসনা থমপাল দা য়াওরিবা সনা হায়বা ৱাখল/concept অদু শন্দোকপগা মরি লৈনবা ৱাহৈ /concept নি, স্না হায়না ইবা য়াদে, লাল্লি। মিৎনা তাইপঙ শন্দোকপগী লম্বীদা য়াম্লা মরু ওইবা থৌথাং (থৌদাং) লৌবা অমদি মিৎকী পাম্বৈনা ৱাখল ফাওনদুনা, তাইপঙ শন্দোক্তুনা নুপা নুপী পুনসি লেনমিন্নবা মরম অসিদগী মিৎপু মিৎসনা থমপাল হায়না কৌরিবনি, লৈরাং থম্বালগা মিৎকা করিসু মরি লৈনদে।

৮। মি হায়বা ৱাহৈ /concept অসিগী মতাংদা পুয়াদা ইরিবা অসি মুন্না য়েংবিয়ু :

"সিতপা কী মসক্তি মিনে"

"মিতা সাইওন তৌতুনা পোকপা সিপ্পা তাইপঙ মীনা। মীতৈ হাইনা কৌখলে।।০।।"

মথক্কী ৱাহৈ পরেং অনি অসি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই আমা ই.লোন পুকোক পুয়াদগী লৌথোকপনে।

মফম অসিদা পুয়াদগী অহানবা লৌথোকপা ৱাহৈ পরেং অসিদা হায়রিবদি

"সিতপা" হায়বদি পোকপা সিবা নাইদবা তেংপালপগী, তাইবঙপানবগী মপা ওইরিবা ইবুংঙো মহাক্কী মশক্তি "মিনে"

হায়রকপনি। মতাং অসিদা “মি” হায়বগী ৱাহন্থোক্তি “ৱা”, concept, হায়বদি English তা spirit হায়বনি। ঐখোয়না হায় - কংলৈচাশিংগী ৱাখলদা Democracy গী মমি শেংনা তাই, অন্ন হাজারেগী ৱাখলদা মহাত্মা গান্ধিগী ৱাখলগী মমি তাই অসিনচিংবা।

মথক্কী মি, মমি হায়রিবা ৱাহৈ, ৱাখল্লোনশিং অসিদা, মি, মমি হায়বা ৱাহৈ /concept শিং অসি খুৎনা পাইবা য়াবা, মিৎনা উবা পোৎশক ওইনা লৈবা নত্তে হায়বসি খংবিরম্লগনি।

অনিশুবা লৌথোকপা অসিসু মথক্তা পঞ্জখ্রবা পুয়া অসিদগী লৌথোকপনি। মথংগী লৌথোকপা অসিনা হায়রিবনা, অসিগুম্বা “মি” হায়রিবা অসিনা সাইওন তৌতুনা পোকপা সিবা তাইপঙ মীওইবা কাংবু অদুবু মীতৈ হায়না কৌখলে হায়বনি।

ইপা ইপুগী ৱাখল, ৱাখল্লোন অসি য়াম্মা শেংই। মপুগী মশকতি মিনি, অদুগুম্বা মিনা মশক ওইবা মপু অদুনা, মহাক্কী মশক্তা সাইওন তৌদুনা পোকপা সিবা তাইপঙ মী কাংবু অদুবু মীতৈ কৌই হায়বনি।

মথক্তা পুয়ানা শিজিন্নরিবা সাইওন হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক্তি, সাইওন = সা+ঈ +ওন হায়বনি, হায়বদি মি, spirit ওইনা লৈরম্বা মপু মহাক্না সা = হকচাং, ঈ না থনবা, ওন ওন্দুনা হায়বদি মশক নাইদবা মপু মহাক্না মীওইবগী মশক, হাকচাং ওইনা থোরকই হায়বনি।

মতাং অসিদা ঐখোয়না শেংনা খংলকলিবনা, তাইপঙনা য়ানরবা মীদি মপুগী মশকনি, মপুগী মশক লৌদুনা শেমখিবনি হায়বসি মীতৈ ইপা ইপুদি হান্না খংলমলে হায়বসিনি।

মথংদা অমুক খংলিবনা মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ অসিগী মমিংসি মৈতৈ হায়না শেমদোরকলিবা অসি মীতৈ মাংনবা, শেমজিল্লিবা মী কাংবু অদুদগী য়াম্না হেনবনা মাংখিনবা হোৎনরকপনি হায়বা অসিমসু খংলে।

৯। মালেম : মালেম হায়বা ৱাহৈ /concept অসি হৌজিক্কী কংলৈপাক্কী মীয়াম্নসু মচা নুপীমচাশিংদা য়াম্না মিংকৌ ওইনা শিজিন্নরবা ৱাহৈ/concept নি। মালেম হায়বা মিংকৌ অসি মীতৈ ইপা ইপুগী ৱাহৈ পুককৈদা য়াম্না নুংশিবা মীতৈ হায়বা ঈ



কাংলুপকী অৱাংবা ৱাখল ফোংদোকপা ৱাহৈ/concept নি। কংলৈপাক্কী মীতৈ কাংলুপ্না, English কী ৱাহৈদা Earth হায়রগা খংনবা ৱাহৈ অসিবু মালেম হায়রসু খংনৈ। মালেম হায়বা ৱাহৈ অসি মীতৈনা ইমা লৈমলে সিতাপী হায়না মিংকৌনপ ৱাহৈ /concept অদুনি। মালেম হায়রিবা ৱাহৈ অসি হিন্দুশিংনসু পৃথিবী হায়রগা খংনবা ৱাহৈ অদুনি।

মালেম হায়বা ৱাহৈ /concept অসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খংবিয়ু:

মালেম = মাল্লেম = মাল্লে + ইমা হায়বনি। মীওইবা, শাঙা উচেক ৱায়া, উব্রা, তিল কাং, অসিনচিংবা পুম্নমক অসিবু পোকপা নুমিৎতম্বী পুনসি লোম্বা নুমিৎ অদু ফাওবা চংজফম পীরিবা, ঐখোয় পুম্নমকপু থাকলিবা মীচং মীখায় নাইদবী ইমা সিদবী লৈপাক লৈমা অসিদ কংলৈচাশিংনা পীবা মমিংনি। ঐবু হেক পোকপী ইমানা তৌবগুম পুনসিগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবা ঐবু য়োকলিবী থাকলিবী ইমাগুম্বী, ইমাদগী হেল্লবী লৈপাক লৈমা অসিদা, কংলৈচাশিংনা য়াম্না নুংসিনা থোনজবা নুংশিবা অমসুং তৌবিমলগী মিংকৌনি।

১০। মালংপা : তেংপালপা (Universe) কী মপু অদুনা হৌজিক্কী নুমিৎ, থা, থৌৱাইমিচাক্ল চিংবনা থল্লবা তাইবংমালেম অসিবু শেমদ্রিঙৈদা মপু মানা লৈরম্বা মওংবু তলঙ মালঙ কৌই। তলঙ মালঙকী ৱাহন্থোকতি তেংপালপা অসি অরেপ্পা অমতা লৈতনা ইলংলংনা মওং মশক মওং তাকতপা হায়বনি মপু মানা অসুমনা লৈলিঙৈদা তাইপঙ শেমগে নিংলক্লে। মহাক্না ইহান হান্না শেম্বা পোৎশকপু কামপী মৈ কৌই। মৈশা য়াওদনা তেংপালপা, তাইপঙপালপা অহিংবা পোৎশক অমতসু হিংবা ঙম্বগী পাম্বৈ লৈতবনা, তাইপঙ পালপা মপু মহাক্না ইহান হান্না সাইওন্দুনা থোক্লকপা পোৎশকতি কামপী মৈ কৌই। অনিশুবা তেংপালপা মপু অদুনা তাইপঙ মচা মসুশিংগী হিংনবা পাম্বৈ ওইনবা সাইওল্লকপা পোৎশক অদুনা লাইচা ইশিং কৌই। অহুম শুবা তাইপঙ মচা মশুশিংনা মিকুপ খরতা ওইরবসু য়াওদনা হিংবা য়াদ্রবা, পোৎশক অদুবু মালংপা - নুংশিৎ কৌই।

মালংপাগী ৱাহন্থোকতি ইলং লংবা ইহাং হাংবা মফম অসি শিনবা থুংনা লৈদুনা তাইবঙথৌৱাই ওইনবা নুংশিৎ ওইনা

সাইওল্লকই হায়বনি। অমরোমদা মালংপা হায়বদি ইচম চম্মা নুংশিৎ হায়বনি।

১১। মৈ : মৈ হায়বা ব্রাহৈ অসি হেক থংনবা মথক অসিদা কামপী মৈ কৌই হায়না ইজখ্রে। মতাং অসিদা কামপী হায়বা ব্রাহৈ। concept অসি করি হায়রিবনো হায়বসিনি।

কামপী = কাম+পী = কাম হায়বদি কামথোরকপা, মী অমনা নত্রগা শা অমনা ময়াদগী কামথোরকপা, মৈ কাম্বদা শিজিন্নরিবা ব্রাহৈ কাম্বা+পী হায়বদি পীরকপা, পীথোরকপা অসিনচিংবা। মরম অসিনা কামপী হায়বদি মপু মহাক্লা মচা মশু তাইবংনা পোক্লগা হিংবা ঙম্মবা, থৌব্রাইগী মশক ওইরবা হৌজিক ঐখোয়না মৈ হায়রগা খংনবা পোকশক অসি মশাদগী কামথোরক্তুনা পীরকপনি। মরম অসিনা কামপী হায়না মপু মহাক্লা মিংকৌবনি। মসিবু লাইলোল কৌই।

ঽ (অমা) লৈপা মলমনা ই.নুঙলোননা কামপী হায়না কৌখলে।' হায়না পুয়ানা ইরি। কামপী মৈবু তাইপঙ মপা ওইরিবা মপু মাগী মশকমকনি হায়না মীতৈ কাংলুপনা লৌবা মরমনা, ঙসি ফাওবদা কংলৈ মীতৈগী লাইগী থৌরমদা মৈরা য়াওদনা পাংথোকপা য়াদে।

১২। মিহুন : মিহুন হায়বা ব্রাহৈ /concept অসি মীওইবা ঐখোয়গী হকচাং (হুকসাং) গী মফম কয়াদা, খুদাংদা, থৌপাক (থবাক) তা মতম পুম্মমকতা লেংদুনা লৈরিবা, হকচাং মনুংদগী থক থক ইস্থোক্লকপা হকচাংগী থবক অদুবু খংনৈ।

সিতাপা তাইপঙপালপা মপুগী মশক্তি মি নে হায়বা ব্রাহৈ পরেং মথক্তা ইজখ্রে। তাইপঙ হুকশাং (হাকচাং) অসিগী মফম খুদিংদা তাইপঙ পালপা মপু মহাক্লা লেংদনা লৈ। মপু মহাক্লা লেংদনা লৈবা মরমনা তাইপঙ পুনসি ঐখোয়না হিংদুনা লৈবা ঙমলিবনি। মপু মহাক্লা তাইপঙ হকচাংসি হেক থাদোকখিবা মিকুপতা তাইপঙ পুনসিগী সিবা হায়বা মিকুপতু ওই।

মিনা তাইপঙ হুকসাং (হকচাং) থাদোকখ্রবরা খংনবা, হৌজিক মীওইবনা সিরমদাইদা খুৎলাইগী মতেংনা নত্রগা হকচাংদা খুৎনা পায়দুনা মিহুন লৈরিব্রা হায়না য়েংনৈ।

১৩। মী খলৌপা : মী খলৌবা হায়বা পুয়াগী ব্রাহৈ /concept



অসি করিনো? তাইপঙ পালপা মপু সালাইলেল সিতাপা অদুনা মচা নুপা অহল সনামহী লাইনিংথৌদা মী শারো হায়না পাউতাক পীরে। পাউতাক অদুগী মতুং ইন্না সনামহী লাইনিংথৌনা মী শাবা হৌখরে। ইহান হানবা লাইনিংথৌ সনামহীনা মীনি হায়দুনা শাবা মথৌব্রাই পানবা পোৎশক অদু ঐখোয়না হৌজিক উশিন শিন্নরিবা ঙমু (পুয়াদনা নমু মিতম ঙা) অসিনি। লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপানা ঙমু অদু মীনি হায়বা য়াদ্রে। মতুংদা লাইনিংথৌ সনা মহীনা মথৌব্রাইপানবা কয়া মীনি হায়না শারে। লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপানা পুম্মমক মীনি হায়বা য়াদ্রে। ইকোন কোনবদা লাইনিংথৌ সনা মহীনা মপা ইবুঙো সালাইলেল সিতাপদা মহাক মী শাবা ঙমদ্রে হায়না হায়জরে।

সালাইলেল সিতাপনা মহাক্কী মমি য়েংদুনা মী শাও হায়না সনা মহী লাইনিংথৌদা পাউতাক পীরে। পাউতাক্কী মতুং ইন্না লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপনা মহাক্কী শকতম অদু আতীঙআদা উৎলে।

মতৌ অসুম্মা লাইনিংথৌ সনা মহীনা মপা ইবুংঙো সালাইলেল সিতপগী শকতম য়েংদুনা মী শারে। লাইনিংহথৌ সনা মহীনা লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপগী শকতম লৌদুনা মীনি হায়না শারিবা পোৎশক অদু মপাবুং সালাইলেল সিতপদা মী শারে হায়না কৎশিল্লে। শারিবা পোৎশক অদু মীনি, মী শারে হায়না লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতপনা লৌখৎখ্রে।

মতৌ অসুম্মা লাইনিংথৌ সনা মহীনা তাইপঙ পালবদা তাইপঙ মী হায়না মথৌব্রাই পানবা কাংলুপ অসিবু শঙে দাকখিনবগীদমক শাখিবা অহানবা শকতম, অহানবা মীওইবগী শকতম অদুবু পুয়ানা মী খলৌপা কৌই।

মী খলৌপা হায়বদি খলৌপা = খা + লৌ + পা = খ নত্রগা খা হায়বদি মথক্তংগী মখা লোমদা হায়বদি তাইপঙ নোংমতোনতগী তাইপঙ মালেম্দা, লৌ= লৌ হায়বদি লৌথলকপা, পা= পা হায়বদি নুপাগী শকতম হায়বনি।

মরম অসিনা মী খলৌপা হায়বা পুয়াগী ব্রাহৈ/ concept অসিনা হায়রিবদি তাইপালপগী মপু লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপগী শকতমবু য়েংদুনা সনামহী লাইনিংথৌনা শাখিবা তাইপঙ মীগী শকতম, Proto-type of man নি হায়বনি।

মীতৈগী ৱাখল লৌশিং ৱাংউলোনবু তাইপঙপালপা (world) না তম্নখ্রবা ৱাখল্লোন্নি। কংলৈচা পুম্নমক মুন্না খন্থবিয়ু।

১৪। মিৎ নাহা : মিৎ হায়বা অসিদা মিৎ নাহা হায়না য়াওরিবা ৱাহৈ অসিদি মুন্না খংনবা পোৎনি।

ঐখোয়না হৌজিক খংবদা. মথৌ তাবা, খংবদা য়াম্না কান্নবা, কংলৈরোন্দা মরা তাবা ৱাংউলোনগী ৱাাফমদি মিৎ নাহা হায়বসিদা য়াওরিবা নাহা হায়বা ৱাহৈ concept অসিনি।

মিৎ হায়বদি মীওইবগী মায়গী শরুক্তা য়াওরিবা উন্নবগী কায়াৎ অনি অসিবুনি। মসিগী ৱাহন্থোক, পোৎশকসি করিনো হায়বসিদি মী খুদিংনা ইখং খংনবা পোৎনি। খংবদা য়াম্না মথৌ তারিবদি 'নাহা' হায়বা মীতৈগী ৱাংউলোন অমসুং মীশেম্লোনগা মরি লৈনবা ৱাহৈ/concept অসিনি।

লাইনিংথৌ সনামহীনা তাইপঙ মীওইবা শাবদা, সালাইলেল সিতাপগী মমিৎতা মহাক্কী মমি তারিবা, মহাক্কী মশক অদু য়েংদুনা মীওইবগী শকতম অসি শাখিবনি হায়বসি খংবিখ্রে।

লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপগী মমি অদু মহাক্কী মমিৎতা তাই, অসিনি। অদুবু হেন্না কুপ্না খংবা তাবদি মহাক্কী মমিৎকী করম্বা মফমদা মহাক্কী মমি অদু তাই অসিনি। লাইনিংথৌ সনামহীনা মমিদা য়েংদুনা মী শাখি হায়বদু লাইনিংথৌ সালাইলেলগী মহাক মশাগী মমি মিৎ নাহাদা তাবা অদু য়েংদুনা শাখিবানি, মমিৎ কী মিৎ নাহা দা মমি অদু তাই হায়বসিনি।

হৌজিক ঐখোয়না লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপগী মিৎ নাহাদা মশাগী মমি তাই হায়বা অসিমা খংলে।

ঐখোয় মীতৈনা মিৎ নাহা হায়রিবা ৱাহৈ/concept অসি English তা Pupil হায়বা ৱাহৈদুনি। মিৎ নাহা দা য়াওবিবা নাহা হায়বা ৱাহৈ মচেৎ অসিগী ৱাহন্থোক করিনো অসিনি।

সালাইলেল সিতাপগী মমিৎতা হায়বদি মহাক্কী মিৎ নাহা দা তারিবা মমি অদু য়েংদুনা তাইপঙ শেম্বা হৌখিবনা হায়বদি মিৎ নাহাদা য়েংদুনা তাইপঙ শেমনবা হোৎনবা হৌখিবনা, মিৎ নাহা দা য়াওরিবা নাহা অসি হান্না, ইহান হান্না হোৎনবা হৌখিবা হায়বা ৱাহন্থোক অসি লৈ হায়বসিদি মুন্না খল্লগা উবা পোৎনি।

কংলৈ ৱাহৈ পুক্কেদা লৈবা ৱাহৈশিংগী ৱাহন্থোক মতুং ইন্না নাহা হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো য়েংসি:



নাহা = না + হা = না হায়বদি নাবা হায়বদি হোৎনবা হায়বনি, তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক্তা ঙাক্তা খনবীগনু। ঐখোয়না নাহা য়াম্না ওইরিঙৈদা অহনশিংনা নাহা অমনা থবক তৌবদা কান্নররোই ওইররোই খংবা মতমদা চৈবোই পাওতাক পীবোই 'নাবা নংনা তৌরিবা অদু ওইরোইনে' অসুম্না হায়রকপা য়াম্না তোইনা তাই। মসি হৌজিকসু করিগুম্বা মতমদা তাবিরকখিনি। অদুগা হা হায়বা মচেৎ অসিনা হা = হান্না, ইহান হান্না হায়বনি। মরম অসিনা মিৎ নাহা হায়বা ৱাহৈ /concept অসিগী ৱাহন্থোক্তি মিৎতা য়েংদুনা ইহান হান্না তাইবঙ শেম্বা হৌখি হায়বনি।

মিৎ নাহা গী ৱাহন্থোকসি পেনা শকপগী ইশৈদা য়াওবা 'নাহাননোং তাইপঙ শেমঙৈদো' হায়বদা য়াওরিবা নাহান নোং ৱাহৈ /concept অদুগা ৱাহন্থোক চপ মান্নে।

১৫। মৈনা ৱাই, তাংনা শম : 'মৈনা ৱাই, তাংনা শম' হায়বা ৱাহৈ মরিখক্লা শাবা ৱাহৈ পরেং অসি কংলৈপাক্কী মপা মপুগী লীচৎ (ধর্ম্ম) চৎলক্লবা, ১৮ শুবা চহীচাদা হিন্দু নিংথৌশিংনা কিহন খংহন্দুনা 'নুংখং ঈলুপ' হনখিবা অদু মপোক ৭ শুরক্লদুনা নমহৎতুনা হিন্দুগী লৌনম লাংদগী নানথোরক্লবা মীতৈ মরুপ হায়রগা খংনবা মী কাংলুপ অমসুং হিন্দু ধর্ম্মবু মশাগী ওইজবা খরগী নত্রগা খংদদুনা হিন্দু ধর্ম্ম চৎলিবা মীওই কাংলুপ অনিমক্তগী তাবা ফংগনি।

অদুবু মীওই কাংলুপ অনি অসিনা শন্দোকলিবা নত্রগা ঙাংনরিবা ৱাহৈ মরিগী ৱাহৈ পরেং অসিগী ৱাহন্থোক্তি পুমখেন খেন্নৈ। খাগা ৱাংগা নত্রগা মথক্কা মখাগা খেন্নবগুম খেন্নৈ।

'সেম্বী মুকাকলৈ' হায়না খংনবা পামহৈবা লালৈ লাথুপনা মখাগী অসুম্না অহানবা লামাইদা ইরি — 'ইয়ু খোইয়ুম লাইনিংথৌ ফামৌ লাইমা খোমবা পোইরৈ মালেম লৈপাক ঙম্বা কংলৈ নিংথৌ লাইনিংথৌও তেংপালবগী মপুও নংবু হন্না হন্না খুরুমজগে।। মৈনা ৱাইনা তাংনা সমবা মীতৈ নিংথৌ ইনিংথৌ পামহৈবা মহাক থক্কী লৈপাক ইসৌ লাংখিবা লিকখুল লিকলমতবু ইয়ু ঈয়ামবা খুৱাই কেকুগী থোইয়া থুমথোইববু অমত্তা কাইদনা লাথুপ ওইনা চনসিনজরমগে।।'

মথক্কী ৱাহৈ পরেংশিং অসি পামহৈবা নিংথৌগী মতমদা কোনুংগী ফমনাইবা ওইরম্বা অঙোম চাওপা, হিন্দুগী মতমদা

অঙোম গোপী, শেখর অসিনচিংবা মিংদা ভগ্যচন্দ্রগী মতম ফাওবা কোনুংগী ফমনাইবা ওইরম্বা, মীতৈ ইপা অসিনা লোন্না ইদুনা থম্লম্বনি।

'মৈনা ৱাই, তাংনা শম' হায়বা ৱাহৈ মরিনা শাবা ৱাহৈ পরেং অসিগী অমসুং ৱাহৈ পরেং অসি শারিবা ৱাহৈ মরিমক্কী ৱাহন্থোক নত্রগা concept অসি করিমত্তা চেন্ননিংঙাই অমসুং চিংননিংঙাই শুকলৈ লৈতে। অহানবা ৱাহৈ 'মৈ' 'মৈনা' হায়বা, চাক থোংবদা শিজিন্নবা, ফি, চরুনচিংবা পোৎশকশিং চাকপা পোৎ অদুনি। মথংগী ৱাহৈ 'ৱাই' হায়বা অসিনা 'ৱাইবা' হায়রগসু ফোংদোক্লবা মৈনা চাকপবু খংনবা ৱাহৈ অদুনি, খুদম ওইনা — নংগী নফি মৈনা ৱাইরে। মথংগী ৱাহৈ 'তাংনা' হায়বা ৱাহৈ অসিসু ৱাহন্থোক্কী মতংদা চিংননিঙাই শুকলৈ লৈতে। 'তাংনা' হায়বদি তাংলগা, মীগীদা তাংদুনা হাপচিনখিবা নপশিনখিবা, মীগীদু মান্নবা শেমজিনখিবা হায়বনি, অরোইবা ৱাহৈ 'শম' হায়বা অসিদি তশেংনা তশেংনা সমজিনখিবা হায়বনি।

অইবনা ইজরিবা ৱাহন্থোক অসিবু অমুক হেন্না শেংলকলিবনা, শেংহল্লক্লিবনা পুৱারীগী লামাইদা, সেম্বী মুকাকলৈদা ফংলিবা 'মৈনা ৱাইনা তাংনা শমবা মীতৈ নিংথৌ ইনিংথৌ পামহৈবা মহাক থক্কী লৈপাক ইসৌ লাংখিবা' হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিনি। 'লৈপাক ইসৌ লাংখিবা' হায়বসি লৈপাক ইরাং থোকখিবা হায়বনি।

মতাং অসিদা পামহৈবা লারৈ লাথুপ, সেম্বী মুকাকলৈদা হায়রিবসি পামহৈবগী হাকথক্তা পুয়া পুম্নমক মৈ থাদোক্লগা, ময়াং হিন্দুগীদা, ময়াংগী ইতিহাসনচিংবদা, মীতৈগী পুম্নমক শমজিনখ্রে হায়বনি।

অইবনা পীজরিবা ৱাহন্থোক অসিদগী, মসি নতবা অতোপ্পা অমা ৱাহন্থোক পীনিংঙাই লৈতে। অদুবু মপান্দগী লাকপা মী কাংবু অমনা লুচিংবা কাংবু অমনা পুৱারীগী অশেংবা থৌদোকপু লোৎশিন্নবা, পুৱারীবু লাম্না মমায় ওন্থোক্লবা হোৎনরিবা 'মৈনা ৱাই, তাংনা শম' গী ৱাহন্থোক লাম্না পীশিন্নবা হোৎরিবা অদু লাইপক থীবনি, লেপ্পা ফৈ।

******